

[illegible]

সাহিত্য, সংস্কৃতি, সমাজ-সমস্যা [illegible]

ইউনিভার্সেল লিটরেরী এসোসিয়েশন
রেজিষ্ট্রি নম্বর ৪০৩/৬৫ ই

মতমগী খোঙথাং

সাহিত্য, সংস্কৃতি, সমাজ অমসুং বিজ্ঞানগী ওইব
থা। অমগা / অহুমগী চেকোল

মরিক্তবা চহি   মার্চ ১৯৭৫ শংখ্যা   ১২শু মশীং

এডিটোরিয়েল বোর্ড

395 / 15 95

★

চেয়ারমেন
এল, বোরেন্দ্র রোয়

★

এডিটর
প্রোঃ এস, নীলবীর

মেনেজিং এডিটর
কে, বীরেন

★

মাহেংবম নিমাই
কুমারী বরমনি
কুমারী সুকেশিনি

★

এডভার্টাইজমেন্ট মেনেজর
এল, কামিনিবিধু

★

হেড ও'ফিস :
[redacted] এ.
বাজার

চেকোং অলিবা

এক্সকুটিভ কমিটি

১।	অরাম্বম নিপামচা	—প্রেসিডেন্ট
২।	থাঙজম থামুচৌ	—ভাইস প্রেসিডেন্ট
৩।	মুরাম নবকুমার	—জেনারেল সেক্রেটারী
৪।	কে, বীরেন	—জোইন্ট সেক্রেটারী
৫।	টি, জোবা	—জোইন্ট সেক্রেটারী
৬।	এ, ধনবীর	—ট্রেজরর
৭।	এল, সোক্তিনকুমার	—লাইব্রেরিয়ন
৮।	সনাসাও মাঙলিমা	—মেম্বর
৯।	নিংথৌজম তম্ববিধু	— "
১০।	মাহেংবম নিমাই	— "
১১।	কুমারী সুকেশিনি	— "
১২।	এইচ, রাধেশ্বর	— "
১৩।	কুমারী বরমনি	— "

ইডিতরগী লামায়

খৃষ্টমাস কুম্মৈ অমসুং খৃষ্টিয়ান

মণিপুরগী চৌঙ্ অমসুং তম হায়রুন মহৌশাগী খুৎশেম মচুংইস্র খায়রিব শরুক অনি মগী শরুক্রুন হনাও কুম্মগী শরুক অসি চৌঙগী লমদা লৈবদগী মশিং য়াম্না কেল্লি। সিগী মরমদি, তমপাক্রুন ঐখোয়গী অহানবা চৎনবদু লাইনিং অমুগী মথক্ক কোম্ন তথানিপান ব চহি-চা হৌরকপদ মৈতৈলোন পামহেব সনাকাক্কক চওশিল্লকপ চিন্দু লাইনিংগী হরাও-কুম্মা য়ামশিং অচুম্বা তোৎনা ভিম্নখিবদগী হেনখিবনি। চৌঙগী লমদন্দু হায়গী ওইব মপা মপুগী ইনিং চৎপা কাওবু অহুমক পৈবি। অহুবু অযাম্বা শরুক্কি খৃষ্টিয়ান লাইনিংগী অ চৎপ লৈ তম জিল্লকপ মরম ইরৈমুংদা শুপশিনখ্রে। অসিগুম্ব খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপ কাওবুশিংগী মরুমদদি খৃষ্টমাস' অসি যাম্না মঙ্ক ওইব হনাও কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসি খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপ মা-পমগী মরম অহৈনা তোবগুম মণিপুরদসু ডিসেম্বর থাগী তারিখ ২৫ (কুনমচা) দা তৌই। থুপ সুনিং কয়াগী মতুং ইন্না হনাও কুম্মগী পুংচইবদা থবক থোয়াং কম্না চংবে অসিগুম্ব খৃষ্টিয়ান-শিংগী মরুমদ নক ওইনা কুম্মৈ অমনি কায়ন লৌননিব খৃষ্টমাস অসি কদয়্ম হৌরকপগে অমসুং ইবকপগে হায়বগী মওঙ অসি তাবক কন য়ান ওকনিংঙাই অমসুং সুস্তাইনিঙাই মশকনি।

'খৃষ্টমাস' কুম্মৈগী হৌবককমগী য়াকম অসি তাংবদি অতোব মীপুম খুদিংমক্ক ওকলোবদবগী মদি মবৈদ্রে মখমদি ঐখোয়ান ইচম চম্না পুনশিব য়াকম অসিগ মচুম্ব য়াকম অহুপদি ওনখোক্ক চনন লৈবগুম তৌই। অমুম্না হাবনৈ মচুদি খৃষ্টমাস কায়রিবা কুম্মৈ অসিগী হৌরকফম অদি ইবনদ য়াওদে। সুকপন পনদে। অসিগুম্ব হরাও কুম্মৈ অসিমক্তি খৃষ্টিয়ানশিংতি হায়ব লাই-ং অসিন পোকত্রিবৈগী চহি চা কয়াগী মমাঙদগী লৈবক্লবনি। যীশু খৃষ্ট পোক্তিবৈ অমঃ তাঙদগী অসিগুম্ব চৎনবী মথাংগী হরাও কুম্মৈ অসি লৈববনি।

যীশুগী মপোক সুমিংনি হায়জুনা কুম্মৈ তৌরিব ডিসেম্বর ২৫ অসি নোংচুপলোমগী মাংলেমদ খৃষ্টিয়ান লাইনিংব মমী তমগ্রিবৈদ চৎনরক্লে। 'মিথ্রইজম' হায়ন খঙং-বা সুমিৎপু লাংপ যীশু পোকত্রিবৈগী লৈরক্লব লাইনিং অহুন ডিসেম্বরগী তারিখ ২৫ অসিবু হরাও কুম্মৈগী সুমিং ওইন য়ান অমসুং প্রীকপিশিংগী লমদ চৎনরকই। ঈনথম রিতুগী ডিসেম্বর থা অসিদ সুমিং লাইবেনী সিন মহাকপু নিঙজবিব হিরনশিংগী মরুমদগী তকাই খুম্নব অসি সংবৈ অসিগুম্ব ডিসেম্বর থাগী নিংথম কুম্মৈ অসিবু মখোয়না "নেতিবিতি" হায়রবদি "সুমিং পোকপ" হায়ন খঙলম্লবনী। অসিগুম্ব সুমিংকী মপোক সুমিংনি হায়ন লৌগিব জুলিয়ান কেলেন্দরগী ডিসেম্বর তাং ২৫ অসিদ সুমিৎপু লাংপ কাপুশিং অহুন লাইশঙ মসুংদ চৎচুন লৈমৗ অচুম্বা অহিং লোংয়াই ওইরম্বা তমন "লাইরেম্বী (লৈশাবী) থোরক্লে। মঙাল শংলাক্লে।" হায়জুন খোঙেন হৌম লাক্লই।

ঐখোয়না থাজনরিবা ডিসেম্বরগী তারিখ ২৫ দা যীশু পোকখি হায়না লাকপা অসিসু খৃষ্টিয়ান লাইশঙশিংগী মায়কৈ কয়ামক্তা লাদে। মহাক অসি কদায় থাগী কনা তারিখতা পোকপগে হায়না অসি কনানা হায়বা উমদে। বাইবলদসু য়াওদে। অদুনা অমুক হায়না মতুংদি করিগুম্বা তাইবং মপুন যাওগী মপোক নুমিৎ অসিবু ওয়াংপুরা কুম্মৈ নুমিৎ অমা ওইহন্নিংলবদি কনাগী দমক্তা মহাক্কী নুমিৎ অদু থগৎচনবা লাকফগে? অদুগা তোঙানকপা অতাপ্রদি খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপ মীওইশিংনা কনাগুম্বা অমা পোকপগী নুমিৎ অসিবু মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা লোনবমদে অমসুং লুনা থম্লমদে। বাইবলগী মতমদদি হিদিনশিংনা মপোক নুমিৎপু কুম্মৈ তৌনবমই অদুগ খৃষ্টিয়ানশিংনদি তৌনবমদে মরম অসিনা ভল্লিউ মতমদদি খৃষ্টিয়ান লাইশঙশিংনা 'যীশু পোকপ নুমিৎ' কুম্মৈ তৌনবমদে। মরম অসিনা মপোক নুমিৎ কুম্মৈ তৌবা হায়বা অসি হিদিনশিংগী চৎনবীনি। খৃষ্টিয়ানশিংগী চৎনবী নত্তে।

যীশু অসি কদায় থাগী তারিখ কয়াদা পোকপগে হায়বা অসি অশেংবা হায়বা উমদ্রবসু মহাক অসি ডিসেম্বর থাগী তারিখ ২৫ অসিদা পোক্কে হায়বগী মাওক চানা খুদম চাংদম কয়া ঐখোয়না বাইবলদগী ফংবা উমই। যীশুনা লাইনিং পাউতাক কয়া শন্দোকপা হৌখিবা অসি মহাক্কী চহি ৩০ (কুম্থা) চংলকপদনি। "মহাক্না মীয়ামদা লাইনিং পাওতাক শন্দোকপা মতম অদুদা যীশু অসি চহি ৩০ রোম ওইরে" লুক ৩:২৩ অদুগা মহাক্না লাইনিং শন্দোকপা অসি ৩১ এ:ডি: অদু-রাইদা লেপ্পিশিনখি। চাওবাক চহি ৩২ নাম মহাক মহাক্কী লাইনিং শন্দোকখি। অমুক হায় মতুংদি মহাক্না পাওতাক শন্দোকপা হৌখিবা অসি ২৭ এ:ডি: গী অতুম্বা ওতমদনি (Autumn) মরম অসিনা মহাক্না লাইনিং শন্দোকপা হৌবা অতুম্বা ৩০ শিংজনদা মহাক চহি ৩০ রোমথমক মপুরি। মশিনা তশেংনা তাকপা মতুংদি যীশু অসি ৪ শুবা বি: সি: গী অতুম্বা ওতমদা পোকপনি। মহাক্না করিগুম্বা ৪ শুবা বি: সি: গী মমাংগী বিতু হায়বদি যেন্নিংথা (Spring) নত্রগা অলাংথাদা (Summer) পোক্লবদি মহাক্না মহাক্কী লাইনিং পাওতাক শন্দোকপা মতমদা মহাক চহি ৩০ (কুম্থা) হেল্লগনি। অদুবু বাইবলনা হায়রিবা মতুংদি মতম অদুদা মহাক চহি কুম্থারোম নত্রা চহি কুম্থা চংলক্লমী। অদুগা অমুক মহাক্না ওতমগী মতুংও ইনথম বিতুদা (Winter) পোক্লবদি মহাক্না লাইনিং পাওতাক শন্দোকপা হৌবদা মহাক চহি ৩০ শুখিরোই।

মথংদা, যীশু পোকপা মতমদা য়াওগী শন্নুশিং লৌবুক লমহাংদা লৈরি। "অহিং অদু য়াওশেম্বা থবদি য়াও শন্নুশিং অদু শেম্পুন খুদগী য়াংমদা লৌবুক লমহাংদা লৈরম্মী।" লুক ২:৮। পেলেস্টাইনদদি অশেংবা ওতম অমসুং বিস্তব বিতুদদি নোং, নুংশিৎ অমসুং উদা অসি অমুকী মতিক শাথিনা শিৎলি অমসুং তাই মতুংদি য়াওশিংনা মকোনগী মপান্দা লমহাংদা লৈবা হায়বা অসি ওইথোক্তে।

মথক্তা পনখ্রিবা খুদম চাংদমশিং অসিনা উৎলি মতুংদি যীশু অসি ইনথম থাদা পোকপা নত্তে। ডিসেম্বরগী তাং ২৫ অসি মহাক্কী মপোক নুমিৎ নত্তে। মরম অসিনা নুমিৎ অসিবু যীশুগী মপোক নুমিৎনি হায়না 'খৃষ্টমাস' কৌদুনা খৃষ্টিয়ান তাইবংদা হরাওবা নুমিৎ অমা ওইনা কুম্মৈ তৌবা

অসিদি যীশু পোকখ্রিংউগী অঃ মঙ্গাংদগী লৈনব হিদনশিংগী চৎনবী মুমিৎকী মপোক খুকম অদুবু মতৌ তমদুন খৃষ্টিয়ানশিংন হৌংদবনি হায়না থিজিন্নগা কাংবুন লোমৈ। মণিপুরদসু হায়রিব মওং অসিগী থোদোক লম্বামক্রম নৈ।

মণিপুরদা হায়রগী মৈতৈশিংন চৎনরম্বা হরাও কুম্মা কয়া অমৌব বৈষ্ণব লাইনিংন লৌশিনখি। বৈষ্ণব লাইনিং চংখ্রিংউগী অঃ মখাওদগী লৈনরব থরিব চৎনবী অমসুং হরাও কুম্মা কয়াবু অনৌব লাইনিং অসিগীনি হ যনব কন্ন হেৎ'ন। খুদম ওইনা :- চহি লোইবগী "চৈরাওব" মুমিৎপু 'চরকপূজা', নাওথি খোংগী চারবী, নিঙব কায়খ্রবী সলোই লাংমাই নিঙোল "পেঙবাবু নিংশিংব" মুমিৎপু "চৌঙ্গোয় বারুণী", "লোই কৈরোল কাববু" "হলঙ্কনি", "মেরা হাওচোংবা কাক তাব্বু" "দুর্গা পুজা" অমসু "লাংবন ??নৌ কংপবু" "গর্নৈ" হায়না কৌদুনা অরিব লাইনিংগী হরাও কুম্মৈ কয়া খৃ. ১৮ শুমদ চংলকপ অনৌব হিন্দু লাইনিংদ চংশিনখি। অনৌবগী ওইখি। অসিগুম মখলগী থৌ তং অসি মরা লারোনব অমসুং গুগী মীরোলশিংন পরুব হায়নব হায়দুন আনব লাইনিংগী লাইশিংগী মমিং লাওব হোদোকখি। খুদম ওইনা :— অতিয়া গুরু শিদববু বিষ্ণু, নোংপোক নিংথৌবু মহাদেব পানথোইবীবু দুর্গা, ক সনা পাখংবব বুক্ষ, থাংজিংবু অর্থিনি কুমার, বাংবননবু যমরাজ, মারজিংবু কুবের, খোহরিফাববু বরুণ হায়না কৌদুনা হিন্দুগী পুরাণ অমসুং বেদগী লাইশিংগা চাপিনখ্রি। অদুবু অদুর নওবনিন লাইশিং অসিগী হৌরকপগী য়ারীদি মান্নদব মরমন থিজিন্ন কাংবুনদি অদুমক য়াদে। লাইশিংগী মমিং মথা হোংবীবক্ত নন্তুন লৈবাক অসিবু হিন্দুগী বদ পুনা। যমান হায়নবগীদমক্ত লৈবাক অসিবু মণিপুর, হিন্দু লাইনিং চংলকপিংউগী অ: [illegible] পুথি। বিন্দু সনোসন, [illegible] চৌঙ্গোয় [illegible] পাকপু [illegible] অর্জুননী [illegible] উকম [illegible] অমসুং লাইগী মমিংত [illegible] পুনমক অসি [illegible] খোলাং [illegible] পোংতাই।

[illegible] (১) হৌজিক মতাগী খৃষ্টিয়ান [illegible] যীশুগী [illegible] চৎলিবগে?

(২) কনাবু অংশব খৃষ্টিয়ান কৌদগে?

হৌজিক [illegible] খৃষ্টিয়ান [illegible] চাউংব লানখিং অসি নোংচুপ [illegible] চাওখংগল হায়রিব খৃষ্টিয়ান [illegible] ইমুংপু খোঙখিব

ভাক্কনি। মসিন তাকপদি চন্নৰ অহুৰু মমলদি যাম্নৰ যীশুগী পাওতাকশিং অদু মখোয়ন ইল্লে। ইবুংঙো মহাক্ক হায়ৰীবখদি :—" .. .. মহাক্কী য়েক্কৰশিংবু নুংশিবু! নহাকপু ওৎ-নৈরিৰ মীওইশিং অহুগীদমক্ক তাইবং মপুগী মচামদ খুৎথীবু" — মেথিউ ৫:৪৩, ৪৪। খৃষ্টিয়ানশিংন চৎলিব লমচৎ শাক্কৎ অশিমক্তি মহাক্কী পাওতাক অসিগদি ওনথোক্ক তৈনরে। যীশুন মহাক্কী লাইনিং পাওতাক শন্দোকপগী লোইরমদাইগী মতাংদ কনাগুম্ব অমন মহাক্কী মফমদ অন্থন হংলম্মী -- "হে ইবুংঙো অফবা! ঐন অবোই অথম নাইদব পুনসি ফংনব করি তৌজগদগে?" মহাক্ক খুম্নম্মী "অফৰ হাযব?" অশেংব অফৰ হাযব অহুদি অমথন্তনি — অহুগা মহাক অহুদি তাইবং মপুনি। অহুৰু নহাক্কী পাউখুমগীদমক্কদি নহাক্ক পাওতাকশিং (কমান্দমেণ্ট) অদু ইল্লবদি লাইবৈপাক ফংব ঙমগনি। নিপা অহুন হংলম্মী 'কবম্ব পাওতাকশিং?' মহুদ যীশুন খুম্নম্মী, 'মী হাৎকনু, মুপী লাম্নগনু, গুৱানগনু, চীন থীগনু, নমা নপাবু ইকাইখুম্নো, নহাক্কী যুমলোম্নববু নশামকুম নুংশিবু'।" মেথিউ ১৯:১৭, ১৮, ১৯

মথক্ক পনখ্রিব পাওতাকশিং অসিবু খৃষ্টিযান লাইনিং চৎলিব ইউরোপ অমসুং অমেরিকাদ কনান ইকাইখুম্নরিবগে? মীহাৎ মীপুন, গুনীদ নত্তব শাক্কৎ চংপগী মরাল অমসুং হুনান চিন থিগী থৌদোক কযাগী লৈহাও লৈবব লম হায়বন্থ মখোয়ন ঙৈইনি। পাখঙ্ লৈশাবী অথিংব লৈতন তোৎন-তিন্নব অনৌব যুাকী অনোব ইহকেশননি। অহুগ শমুকম্বু যাশুনা হাযবানম্মা — "ঐন অমুক হন্ন হায়রি — ইনাকখুম্ব নিপা অমন লাইবৈপাক চঙ্বদগীদি উট অমন য়েত্তুম মনা লিংপন হেন্ন লায়ন থোকই।" মেথিউ ১৯:২৪। হায়রিব পাওতাক অসিমক্তি নোংচুপলোমগী খৃষ্টিয়ানশিংন শুকইন ইনদ্রে। মপানগী ওইব লন-থুমগী নুঙাইবন থম্মোইদ অমসুং বাগন্দ নুঙাইব পীব ঙমই অহুৰু থম্মোইগী নুঙাইবন মপানগোগী নুঙাইব পুবকপ ঙমদে হাযব রাখন অসিমক্তি নোংচুপশোমদগী নোংপোকলোমদ শিংচিন্নকপ শকম্ব নোংলৈ নুংশিং অমনি। মবন অসিন লুবব যীশুগী পাওতাকশিং অহুদি লাইবন্থুন অচম্ব পাওতাক থন অংশ ফাওব লাহগী মচাশিং অসিন ইম্ব ঙমদ্রে। তশেংব খৃষ্টিয়ান হাযব অহুদি যীশুবু চুন্ন থাজবতন ওইদে মহাক্কী পাওতাকশিং অহুৰু ইম্ব মীওই অহুবুনি। রাকম চসিমক্ক অচুম্ব ওইংবদি হোস্তিক মতমগী খৃষ্টিযান অম্নাম্বন মমিংতম্দ ওইজবনি মশাদি ওইদ্রবনি মংম অসিন যীশুগী পাওতাক ইন্দব খৃষ্টীয়ান অম ওই-বদগীদি হিদন অম ওইন পুকচেল শেংন লাইগী শকতম শাহুন ইনাৎ লৌরম তৌব অহুন হেন্ন ফৈ।

"নহাক্কী য়েক্কবশিংবু নুংশিবু... ... .." মেথিউ ৫:৪৭ মবমদি :—

"নহাক্ক নহাকপু নুংশিবীব মীতবু নুংশিববদি মহুদ অফৰ করি লৈবগে? মহু ফাওবদি ফত্তব মী ফাওবন তৌব ঙমই।" মেথিউ ৫:৪৬

মণিপুরীদা কবিতাগী অনৌবা খোঙথাং খরা

এলাংবম দীনমনি সিংহ

হিংজ্রবা লোলগী সাহিত্যদি কবিতাগুম্বা অকক্কবা মকম অমদা পন্দুনা লৈ অদুগা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা লোলগী সাহিত্যদি বিধা খুদংমক অনৌ অনৌবা খোঙথাংগা লোইননা থিংজম- জ্রবা ঈচেলগুম ঈবোং কয়া কাংনা চেইস্লে। মহৌশাগী ওইবা নিয়মনি। চান্নগীগা মান্নদব, মওং পান্না মীওইবগী তোনবনি কবিগী কলমদ শপশা অসিগী মমি তাই, তাকমল্লু থোকই।

মণিপুরী কবিতাদা খোঙথাং অসি কবিগী হকথংনবা রাথল অমদি লাপ্পোকপা অমত্তুং ফোঙদোকপগী খুদোংচাদবা অনৌদা এয়েক লানা ৬বা ফংই। কবিত্ত চায়বসিমক্কু কবি অত্তুনা কবিতুস পোৎ অমা নত্রগা থেদোক অমা নত্রগা অবা মুংচাই কবিগুম্বা ঈহৌ অমা কোইথোক্লা নত্রগা অপানবা হকথেংনবা মতুংদা কবি মশাগী ওইবা শৈলীদা, Style দা ফোঙদোকপা অসিনি। মতম খনকপগী মতুংইন্না মফম নত্রগা নাক-ল্যেৎ খেন্নরকপগী মতুংইন্না মসিগা লোয়ননা সংস্কৃতি, culture খেন্নকপগী মতুংইন্না কবিগী কবিতাদসু হকথেংনবা অমদি ফোঙদোকপা অনীমক্কা চানগী খোঙথাং চাংনক্লে।

হকথেংনবা চারমদা অনৌবা খোঙথাং:–

হৌখিবদা কবিতাসি খোইমু লৈশাংগীদা ওইনা তৌবনি। প্রকৃতিগী পোৎলমমক্তদা যেংলবদু নোংথিজবা চীং, কজবা তুরেল, পুক্রি খুবনা উ-ন্না, মশানা নীংথিজহনা লৈবনা লৈপাক্লে কুন্দালে, খোংগমমেলৈনমচিংবা পোৎলমশিংসি শীংথানবী হৌজিক্লা মসিদগী পাকথোকখিবনা মমাং- ঙৈদা কবিতাদা মকম থক্রিক্তা কাওবা লৈরমদনা পোৎচঙ মযাম অদুংপা লৈত্তনা চঙশিল্লি। থাংজম ইবোপিশক সিংহগী 'অপাইবা থরাই' দা হাপুহনায থাদকম 'দষ্টবিম', 'ফুটপাঠ' বর্ণনদা নত্তে। 'কয়িং খোংয়াম্বী', 'মীবেলশঙ' অমদি 'ঙানা ফুম্মায়' কাওবা কনশাগী লামায়দা চঙশিল্লক্লে। অজানবদন' জীবনক্তা উবা তাবদা চেংঙা, তেনৱা, উংগোক চীং-খুমু তমথুক্কনচিংবা মন্নামসি উবন্মী হৌজিক্লা মসিদগী হেন্না উশিল্লুবনা হৌজিক কাওবদা কবি সমরেন্দ্রনা উশিল্লি:—

তিল্লাইখোম্বী মচা ইমা শিল্লাইখোম্বী মচা
চুংশিদবা য়েংউ ইমা শিল্লাইখোম্বী মচা
হাক্তোকউ ইমাগী ইবুংঙো চুংশিবা
হাক্তোকউ হাক্তোকউ — (শিল্লাইখোম্বী)
− + + + +

'মচু মচুগী অতিয়া'দা কবি এধুবীরনা 'তোম্মগী ডাক' ওন্থোকপা অমা য়েং :—

শোযত্রে থাম্মা দ থঞ্জখি

ক্রং ক্রিং চোংনা লাওবকই, লৌবুক্তা কোকচবা বুইদ্রিবা
তাইবত্ত জ্ঞান শুদ্রিবা, মমিৎনা ঙম্বা ঙক্রা অমা
উবদা তোমৈ হবাওঐ।

\+ + + + + + + +

কবি কোইজম ধীরেনগী 'লমশি মক্ত' কৌবা কবিতাদা শীংথাখি :—

ও। অরাবনি।
নচা থুদিংমক্কী মশা। মীথিংবোং মীতম্বাম্নী, অম্মম্বনি।
নংগী নতম্বাক্ত যাগাংবি, শিনবা ফুংদা
শোক্লুক্লু ইমা কাম্নদবনি, পাইকন্নু মশাত্ত
ইমাগী নচা ওইবংোই, লৈশাক্কী য়েথিবনি,
তম্নপাই ডাক্কনি। লমশি মক্ত ডাক্কনি॥

\+ + + + + + +

অম্মুম্না অনৌবা কবিতানা পুন্সি অংসদা থেংনরিবা হীরম অযাম্বদা পীকই চাউই হায়রগী চিংনবা থাম্মুনা য়াবিবমংথ পাকা চাউনা কোনশিনবা হোরি।

অম্মুম্না অনৌবা কবিতানা পুন্সি অসিদা থেংনরিবা হীবম অয়াম্বদা পীকই চাউই হাযবগী চিংনবা থাম্মুনা যাম্নিবমথৈ পাক্না চাউনা কোনশিনবা হোবি।

মথংগী থোঙথাংদা, অম্মুম্ন পাক চাউনা কোনশিন্নবা হীবমশিং অসিবু বর্ণন তৌহুনা হায়রদি শীংথাহুনা ইবা মতমদা অযাম্বা মতমদা কবি মশাগী ওইবা মনুং অমস্মুং মপানগী য়াথম্না নম্না কোঙদোকই। হাযবদি আম্মা পাংথ নত্রগা Subjective ওই হাযবা। অহানবদদি অয়াম্বনা কবিতাশিংসি পোং মশাগী ওইবা হায়রদি বস্তুপরথ নত্রগা objective ওইরম্মী। কবিগুম্বা অমা বর্ণন তৌবকপা মতমদা, অযাম্বা মতমদা বর্ণন তৌরবা পোৎ অহুগী মশাগী ওইবা শকওং- না নম্না য়াওরম্মী কবি কমলনা অচিকপা অঙিং অমা অম্মুম্না শীথাখি,—

থাবল ফবা চহিংগী মতম যোংক্লে,
লুংথিলগী লাউথোংবা নেমথনক্লে।
ইচিক চীকথনে মলেম পৃথিংসি,
থেংজিন্নক্লে অহিংগী মকমসি।
কীরুক খু খরে চীংয়া ভময়া,
বা—থরানমিচাকনা লৈনেংথবে মতিয়া। (নীরবরঞ্জনী

\+ + + + + +

অতুগা, অনৌবা খোঙথাংলা মায়পুনরক্লিবা কবি শ্রীবীরেনগী 'অশিবা অহিং' অমা অমুম্না বর্ণন তৌরি;—

ক্ষিত্তমসি শোকচিল্লে
অনাৰসি মতোমত শিজকাউ য়ারি।
লৈকায়সিদা লৈবা মী পুম্নমক
লোঃনা তুমগ্রে অহিংসিদা।
হকচাং কায়াৎ পুম্বা পংথবে
তাং পুম্বা শিথরে।
য়াম্না মশ্বসিদা, য়াম্না চিকপসিদা
কিবনা থক-থক নিক্লে।

+ + + + +

অম্মুম্না বর্ণনদা শীংথাবিবা পোৎ অতুগী মতেংনা অইবগী মশাগী নম্বগা নাক-য়েৎকী অপুনবা অয়া—মুংঙাই য়াথল কয়া কোঙদোরকবা হোৎনরক্লি। অসি হায় হায়তুনমু পোৎ মশাগী ওইবা বর্ণন মুকয়াও য়াওদে হায়বগী য়াকম নন্তে, চাংদা ওথাক হম্মখিবগী য়ানি।

হৌখিবা কবিতাশিংনা লাপ্লপ লেপ্লগা পুম্মুম তারবা পুম্নিগী থোংনা ঈংনা নীংথিজরবা শরুক য়েংলম্মী। কা তাম্না শাংপা লৈবাংনা মীবাওখোন্দগী লাপ্না শাংচতুনা কাগনি হায়বগীমু কল্লক, তাগনি হায়বগীমু য়াক্লদনা লেনজখি; কবি চাউবনা লোক্তাক মপান্দা কমতুনা মতম কুইনা মিংলক্লবা দৃশ্য অমা উবা ফংজখি হরাও তুজুংগী পিরাংতনা মিৎলুগী নাপোম থুম্নখি,—

কুইনা নীংলবা, পুক্নিংগী অপাম্বা
ওসিদি থুংজবা তাবেদো।
হিথক্না তো হুনা ঈপাক্না তৌবগুম
নোগী জগোইবু শাক্লগে।
নীংজবা থুংহুনা মিৎলুগী নাপোমদা
তরংগী লাইজবু শিম্নগে।
মৈতৈগী ঈপাক্নি, মাওদা তাল্লিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

+ + + + + +

হৌক্লিক্তি মতম অহু চৎখরে। যুগ মশক ওক্লে; মচা মোয়াম্বী পোক্লুনা খেম্বা য়াবা থা-বা থাবুংলোন নক্রে। পুম্নিবু নক্না য়েংবা হৌনবক্লে। পুম্নি অসিবু মচেৎ মচেৎ থোয়া য়েংলকপান্না নীংথিরবা শরুকা লোইনন কজদবা মুংঙাইতবা অয়াকপা অথাবা শরুক কয়ামমু থেংনরক্লে।

সুংঙাইগনা কঙ্গয়মগন্দ্রা হায়বগী আশাদা চঙশিন্দুবগা মকম মবাং খঙদনা লম্মূক্লমবা কবিনা মচু মচুগী অভিযাদা লাওখি,—

ঐনা লাকপা লম্বেলম্ভ থিবা খঙদ্রে,
খোংথাং হুন্দ্রি হেনবি নাংপা শৈতনা
তত্কপা লুং।
শক নাক।
নোংগী লুকং ডাক্কা
চন্দ্র ন,
সুংবংনরবা
জ্ঞান লাওনবা
ঐগী চিং কনিংস্থু উদে, ক্ষুত্র পোট নত্তনা
তোংদ নাংকাংনা অন্তা, শা কনা খোংবা নত্তনা
৬: ঐগী উপাই।

> ^ < × ×

কবি কমলগী 'লৈপাবলৈ'না হকাদাং ভগ্না নোংকাংথা পুক্সিংদু 'অপাইবা থরই'গী 'চাবান্ন বা ভুগু'গী নকমদদি বন ওইরদ শাপ ওইরা, -

থাবনা লিন কেন্দ লেশয়ালী অমনা
মাগী রূপীনা
নোংনা নংনা নোংগুপী অনীনে
মুশা নাইদংকুং তাংনা।
নোংনা শর্গনাইগী নেনা
চেংগী নাংলুনা শিং বম্ম।

— — — — —

চানান্নবন কংক্রক কংলবা তুই অং।
লেংথা নই শিগ শিথ।

\+ \+ । \+ \+

অম্নুমা সংস্কৃতকী রসলোমদা যেংশুবদা অকানবদনা শৃঙ্গার, বীর, শান্ত অসিনচিংবসিনা মরু ওইনম্মী। কেজিনা মসিগী মথক্তা বিভ্যাস কায়বা ভুকচবা মথংগী বস ওইবা অদুম্থ উবক্লি। অনোবা অশেং অশেংবা ভকপা কবিওগী মাংনি নংগন্নুনি ববিওগী থোঙথাংনি। অনোবা কবিতা অসি শৌ শায়বা রাথংগী ময়ে ওইংক্রে।

কোণ্ডোকপগী মতাংবা খোঙথাং

হৌখিবা কবিতাশিংদা খোং-নৌরবা য়াহৈ মক্কপা পদশিংগী, তাবদা তাল অমদি লয়মা মুংঙাইহন্নবা ঈচেল (flow) অমা লৈরবা অহু হৌজিক মতমগী শৈরেংশিংদা য়াম্না য়াংনা উরকই। পাক্ল চাউনা কোইনা কোংদোকপগী মহৈ য়াম্না শয়া শন্না লাক্নেরক্লি। য়াখল অমদি মতমগী মমিনি। কবি কমলগী লোন্দাগী ঈচেলনি।

ঈশিংদগী চাউদবী কংকালদগী হৌদবী।
উদা তাংলে উতাংবী, য়াদা তাংলে য়াতাংবী
পরেং লেংশি পেন্দবা নাচোম শাশি নাওথি শাবী।
মুংশিৎ শিংলে মিপাইবীবী, খোইমু লাক্লে ইকাইবীবী।

× × × × × × ×

হৌজিকী কবিতাদা অঙাওবা, চৌঙদগী চাইথুকপা ঈচেলগী মতৌঙম পোথাকম পল্লেপকম অকরবা লৈতনা খিধরকই;—

এলমুমদা, কঙাংদা
ইশি শিম্না নোকই;
মথন্নাই য়াওরবা শকম।
খংদবনা হায়
অঙাওবনি।
অখংবনা শোল্লি
মৈচাক্লি —
মৈচাক।
এলমুমগী লমায়দা ..... মুক্তি।
শর্ম . লৈতেংই
শমজিদা;
কোইরাওনৈ মিয়াদো
কোইরাওনৈ।

("কাং খোং চাইরবা পুজি" — রনজিৎ শর্ম্মা)

অহুম্না ছন্দগী মতাংদদি, মণিপুরীদা য়ামগা অকরবা ছন্দশাস্ত্র লৈরক্লবগা, সংস্কৃতকী লৌশিন্নুবা কাজিন পুনশিনবগ হৈনরক্লবগা হেক পাখিল্লুনা মপুং ফাবা নীংতম্না হৌরক্লে। নীংতম্না ছন্দ কোবা য়ারবা জাৎনি। য়াথনবু লাম্না কংলবদি কোঙলোক্লগ। থঙনরগা য়ারপোংনি হায়বগী

অনৌবা খোঙথাংদা কবি সময়েন্দ্রনা নোং লাউরি:—

হো নোং।
মমবা নোং!
হো অতিয়াগী নোং!!

মমা চুবো চুপো
আশানা থল্লবা খুনগী মথক্তা
ঙংঙুনা চৎখো নোং। নেমবা নোং!!

× × × × × ×

প্রমান পাম্বৈনচিংবা অলঙ্কারদদি নিয়মগী ওইনা চাটথেংদা অপ্রনবা থোইনা উদে। অতুগা, তৌবদি প্রমান পাম্বৈগী পোংলম পোৎচঙশিং নোংমা নাংগী মশিং কেনগৎলক্লি। থিবা লেপত্রিবা, উবা তোকত্রিবা য়েংনিংবা লোতদ্রিবা মীওইবগী হৌনবনি। অনোবা থোকলকপা মশানা তাক্তবনি। কবি রত্নকুমারগী অহানবা লুশিংদি থোইমু খল্লালগী, নোঙ্গৌবীনা ঈনিঙ্কগী নত্রগা নোংইন অমসুং থাগী নৎত্রে, মহোইনতুমং:—

ঐগী অহানবা মুংশবদি, তশেংনমক
টাইপ বাহটবগী অকনবা স্পিংনি
হৌজিক কাওবা মথোপ অদু কান্নান যাওত্রবা
থম্মোইগী চেবাংদা তানি।

\+ + + + + +

কবি ইবোপিশকনা পুন্সিবু শীংথাবি অমুম,—

জেট প্লেন
ওকাশকা হুইস হুইস
অত্তা ঐগীসু পুন্সি
হুইস হুইস।
মানি ঐসু মংগনিগী মীনি
ঐগী রান্সি
মতমসিগী রান্নি। (পাইলোট

রাহৈ রাতংসু অতৈ লোলশিংদগী লেপ্পুনা চঙলক্লি। এখোযগী হান্না নৈজগা রাহৈ কয়াসু শীজম্মনিংঙ। মওংদা নীংখা তম্না শীজিন্নবা উরক্লি। অমুম্না অনৌবা পদ কয়া থোক্লক্লি। অহিংবা লোলগী হৌনবনি। বিষয় ওল্লকপনা অথোংপা অনৌবা রাহৈ রাতা অমদি লোন্দা মমী থবা থবা শামলকপা ওইনা থোক্লবি। চিত্রাগী 'কাযববা থম্মোই' অমদি নযাবতীগী 'খোঞ্জেল অমত্তং' নচিংবা অনৌবা কবিতাশিংদা কবয়িত্রীগী থম্মোইদগী হৌরকপা অমেংবা রাহৈ কযা তাবা ফংদবদি

মথে, অহুবু হাররিবা কবয়িত্রীশিং অসিগী থুংইদবু খোঙথাংসিগী মতাল উই। 'কাইরবা থম্মোই' গী ভেংথাখোলদা য়াওবশী :—

চান্নে মৈরি কংনা
কাহৎলে থাজোই খোরা
ঈস। কনব্রেদা মৈশাসে
তুমগদৌবে চাকথেক্কনা হকচাংসে
থাব্রগনি থরাই
থাব্রবমু মহাকথকী॥

× + +

মতৌ অসুম্না অনৌবা খোঙথাং কয়া থাংদুনা মণিপুরগী অনৌবা কবিতানা ঈরোং কয়া কাংনা উণ্ডমদবা লমথুং অমা নত্রগা লমথুং কনা তম্না চেঙ্কনি।

ঈকা-ঙা

অহিঙ চুপ্প নোং চুখি
কুমগী নোংনি।
খোংপান-লুক্রাং লবুক লমহাং
ঙানা কগোত শারখি
ঈকা-ঙা।

মেনা মমা কলাঙচৈন্নি
মংতন নোংনা ইল্লিংই
মচাগুপা শমখাকপা
মেরা খোঙ্গাঙ অরাওবা শেৎ
শাঙব্রবা থুনাল পিহু।,
ফিল্মমগী ঈশৈ শরুকই
মচাম্নুপী শকহেনবী
মশক ফজবা বাবুগী
কার মমুংদা তোংথংখী
হবাও মীনোক ফরহনা
অর্থ হনখী পুন্সিবু।
আঃ কুমশি কুনগী ঈকা-ঙা
কুনশি কুমগী ঈকা-ঙা॥

জিলা সিংহ নেপ্রা।

'মরা য়াওজবা নুংশিবা'

টি ডিনো শিংহ
লমলোং বাজার

মপানলোমদা Motor cycle গী মখোল অমা তাখিবগুম ৎৌই Hemগী Rajdoot অঙাংবীদুনা ঙংবা ওইবদা তাবে খন্দুনা থোংগাললোমদা হাইকেং য়েংখোকলুই। গোগলস অছু লোখোক্লুনা Hem চংলকপা উই। কৌশিন্দুনা কমমিন্নরে। ঙা নাগুবীগুম গুগংলবা ইতৈমদা চা লোলহন্নুগদবা থল্লুবদা ঐহাক কি তনহো' হো'লে। ইবানি অদুম থোরক্লে। মবম থোইনা লৈরমত্রে। মখল মথেন কয়াগী লৈ গুনা শাংলবা তাইব' লৈকো'দা পুক্রিংগী অপাম্ব পামদ খন্দুনা পুল্লিগী লৈবাং চাব থিকণী হাইবা ওইবন্নে। নুংশিংনা ঐখোযগী ভু' ইন্নবকপগুম তৌত্থনা ঐখোই অন্নাং পাংন থোথরে। পংকুই কুইদে থোং অমা লান্নে মতুগী মপামক্তদা শন্দোকঞ্জিবা লন্থী অমদা চংই। থোংগাল ৩/৪ মুক থোথরগা লেপ্রে। লৈরক অমদা খো'না কুনথতুনা Enquary তৌই। কনাগু থেংনত্রে অমুক হন্দোবকই। খল্লকই মসি পুন্নমক অসি ঐদি ঙক্লবনি। থংহোদে পুক্রিবোমদা বীনাগী গুবদা থোরকপা থুন্নদা খোঞ্জেলগুম নুপি মচা অমদা কৌবকই — "তামো হেম কদোমদগীনো" "অগুম লাকপনি" ইত্তাদি লৈতে কবি হায়নুগে? অছু অদা পাখং লৈশাবী নইবগী পংঙাং ঙাংনৈ। ঐগু লৈশাবী অতগী ফজবা কবা থম্মোইগী চেদা ইশিন্না হৌখি। নুমিৎ কোবা লাইনা মালেম অমদি থগ্নালগী বনবু থাদোক্লুনা চংলমদাইগী নুংলাইঙবা মাই-খোংনা ইংপমুক ঙাংনা হাইকেং য়েংলম্বা ঙাডায়নবা মাগী মাইথোংদগী কাপথোংকপা মশেক মঙান মথৈনা মাগী মনাক্তা লেংদনা ঙান্দুনা কাপশিল্লকপগুম, নুপি মচা অতুগী হকচাংগী কুচু অম্বু নিং-থীজৈ। মনি মুক্তা মুন্নরিবা অমুবা লীন ময়াগুম অমুবা শমলাংলক্তা মাংথোং থাজনা ঙাল্লি। থাবলগী মঙাল তাত্রব। অহিংদা তগুপ তরেং ঙাল্লিবা ঞ্জব তবাগুম মাগী মীৎয়ে অছু নিংথিজরি মাগী মীহৌনবম ওহরবী শাবান মুত্তি ইনথংলকপনী ফজবা কন্নানা মফম চানা লেতংলবী শক-হেঙ্গী নুন্না অসিগী হকচাং অসি য়োংচাবীনা শাবগুম ঐগী কোংহিং বানবা মমল য়াওত্রবা য়োংকুন্নবা হকচাং অসি চীংশিনখিংগুম তৌবি। ঝাথলগী কলম অছু তাথিবা থংহোদ। Hemগী Rajdoot অছু ঙংখংলকই। ঐগু অয়োইবা মীৎযেং অমতং লৈশাবী অতুদা থনম্নগা শরাই য়াওত্রবা হকচাংগুম লারে। Gold Coin Restaurant তা চংদুনা কবিগুম থয়া চা থকই। ইংলব ইসকিম অছু চামস অমতং কোংলগা Hem না হায়বকই — হোরেন্দী লিকোন শান্নবা চংপা তারেদনা। হৌজিকপু কদাইদনোনে? ঙসাইগী লৈশাবী অছুনা হায়বছু তাহৌত্রথন্নদে? ঐনা য়ান্না লাংতক্লনা হংই — মখোইগী অছুরাইদননে? ঐগী লাংতক্লবা ঝাহং অছু তাব তারন্নে।

Hem না নোকক্নেং তৌবদুনা হায়রকই — মানি, ঙসাতগী মকম অদুদনি, লৈশাবী অদুগী মমিং বিনো নংগীনা দিনা ঐখোয় অনি পুম্না নোকমিন্নে। . . .. .. লীকোন শান্নফম্নী। Hemদি মাগী চান্নবী অদুগা ফমমিন্নখ্রে। ঐদি মহাক লাকপ ঙাইদুনা লৈরে। হাইহাক লৈরগা বিনো শমজীদা লৈনন্না হাহা লাওরবা লৈ চবোং অম অনি থংচিন্দুনা খোই খরগু চন্নকন্দুনা মকমদুদা শাংলবে। ঐ মা উবদা লগ্নাই শাংখীবগুম খাই লাওবা ফাংখি, অদুবু ঙাদবা শাদুনা তুম্নীম্না লৈখি, অদুবু পশাকপি কাবা য়াখিদে। বীনো খংকেদনা ওপী নাক চদুখাইদ ফমথরে। ইকাই ইকাইনা মাগী খংনবা শিট অমগী মপু ওইনবা কোৎনরে। ঙশিন নাশিন্ন শিং অদু কলহৌদুনা য়ারী য়াগাইনচিংবা ম গুম হাগুম শাবা হোরে। পুংসদা অমুক্তা উনখিদ্রিবী মুপী অমগা পুক্নিংগী য়া কোংদোকদুনা য়ারী শাব গাযবসি শাইনা থোকপা নম্ব। অদুবু ঈনশিন্নকপগুমনা কোইননা য়াবি কয়া শারবা তুংদা পুন্নিংগী য়া অদু কোংদোকখি। গ্নীৎ অদুগী কোদুনা ঐখোয় কন্নারক ওন্না উন্নরবা মতুংদা ম-ঐ মুংশানাগী নাশি অমা অনিদ লৈশিন্নখ্রে। লাইনক থৈবনা ঐনা থন্না কন্না কিশীনখ্রমাগে। মুংশী থোদিনা কোংগোই চনখ্রবা থম্মোই অসি মানা চীংবগুম মতম পুম্বদা ঐগা হকচাং পুম্না নাগী মকাদ লৈখবে। মুংশীবাগী হৌনবী হনাও কুম্ম কন্না যাত্তোন মংদুনা খেংমন্নরে। সেনেমাদা "Guide" Ba'hirongki Sapne শিলাদা "মুংসী থম্মোই" নচিংবা কন্না য়েংমিন্নবে। ঐনা কান্না নীংজবগুম মাপু ওদু নিংবীরমাগে মুংশী য়াইদ কন্নানা কোংলাই মপাও ওম্নক্ক। "লিলনা মরৈ অনি লোংনি মুবা ঐগী য়ারাদি ইচিন অনি লোংলোংজলোই। নিজনবনা অরেপ্পা ওই, লেপচবে নংগীদমক্তা পুন্সিগী ওইনা। লেংবিগন্ন মুংশিশয়োন ওইবীনিবা নংতা। মুপী হাযবশি মুংশীগী নাহ কন্নাবু থাংা হোথ্ররবা কনাগী মকমদদি কংগাকবা পুন্সিগুম অপন্ন কযা লৈতমাগে। পংকুত কুইদে মুংশী চায়েং কন্নাদা মশাগী চেন্নিবা শীংলবা ইচেনবু ইথে পীতনা লোহৌবা ঈ মনীক কযাতনা থাজবগী শাখী থমদুনা চীঠী কন্না পীন্নকখী। মদুতমু নতুনা থেংলবা অহিংগী তাংনীদা মখোইগী পুথ্রি মপান বকুপ মখোংদা মুংশী য়াবি কন্না পুন্নিং পেন্না শাখি। অযুক মুগিন কযাদমু অগোনবা যুম অমগী কা অমদা ঐখোই অনিগা মুংশি য়াশকখি। মকম থবা হোংখ্রা গবগী ভপোংদা শাখিবা য়ারীগী ইথিন্না হকচাংদা য়েবি। Cenemা Hall বারী কযান, নাকোদ ভংনদী অবানবা মুমগী কাদা শাখিবা য়াদীনা মুংশী শাথ ওইবীখিব চেংলবা থাজবগী কীশিনা কোমনবি। খংকোদনা লৈচলগুম মাগী পুকচেল হোংখী। ঐনা লাকপা উবদা আযোনা গান ভাশিনবী ছবি ঐগা উনবা লাকগদা হৈথোয় শীংথোইরবী মহাক্তা, ঐ লাকপা উবদা উনা উনা উখিদ্র। থৌথোক অসিদা কাইরবা থম্মোইনা কন্নারক হন্না কপচখি। থম্মোই শোক্না চীঠী কন্নামু ইথি। অদুবু পুন্নমক অসি মুংদা ঊশিং চাইবগুম থোক্লে। নোংমা নিংবা কাইবগী মৈথুলক্তা মহোশাগী মুংশিনা উনখিবা দংশা কন্না উন্নদুনা মহৌশাগুম মখোইগী অদুরাইদা চংলুই। থোনকপা য়েংবদা মীৎনী ভেকখি নিংবা

কাইনা হল্লগে লৌবনন্দা। লৈহৈগী যুমশংনবী মশু খোজুনা অঙিং ওঙিং এনাওশোপ অমা পীবে। মহু পুন্থনা য়ুমদা নিংবা কাইনা চল্লক্লে। যুম যোৎপা লৌখোক্লুনা পাবদা ৱীরাওগী রারোম ওইরম্ম। মহাক কাইনরবা তুংদা ঐগী চাংনা মরূপ নিশানা ওইরম্ম মাইথীবকা মাই অসি পুন্থনা নোংম-কাদোক চংলুই অত্তবু ঐবু উবগা তিন শীংশকপগুম কনানগু ঐবু খোশাবীরকত্তে। খোদোক অহুদা ঐগী কীভম যাম্না খীনা শাক্লে। লম্মাইমুংগী নৈচাকশী যুঙনা ইংহনবগুম মু থকত্রগা নৈবা ওন্নক্লে। মথাই কারবা ৱুগী নিশংনা হেনমনথীবনা অক কনুগী রাখল নৈ-নক্লরে। নোংম মহাক থবক অমা চৎনুবগী হন্নকপদ নমবদা মনথী ভৈশিনবা Jeep অমা পুন্থনা ঐহাক মাবু তিংপ। পুন্সি অসি মহুবগী নৈখা চাপ্লবসু মহুনা ঐগী অরোইবা ... অত্তু কোংদাক্লবগী খুদাংচাবনি। লবাই নচি অমদা পুন্থন শোংলে। ঐনা কপ লাওহুনা কথা হংথী "ঐগী ইপাল করিনো"? মসিবু ওবশ্বা যাহ ফনা বরি মাগী থুনাক খুৎথা চপ্লুগা লোইন-না ভাইদবা মীচৈনা চৈ থাংবা হোকথী শা শনবগী ওইনোমগুম নম শুৎ শুৎ নমহুনা থীরক্লুনা নোং ভাল্লকপদা ঐখোয়বু ফারে। হৌনবী মহুইনা কেশ চৎথরে কেশকী নাই নতুং-ইন্না চহি মডা জেলদা মীথাৎ তারে। বস মসিনি ঐনা পামলীবসু মুংশীবনীদমক থবাই লাওবা থানরী। ঐদি মানা পীরম্বা দন্দি চহি নঙাতনি। মপান ইপান খোইনা মমী নৈলদনা জেল মমুংদা মতম লেনবা হৌরক্লে। ককত্রবা কোইনা শক অসি ওয়ে। বানা লেপ্রবা শাশবা চহি মঙাগী মতম অত্তু মাগী মুংশী রারী কয় অহুতনা মুংঙাইনা মশম লেনখি। টেশীন নাশীঙ্গ মশম লোইরহুনা ঐহাক জেলদগী থোরক্লে। বজান মমুংদা যুম চৎনবগী দমক নীকসো অংা যাগে হায়হুনা রীকসো য়েই। থংন চাম্নব মন্দপ মপাং কয়া থেনখী অত্তবু কনানসু কৌরক্লু মতদা ঐনা থল্লি ঐবু মশক খঙ্গ্রেসে। ঐনা শপ্রবা মনাক অহুযাইদা Pensenger পুংা বীকসো খামখীবা উই। ঐ খোঙথাং ১/২ চ শিন্নি। লবাই শম চপ যুথীবা খংহৌদ মংলা হবা ওা-য়োন্নবা ভাইবং হায়নহ্ অসিবা ২মানা হকচাং পুনচাং চেৎলা। মীং অসিদা মশেং মনাং উবরা থন্দুনা মীৎ অসি অমুক্তং টেইশিন্নী পাংথাকপমক্তদা ওই। Rickshaw চপ্লুগী Bino মশক মতৌ ফজনবা নীপা অমগা কুমথনকই। থহৌদ নীকনো রাঙদনা খাংনা লাইকে সলাই খংদমা চৎপা হৌখ্রী।

মীতৈগী চিঞ্জাক

শরণীজ।

চিঞ্জাক হায়বা অসি মীওইবনা চাগ্রগা ত্তুনখিত্নুনা হকচাংগী কাপবদা শিজিন্নবগীদমক থকই চারিবা পুন্নমক অহুম্ব চিঞ্জাক কৌই। হিংহনা পান্নবগী মাখিবা ত্তুমখিবা, অম্ৱাৎ অপা পুন্নমক মেনখৎলগা নোইখৎ-চাওখৎহন্দুনা পাঙ্গল অমদি হকচাংগী মৈশা থন্নবগীদমক এখোইনা চাদবনি। অহুমনা মচন অহুমদা চিঞ্জাক চাবা অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। করম্বা মখলগী চিঞ্জাক করা য়াম্না চাগদগে হায়বা অসি মরু ওইবা য়াকমনি। হকচাং অমম্মু চিঞ্জাক হায়বা অসি হুৎন থানবা য়াদে। পুক থন্নবা হিংনবা চাবনা মপুং ফাবা অফবা চিঞ্জাক কৌবা য়াদে। হকচাং ফনা পুক্তি ভোগপোইনা নাদ-য়েক্কনা লৈগে হায়নবদি মচন অহুমদা অফবা চিঞ্জাক চাদবা য়াদে। হকচাংনা কন্নবদা য়াথন, বুদ্ধি, পাঙ্গল অমতা নিংথিজনা শিজিনবা য়াদে।

মীতৈগী চৎনবী চারিবা চিঞ্জাক অসি করি করি অচাম্পাৎ চারগা মচন অহুমদা অফবা চিঞ্জাক ওইগদগে হায়বা অসি খোইদোকনা থন্নিংঙাই ওইবা মরু ওইবা ফিরমনি। এখোয়না মরু ওইনা চারিবসি চাক, মনামশিং অমম্মু ঙানি। থাংচৈংশংগী শা চাম্ন শুকচা চাদবদি নত্তে। ঙাদি চাই। অহুমু চান্নরিবা ঙা অসিমু খোইদ্দাকপা হকচাংদদা কান্ননিংঙাই ওইবা ঙাগী জাৎতি পংচাবু চানদে হায়বা য়াই। অয়াম্বনা ঙারি, ঙাকুপনা ঙা চাবগী মওংনি। চিঞ্জাকী কান্নবা শক্তি পংয়াও য়াওদবা মওং অমা ওহনা লেবক্তম শৌই। এখোইগী চৎনবী ওহনা চান্নবিবা চিঞ্জাক অসিদা চাবা খুদিংদা শংজোম অমম্মু ঙা অতেকপা চাবা ঙমদবনিনা মী খুদিংনা য়াম-ত্রবদা মুমিৎ খুদিংগী প্রোটিন শক্তি য়াৎনা চাই। হকচাং ফহনবং, পাঙ্গল লৈবা অমম্মুং য়াং চাওবা হায়বা অসি চিঞ্জাক্তা শংজোম অনৌবা নত্রগা থকনবা ওইবংম্মু য়াওখিবা প্রোটিনগী চাং অহুমগা য়াম্না নক্কবা মবিনি। প্রোটিন অসি মুমিং খুদিংগী য়াৎনা য়াৎনা চাংবনিনা থীক নেম্ব, পাঙ্গল শোনবা, নাগনবা অমম্মু কুহনা পুনাশদবা অসিনচিংবা খোকলিবা অসিনি। জত্তি অমগী চাওখৎপদা চিঞ্জাকনা অম্মুকী মতিক কান্নে শায়বা অসি মকম খুদিংদা লাওনববা খোলাওনি প্রোটিন হায়বা অসি চিঞ্জাকী মচি ওইবা পোৎশকনি। অসিগুম্ব প্রোটিন অমম্মু ভিটামিনশিংগী শক্তি অসি অঙাং ওইবিৱৈদা য়াৎনা য়াৎনা অম্ৰম চাখিবনা মখোন কান্নকপা মতমদম্ম হকচাংগী মৈশা খোক্নবগীদমক শিজিন্নবদা লোইখিবা অদু মেনখৎপগী মথক্তা মৱেপ ভানবদা হেন্না চংগাদবা প্রোটিনগী শক্তি মতিক চানা কংত্রবদি হকচাং ফনা নিংথি মুংডাইনা চাও শাংবা, মীওই ফবা, পাঙ্গল কনবা হৌনদে। মীতৈ চিঞ্জাকনা মরু ওইনা খোককম্লিবদি মরু ওইনা অসিনি হায়রবদা খোইনা লাক্লে।

চেং, হয়াই, মনামশিংনচিংবা পাম্বীদগী ফংলিবা চিঞ্জাকশিং অসি কার্বনহাইড্রেড অমম্মু কেটকী শক্তি থাবদা য়াওবশিং অহুমগা মশুৎ মান্নে হান্ননা লৌবা য়াই। অহুমা প্রোটিনগী শক্তি হকচাং নোম্ন পোম্না শেমগৎ শাগৎপদা য়াৎপ মরমনা শাদগী কংবা প্রোটিনদগী মশুৎ হৈদে। শাদি এখোয় অয়াম্বনা চান্নদবনিনা অম্ৱাৎপা অসি মেনখৎনবগীদমক ঙা, শংজোম মপান

থীনচিংবা চাদুনা রাংশিবশিং অসি মেনখৎনবা হোৎনগদবনি। চিঙ্গাক রাংনা চারবস্থ থবকতদি য়াদবনিনা ওনা মতমদা প্রোটিনগী শরুক্ক অদুনক শিজিন্নদুনা লোইথোকখিবনিনা পাক্কবা ওই-রকপা মশানা তাক্করবনি। লৌশিংনা শামু ফাই হায়নবিবনি লৌশিং শিবা লিংজেল লৈবা হায়বা অসি থাপ শিংলিগী মথৌনি। অহুগা পাজল ফবা কনবা) হায়বা অসিনা তোংশাগী মথৌনি। তোংশাদি চং, মনামশিং অমসুং হরাইন'চংবদা কার্ব্বহাইড্রেটনা পীবা ওন্মী। লিং-জেল অমদি পোশিংগী থবকতি থোপনা পাংথোকপনিন প্রোটিনগী শরুক রাংহনবা য়াদে।

মীওৈগী চিঙ্গাক হৌজিক ফওবদা মসি ওইথোক্কে। অঙাংনা হেক পোকপদগী মমাগী খোম থাইদ্রবা ফাওব প্রোটিনগী শরুক তাদনা কংই। খোম হেক থাইবদগী হাবরিবা মচিগী মশক ওইববা প্রোটিন অসি নোংম নোংমগী রাংশিনরকপবনি। অদুনা মগাগী খোম থকলিঙৈদা মোই মোই লাওনা মশা মউ ফনদ্বা অদুনা মতিন-মরাং কংশিল্লকই। মহুবু গ্রেনা অমবোমদা মবেপ তাগ্রিবনি হায়না লৌনরি। অঙাং শহুনা মবেপ মঙান চপ চান্না লৈগদবনি হায়মদি থংনদে। মরু ওইনা পোটিন অসি অহনদগী অঙাংনা হেন্না মরু ওইগদবনি। শা ওা মরাং কাইনা চাগ্রবস্থু শঙ্গোম নিংথিনা চাবথদি রাংলিবা প্রোটিনগী শরুক অসি য়ান্না লাইন মেন-থৎপা ওন্মী।

ঐথোয়না মুমিং খুদিংগী ওইনা চারিবা চিঙ্গাকী মচনদি চেং, হরাই, মনামশিং, ওাবী থুম মোরোক অসিনচিংবনা মরু ওইবনি। মসিদা অমুম চাবনদি মচি শইবা হকচাংদা কায়''দবা শরুক অনুম অহুম রাংপনা ঐথোয় অয়াম্বনা ফীবম ফাম অংদি লাইনা কবাগী মখলনা য়াংনবগী মশক ওইবকই। মতাং অসিদা কয়া য়ান্না চাগনি হায়বা বা চম অমা লাকই। চিঙ্গাকী চাং অসি কয়া য়ান্না চাগদগে হায়বা অসি অহানবদা চহিগী মতুংইন্না চাগনি হায়বদি অডাংশিংনা হকচাং চাওখৎলকপগী অরাংপা মেনখৎনবা মচন হেন্না চাগনি। প্রোটিন মরাং কায়না পীজবা অদুগা ফেট অমসুং কার্ব্বহাইড্রেডকী চাং চপ চানা য়াওহনদবনি। চাম্বা লেপ্লবা মীওইদদি প্রোটিন চাং হল্লগনি। অনিশুবদা কন্না মপাঙ্গল শিংদি ম মৌশিংদদি চিঙ্গাক মচল খুদিংমক হেন্না চংই। রাথলনা লেম্বা মাশকংন চিঙ্গাকী চাং হল্লরবস্থ মচন অদুদা থুনা ভুবা চিঙ্গাক চাগনি। অবোইবদা অইং অশাগী মতুং ইনগনি য়ান্না শাবা লম অমদি কালেন থাদা প্রোটিন কার্ব্বহাইড্রেড মরাই ওইনা চাগনি, ফেটকী শরুক হল্লগনি। অইংবদনা ফেট কার্ব্বহাইড্রেড থন্না হেন্না চংই।

হকচাংদা কায়গদবা চিঙ্গাকী মচন খুদিংমক ঐথোয়গী নোংমগী চাবদা মতিক চানা য়াওহন-গদবনি। ওা অতেকপা মুমিং খুদিংগী চাবা ওমত্রবস্থ চথোল অমদা অহুমলক যাওবা কদনা চাবা অহুগা অতৈ মুমিৎশিংনা ওা অয়াইবনা মহুৎ শিন্দুনা চাবা য়াই।

নোংমদা য়ামত্রবদা পোয়া অমা য়াওহনবা ওমলবদি প্রোটিন রাংকনি হায়বগী চিংনিংঙাই

লৈতে। অমুনা ঐখোয়গী য়েংমগী চৰাগী মচলদা চেং গ্রাম ৪০০, হমাই গ্রাম ১০০, থী নম্রগা থাও গ্রাম ১০০, ডা গ্রাম ২৫০, শঙ্গোম পৌর ১২, মধা মশিং অমদি উটি গ্রাম ৩৫০ য়োম চারবদি মচল চাবা চিঙ্গাক্কি থাদনা খন্নবা য়ারে।

মচল অসুবা চিঙ্গাক চাগদবনি হায়বা অসি পৃথিবি পুম্নমক্কী খাল্লাও ওইনরকলবনি। মতিক চানা লাইনা থমননবগীদমক ইখোং মচা মচা কোইবা, হৈকোন মচা মচা শেম্বা পুখ্রিদা ঙা য়োকপা, শন কজনা লোইবা শা চাবশিংগী য়েন লোইবা অসিনচিংবা য়াকম মকম খুদিংদা লাওনরকলি অমুগা লোঙ্গন লোইননা প্রজা পুদিংদা চিঙ্গাক্কী কান্নবা হিরম পুদিংমক তম্বিনবকই। ঐখোইগী মীতৈ জাতিমু চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা চপ মান্ননা হিংমিন্ননবা। করম তৌরগা অকবা চিনজাক কংগ-দগে হায়বা অসি মক ওতবা য়াকম অমা ওইদবা য়াদে। মুখ শঙ্গোম তুমলগা তারি লৈতুনা হমকপগী মতুংতা শঙ্গোম অমুনা ইমুংদা শিজিন্ননবা হোৎনবনা হেন্না হকচাং কান্নগনি হায়বা অসি উশিন্নগদবা মতম ওইরে। বনগী শঙ্গোম মরাং কাইনা ফংবা ঙমদ্রবা ফাওবদ্রা মনা মশিং মুং-হয়াই, লৈবাকহরাইনচিংবদগী শঙ্গোম শেমজুনা চিনজাক মচি ওইবা শরুক য়েনখৎনবা হোৎনগদবনি।

মচি ওইবা চিনজাক্কী মচল শুনা চাং নাইনা চাবদি অনাবা লাইয়েংনিংঙাই লৈতে হাইন-য়িবনি। হিংনবা চাবদা নত্তনা হকচাং ফনা পুম্নি তোংলোইনা লৈবননগীদমক য়েংশিনবা চুম্মি।

অদুগা ঙসি

য়েংলি অহুদৈগী চোকথরব মীৎকমশিংনা
য়াওদ্রবা ঙসি
ওইরিবা পুন্সি
লেংঙম শাঙমন্রে থুদীংমশি
শৃদ্নগী মমিজা ঙাবরবা
চৌংপাৎ অমমুং তুংরেল
মখোয়তনি পোথারিবদি হিংবগী কন্নাংশিংদা
লাকপা অমদি চৎপগী ঙমথৈ থাংমদা

উত্রবনি করাবক অশিবা তোর্বানগী জোয়ার
থম্মোইগী শাকু
অদুগা হম্নজবা মতমতুগী মথাংদা
থিতুনতা লাক্কবা হিংবগী আর্থ
থগই ঐ মুমিংতু শোককম লৈহৌরবা অশোককনি।

—চেতন সিংহ খোঙাম॥

লুমথহনগদবানো কদোমদা

লাইরেল্লাকপম ইবোপিশক

মতম
(সেকেণ্ড কাতান্নবা লেপত্রী)
ঐ!
ঐ!!—
কোরশিল্লম্মী পল্লোন-পল্লোন কয়া
মীওইবৈ মীয়ুংশি ১মুং চাওখৎপা মেছিনগী মখোলনা।

মরক অসিদা চাওবকপান ঐ
চেংথিনবা—
কৌশিংগুম চেংথিনবা কদোমদা?
নত্রগা থুংলুনবা পান্নবা ঈপাক
মীয়ুংশি ১মুং মেছিনগী ঈরাওখোলগী
পাংজিংনবা পুক্তি

ককথাওনববা রাখল
অমত্তং ভিনশিল্লবদি অরুব
(মীয়ুংশি নত্রগা মেছিনগী রাখল)
লুমথরমগনি ঐ, ঐগী অপাম্বরোমদা
কদোমদনো ঐনা লুমথহনগদবা
ঐগী অরুম্বগী চাং—
নখোয়না পান্নীবনা কল্লিনো?
মীয়াম্না পান্নমগদবনা কল্লিনো?
হুজিকী মতমদা
হুজিকী মতমদা!!

লাইরিক মশক তাকপা (২)

[মৈতৈরোন অখিবগী শ্রীভূগবদ গীতা, শ্রীরাজকুমার সনাহল সিং, বিঃ করবা সম্পাদন তৌবা অমসুং অর্থ পীবা, ইম্ফাল, ১৯৭৩, মমল লুপা ১৴৭৫]

শ্রীডাক্তর এমঃ কীর্ত্তি সিংহ
M. A LL B, PH. D.

শ্রীনোঙ্গাই ওইনামচা, প্রভানন্দনা মৈতৈলোন্দা হন্দোকলম্বা পণ্ডিত গোবিন্দ মিশ্রগী গীতা নৈমন্থুন য়বা মনবিজ্ঞানগী মথাদা পীখিবা রাখন থবসি ফংবা ঙমই। গীতাদা সাংখ্য অমসুং যোগগী চচাং অমসুং পুক্নিং তাকপগী মমি থন তাববগুম থব খেন্নবা ফংই। মৈতৈলোনগী গীতা অমসুং ভাগ্যচন্দ্র চরিত্‌ অমসুং বিজয় পঞ্চালীমচিংবা নৈনবদা মৈতৈ পণ্ডিতনা ভাবতকি দর্শন মঙাল ফংলে হায়বা তাশেংবা উই। তাওকি দর্শনদা মন — পুক্নিং হায়বসি হৃদয়বা প্রকৃতি ওইনা য়াই। থরাইগা নমনা চীং। হকচাং শাগৎপদা চংবা পোত্নগী মসিনা হেন্না রাংবা অমসুং নংবা ওইনা লৈই। হকচাংগী কাগাং মপা-মীৎ, নাকোং, নাকোন লৈ অমসুং উনশা কোবা কর্ম্ম-ইন্দ্রিয়াশিংদগী লৌবা জ্ঞান মপ্রথ মঙ - উবা, তাবা, মনম খংবা, মহাও লৌবা অমসু পোকপগী জ্ঞান মথং কয়া ফংই। গীতাদা পুক্নিংবু মুংশিং ওইনা (অ. ৬, ৩৪) অমসুং কর্শিওয়রদা পোৎ পৈফমগ প্রমাণ পীনে। পুক্নিং হায়বসি অদোম্বা ইথক মথামগী সমুদ্র-গা চাংদমনবা য়াই। ইম্নি মথামগী পবক্ত ভুংবনগা চাংদমদে। চাংদম্নব, অনি ১টৈ লোনগী গীথাদা লামাই ১১১, ১১৪ অমসুং ১৭৯ দা গী।। "নং নিপ ১৭বু ..।১০ন .. কোংঙাই থুবা শামু ভুংবুমহুনা লংকা মশম কক্সা চিংখিয়ে। অদুম নিপা ১ অু কোনংদ .ন পুক্নিং অহুবে। মিপা ১১কৌবদি ইন্দ্রি ১১ মানে।" পুক্নিংবু চন্দ্রাশিনা চিঙনা পুত্রবদি হিমায় য়াউদবা মুংশিংনা পুক্রব তিগা চাংদমই। মাংকৈ থংদনা অমক লুপশিন অমুক লাইশৎ লৌই হায়রি। মালা তেনা মকগা মনা, তৈবা নংবোলনা চাদনে। নকা মংলাগা তিঙ্গুনা থাইনদে। মক কপথাইনা পামেল ওইনা হাই। কশিঙবা ওশিৎ মায়োকনা মক মপুন অমসু থও ভয় মরাইদা চন-থংনবা রংবা পুখনি অমসুং নংম থংদনা ওয়দাই। ইন্দ্রি পুক্নিং চনবা ভমপ্রবাদ ঈশ্বর কংবা ঙমদে। পাউবোশাগী ..হুবনি হাবনা তাকা। ইন্দ্রি পুক্নিং চনবা মীহু আৱা জ্ঞান শিংদবদ,

চংই ; ব্রহ্মজ্ঞান অমুবদা ডিবদি। অশিংবা অহিংবু নোংথিল ওইনা উবা অমসুং মায়া চংদবগী মশক অদু লামাই ১১৭ তা উৎলি।

তায়ত্তকী মনবিজ্ঞানগী মতুংইন্না বুদ্ধিনা পুক্নিংদগী হেন্নদি। বুদ্ধিগা ইন্দ্রিয়শিংগী মথক্তা পুক্নিং অহংকারবু মনগী খুংলাই ওইনা সাংখ্য দর্শনদা থম্মি। শংকর অমসুং শাক্ত দর্শনদা চিত্ত হাপ্পুনা মসুংগী খুংলাই মরি থমই। মন, অহংকার, বুদ্ধি অমসুং চিত্ত অসি পুক্নিংগী তোঙান তোঙানবা থবক ঙাক্তা ওইনা পুনবন্থ রাই। মৈতৈলোন অরিবগী গীতাদা মমিং মরিমক থেংনৈ। মন বুদ্ধি অনিথোক্না পনবা অসি লামাই ২০৪ দা থেংনৈ। অদুম অরান লেপ্পা অমসুং ঈশ্বরদা চেংলকপা কান্দা পনবা থেংনৈ (লামাই ২০৪—২০৫)। বুদ্ধিনা মনবু চাংথোক্তুনা গুরুগী পাউত্তাক তাহনা য়েক্লবা পুম্বা মাংহনলি। মন (পুক্নিং) অমসুং বুদ্ধি (লৌশিংনা অপাম্বা অমসুং অশাউবা ছত্নেকপা ডমই অমসুং রাগোদ্দেশ (অপাম্বা—পামদবা) না মীওইবগী থবক পুম্বা তৌহনবা অমসুং মীওইববু লৈথাম্লুংদা তাহনবনো হায়বা মতাং অদু লামাই ১৯৩—১৯৫ কাওবা নৈনবি। "নাসও কৌবদি যুবতি যুবা অনিমানা পুকনিং লিত্তিন্না লৈরিবা অদুবু য়াগ-ও তৌনা কৌয়ে। দেশা ও কৌবদি তলা যেম্মিং চোংগুম্না পুক্নিং থোইনা নৌনিবা যুবতি অনিমানা পায়মা ঐগী উকোই সুংদা নিঙজবিবা অসিবু কোরৌ কদৌস্লুংদা শমু খুৎথুম চন্না তানকংলসিবনো হায়না বাগ্রি অহিং অচিকপদা কিবা নোংথিল হাঙদনা থমোয় মথোন্নগী লাইয়িংলুংদা মায়া তমথিববু চেংলৌ নিংকুপ মবমু পুক্নিং অতংপবু নাইদনা নিঙজরিবা অদুবু দেশা ও তৌনা কৌয়ে। মতৌ অসুম ওইরিবা বাগোদ্দেশ অনিমাদগী মহাপ্রেগথ পাঙ্গল থোইনা লমকেংপা কাম পুক্নিং তমফদববু চোংথোক্লকয়ে। ... ... অসুম তাউথরল্লগা মহা নবক কুংঙদা থরায় মমিবেনগী থৌবম অরোনবু ওইনখি য়।" (লামাই ১৯৪)

মৈতৈলোনগী গীতাদা দুঃখ অন্নাবা সুখ মুঙাইবা শোক মুংশিবা হাযবসি তাইবং মনমচৎনি হায়বা খংই। কাম = মায়াগী গুমহৎপা মশকনা লৌনিং চানিং হেন্নব; (ক্রোধ — তাইবং খৈথিকথু লাচক খুথুম চমনিংলিবা, উনখি মৈরি থোক্না কনজাও হোবা অমসুং মুহ — থৌরম ঐগী ইকমনে কম্মি ঐগী মযম নত্তে হায়বসুং আহার চিজাক চাবৈবা চাহৈদবা মরম পুম্বা আচার লমচৎ নাইদবা অসিনচিংবা পোকপদগী শাস্ত্র অমসুং গুরুগী পাউত্তাক মাংলকই হায়না নৈনরি। শ্রুতি মাংহল্লবা মীওইশিংদা মন - বুদ্ধি পুক্নিং য়াউদবে। থোইবি লিনশাং পাল্লবা লেপকংলবা পামেলগা প্রমাণ তৌনরে। (লামাই ১০৯ — ১১০)

মেত্তাকিন্জিন্নকী (মহৌশা অমসুং রাখন অশেবগী মরমদা নৈনবা বিষয়) নরমদা মৈতৈ বৈষ্ণবশিংনা পুবপা অদু লাইরিক অসিদগী অমুক লোখৎচগে। সাংখ্য দর্শগী প্রকৃতি, পুরুষ, তত্ব ২৪ অমসুং গুণ ও অমসুং বেদান্তগী ব্রহ্ম, আত্মা অমসুং মায়াগী রাখনসিং পুম্বা গীশাদ। পুনশিন্নদুনা

ভোপ পোপ্প রাখন অমদা থমখি। মৈতৈলোননী গীতাদা (শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা এক্সা ভান তাকপা লাঃ ৯৮—১০০) তত্ত ২৪ বু সত্ত, রজ, তম গুণ ৩ মাগা ঋতু ৬ মসু' হুমিং চযোন ৭মকা প্রকৃতি ৮ মসুং অসিবু তত্ত ২১ মাং পান হাকলি। মথমাই পানবা পুম্বনা লেংওগ্নবা লৈবিবসি বর্ঠ কৌবা মযেক্না চংহুনা লৈবননি মাংথোইবা থবাই অহু অক্ষনক্ষ নত্রগা আদিত্য কৌই। অভিভূর=মীগী হকচাংদ পঞ্চতত্ত। মাংগম লৈবক, লৈমায়ান লাইজা ইংক্লাই চকমোম লৈংরেং, মাগং অয়াডবা শূন্য গাতিংগা) অংসু মমং ২৫ লিনি।। হকচাংবু ভলা উপালগা চাংদাবা মওং অমদা লৈননি। গুণ ৩ শিনা খাংথি থবক মযাম থোকহনবগী মরম কয়াদা লৈনরে। লাঃ ১৪৮-১২০ দা গুণ ৩ না বাগিমা থবা চীং, ৩ ওইগে তানবা লনংগে, শিংংহক হাগনা সকাম ভক্তগী লাইনিং চপানু শংহনা।। গুণ ৩ শিগি চংদ্রবু নিগুন হাবনা মরিবা চু লাইনি। বায়াৎ সমু হবচাংগীনে তাবনা খক্কবা হন্দ্রি খুহুম চনবু ভাকলি। নিযাম ভক্তগী মং কুপ্পনা পীবি (শ্লো ১৯ পর্বি দু ভুগী থুইনা অসমুং পুরুষপু হুপা ওইনা লৌবা পভাব ফই। খুংদগী তনবা পাইবু অবিদ্দব ও অসমুং আদি পুরুষ কৌই (লামাই ৯১) দ্দদ পংমা।। পান হংস হানবা অনি অনি থোয়া বর্ণ কৌই। পরমাত্মা গা এমা পুম্না। ঈশ্বর মন্ত্র (লামাই ১২৯)।

ভাগবতগীতা শা দা ভগ্ম হর্ব অক্ষর অসমু অক্ষরদগী হেন্নোক্রবা পুরুষোত্তমগী মশক অমা পীযি। পাং খুদিদা শ্যাম্যনা লৈবপ মাম্না অহু শ্রীখাইমা নিংশ রবগী ক্বক্ষবা থোগ অমা লৈরে। অধ্যায খদংগ ঐবনা কৌবা থরক পুষা মকাদা ভৌরনি হায়বা ফংই। গোবিন্দ মিশনা ইবা মৈতৈ-লোনগী গীতাদা চংগু নিগুন চিস্থানান হাপবা শ্রীকৃষ্ণগী শকওং অহু মায়ক শেংনা পনলি। নং আসনক তারতম্য কনিঙনা মকমদা লৈনমগনি হায়বা ত্রযোষনা নিংদে মৈতৈ বৈষ্ণব-শিংনা শেমজবনি।

বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাওনিংগ ঈশ্বরগী মওং ৫ থক - পর. ব্যূহ অবতার, অন্তর্যামিন অমসুং অর্চা হায়বা ফই। গীতাদা অবতারগী মঙ কুপ্পনা য়াউবি। ঈশ্বরবু মনুষ্যগী তাকপা অমসুং শিবা নাইদনা লৈবা য়াপং অনি থান তৌবা কারুন পানা। মৈতৈলোনগী গীতাদা অসুম শ্রীকৃষ্ণনা পনখি :— " .. অন্তর্যামি ওইহুনা পাঁবম লৈব খেলিক্সা পুরুং ঊনিঙ ভম্লিবে।" (লামাই ১৩৩) মংহ দিদনা অথবা পনক পৌবা পুম্নাগী মাংখাইদা ঈশ্বরনা থম্মোক্ত লাইযিংহুংদা মাগী মানী পুক্নিংবু শানবংর জম্বকাম হবুদোন। মান মানা রাজরিবা থোকম মহুংইন্না চন্না লনথুবিডম্বা মপুন (লামাই ১৬০)।

আত্মা — থরাব হাবর্নাস পেদনা লেবা মতৌ পুম্বদা মমা ওইনা লৈবা পোংনি হায়না বেদান্ত অমসু দর্শনগী সাহিত্য পুম্বদা লৈনব। থবাইংগী মশক ২ শ্রীকৃষ্ণনা গীতাগী অধ্যায ২, শ্লোক ১৭, ১৭, ১১, ২০, ২২, ২৩, ২৫ দা পনি। অধ্যায ৩, ৫, ৭, ১৩, ১৪, ১৫ অমসুং

১৮ দশু হকচাংগা লৈমবা উৎশি। উপন্নিষদ অমসু দর্শন বাড়িংবা ওহ্নিরি। মৈই ধরে নগী গীতা লামাই ১৩৪—১৩৯ দা এসি পীরি। "আত্মা থরাই কৌবছু চেংপো শক্তসু লৈতে। নমু কৰাঙনা থৌবি কোনোই খুত্তা শনা কাকনবসু পুনা লৈতে। ভাই ... মীওইবমা জীব থরাই মসিবু নোংমনখিরগানে হায়বগী শিংলেন অ... যৌবম য়া ... .

... লাংওন ... মাগী মহক ... পুনা ... মঙ্কুইত্তা নমু মাগী ... অমবক ভানকংজবৈ। ... শিমল ... মান থাক্রগা মানপো ... অমবক ... করি ঈশ্বর ... মচাল অরাবগী ... আত্মা থরাই অহ্য। ... চেংপো ... লৈপ্পা ... ঈশ্বমসপা ... বনমু ... আত্মা ... শমু ...

... কৌবনি ... পোকমি...

জীব ... মীগী থরাইহু ... অমসু ... লক্ষবগী ... আ... শিদবা ... মীশক্তি Category ... লামাই ১২ দা ... উ শিং—" ... নমু ... আত্মা ... আত্মা ... ব্রহ্ম ... ব্রহ্ম চহ্রোবা ... পুবেনবু ভানকংজবইয়ে।"

শ্রীশঙ্কর অমসুং ... মতু ... অর্থ ... গীতাদা ... ঈশ্বগী অরাংবা ... শক্তি ওইনা লৌই। জীব ... বলদেব ... বি ... চৈতন্যদেবগী ... দর্শনদা যোগ মায়া ... ।

যোগমায়া হায়বা য়াংহ অসি মৈতৈলোনগী গীতাদা লামাই ১০৩, ১১২ লচিংবদা ফংই। থোমলেন চুমথুন হল্লিবী যোগমায়ানা লাইরেমনা হুন্না কোঙাই থাহনা ফাবদগী মালা ভজন তৌবা নমু মী অহু গুরুগী য়াথং ফাউই, মন্ত্র অরুববু তংলি। মালা মখুৎশুম্নুং মাইকৈ মথোঙ খুঙদনা হুল্লানলমই। লামাই ৯৬ তা অস্মুন্না হায়রী :— সাধু সঙ্গ তৌহনা গুরু পোনাই ইমু ঙোবু থোগন পুক্নম লৈতবিবগী গুরু পাউওাক ফংজদরিবা অহুবু অজ্ঞান লৌশিং লৈতবা-ও তৌনা কৌয়ে। ... ... মাগী মনন মথুম মাগী মমাই চৈবৈ ফি ময়োম গৃহ শঙলেন মশানয়াই খানৈল লৌরি য়ুক্ষম তয়া কযদাঙশঙনা লাঙোই শঙশাং কিবা মানাতা মাল্পাকপা মনম থসি থৈবিক্রা পুক্কিং হকচাং তুন্না নিঙখিনবা অহুবু অজ্ঞান লৌশিং লৈতরিবা অবিদা মাগ শান্মনা কোক্কবি-বা —ও তৌনা কৌয়ে। অবিদা —ও কৌবদি মহৈ মশিং থৈবিকপু অবিদ্য ও নৌনা কৌয়ে। তাইবং নোংশাপানগী মনুস্য জনম কৌবা মীপাক ফ ভমদববু লানফংজরবদা গুরু নাইবা থৌকাউ-নৈয়ে। হরি লাইমিং শোলহৌদে। ... . শমু মহকচাংদগী জীব পরমাত্মা ২ মাবু খুঙজ ভমলুদববা অহুবু অজ্ঞান লৌশিং লৈতববা অবিদ্যা মায়া জ্ঞান অয়াম্ববু কাক্লবিব ও তৌনা কৌয়ে।" গুরু নাইগী থুযা থৌকাউরিবা অসি বিষ মায়ানা থৌগি থুনা ফাখিবননি (লামাই ১২৬)। জীব পুনশিন্দুনা সংসার মপোক্কা পোকহনলিবা কর্ম্ম ওইনমু লামাই ১৩৯ দা পুচ।

(মথং, মথং চেক্ষোংদা)

ক্রাউন কিং

থাংজম বিনোদ

যু পাংবমখৈ ঙাওনবা থকতিল্লগা চুরুট মচৈ অমা থক্কুনা ঐগী ভাব সম্রাজ্য অমা শাগৎলগা। ঐনা ওইনিং ওইনিংবা মওং ওইদুনা তাইবংপাল অসিবু, পুম্নি অসিবু কাওহৌক্কুনা ইশাগী থম্মোইদা হল্লিন্দুনা য়ারি অসি লিবদা মুংঙাইবা পোকই।

ঐমু মুপানি জুলিয়স সিজার, নেপোলিয়ন, আলেকজেন্দরগুম্বা। মতাগী মতুংইন্না খুনক্কা লোইশিনসবা য়াবা লিংনা চৈনবা য়ারিনা সমজুনা ক্লাইমেক্স তান্না পুরকপগুম্বনি থন্দোক্লসি তাইবংনমু লেমহৌরিবা পুন্সিসিদি কনাগীদমক হিংবা নাই। য়াথলনা থবক্কগী থন্দি হেন্না মুংঙাই। য়াথলশিংসি থবক্কা ওন্থোক্লবদি ঐগীদমক ভাবকশিংনা হয়াঙবীগনি, ওইথবা ফংনবা, ঐগী থংমাক্নগী লুহঙ্গা পামজবা গুলাপ থেংতিনবীগনি, মতুদা নংমু মোমোন নোকনি ঐগীদমক নোক্লুবদ, নহাক

চাং তাবরোই। ঐনা ক্রাউন কিং ওইরবদি। ঐনা মাইথিবরবদি কনাম্বু শকক য়াবিররোই। অথাবা মিনোক্না শাথিনা শোক্লবা মকমসিদা থুম চাইরবা নত্তনা। পুন্সি উপন্যাস অসিগী চেনা থরদি নংনা কল্লিম্লে। ঐঙোন্দদি হাউজলবা মখেল ওইত্তুনম্মু, লাংতক্লনা মুংঙাইজররম্মু মখোইনদি অইববু নোল্লগা বিক্তিপুগী শামাইদা ইনিংলনগনি অচোবা ন্যেক্না "মাই পাল্লরোইদবা অইবা।"

নিয়ু ইয়ার্স ডে নঙ্গিমক্কে মথৌ মচা অমফাওবা পাংথোকচৌদবা কাবুনা অনৌবা চহিহুনা নিংথৌবেলগী লুহুপ পুবিরক্লগদৌনা হবাওনে ঐদি ইংথৌ চৌংগদবা কপসিবা হাইম্মু ঐগীদি তানিংঙাইদি লৈতে অবাংবা অমত্তং কাসিরা হাইম্মু উজাউ লৈতে, অনকপদা হিমালয় চিঙাওম্মু লৈতে, চৎলগা কাকসিরা? তেঞ্জিংখোই হিলাবিখোইনা নোক্লনি। চাকম্মু শাংঙি, চাক তিংনবনি অরেম্বদা ইংউরগা মোম্প্রং মযামসিদা অপিকপা কোকসি কাইদোই অচিকপত্তুদ। হন্না গেংলকপদা নখোয মযামম্মু লৈবমদ্রে, অঙাংবা গুলাপ অমা হেক্লগা পরপ পরপ লাকপদা নং নথন্তা ক্লাসতা ফমহুন, লৈনম্মি ক্লাস লোইরগা লাকল্লিবদা নংনা ঐঙোন্দা পিগদবা ভাষণ, ঐনা তৌগদবা কমেন্ত, নংঙোন্দরা ঐঙোন্দরা অমদি ওভংদোজ ওইবা শাগ্র, কিবহুনা ঐনা হান্না চৎলে যুমদা। কার পার্কতা হোর্ণ খোংহনা ঙাইহাক্ত লৈনম্মা, কান্টিন মমা দা ষস লৈহৌবনি তাবমদাই মুমিংকী অঙাংবা মশেক্না মাইযোক্লহুনা।

বাবা নাবে হাইনা পাও লাক্লমহ। ইমাসিনা গাডি পুবগা চৎলু তাকপি অহুবু মঙানি তবানিদি লৈগে থনবগী বনতা অত্তুম চংগে। নিনি হুম্লিগী তুংদা বাবাম্মু করি থোইদোকপা চৌদ্রে। ইম্ফাল্লোমদা লাকে তোনম্মী, নংনা ঐগী পবিথাগী পাখৎপিবমগদবু খল্লুবদা। নংদি ঐগী কিসকাম্মু গিথোক্লমাম্লে।

লাখ্রানপোং থব পুহুনা গোহাটিদা চংকদা গাডি অমগী ড্রাইভর নাবহুনা ঐখোই অহুল্লাইগী মহাজন অমনা ঐবু নেক্কে। নিনি হুম্লি মঙাই কোইবোইনহুম চৎলুগে খন্দুনা চৎপনি। গৌহাটি যৌবগদি পোলিসনা ফাবে, চংমিল্লবা কা থুম্মু ওম্না নাম্থোরগ্রে, ঐন পাইবা পোৎয়োমহুনা আইম্না য়াদবা পোৎ থরা য়াউবদগী। থবক্কুদা কয়াগা খুৎলোইবম্মু নওে ঐদি। হিয়াং য়েগে চংলগা পোথাং পুই হাইহুনি। ঐম্মু ফাদোক হাইবহু ওইরে। পামজদে হাইহুনা চেনফখিদ্রে। নোক্লিংবা পোক্লম্মী। অল্লাবা হাইবহু বাই, মুঙঙাইবা হাইবত্ত মুঙঙাই থেংনবগা খংলবদি থিওংদগীদি হেনবা ঙাক্লনি। হৈংগাং অহাওববু চাবগা পেল্লি লৈবাং ফজবনু নাপদা চিল্লগা পুরিংদা পোকপা ইথিলবু পুন্সিগী মহাও হাইবহুন। লুংপ উপ্লি দবা তাইবং মী লৈবা হোনদে, অহুবু মী 'খুদিংমক্কী লাইবল্লদি তমদে পাউহু নংম্মু তাবিনি করি থনখি। চুন্নতা নগী সাইগং সাইয়াদা তাংজবা ঐবু নংনা দোলাই তোংহনগনি তেমসিংখি। তেংবাংবনিংবা কনা লৈত্রবা ঐঙেন্দা পুক্লিং থৌগৎপিপিবি নংবুদি কাওগে ঙমদে, ঙমদ্রি। ঐসে নোংদম্বগী অসোইবা খুৎশেম্মি, নংনা নোংদম্বগা শিংনগে তেমশিখিবনি, রাংগম্মু। নংনা খংবদা য়োদংলম যাম্না লৈ, মী হাইবসে মপুং

ꣳকাদে। নিংশিংলিদনা পাবুংগা ঐগা থবক মকমদগী হল্লকপদো। নখোই ড্রাইভর চাউমা কোক্তাং-ন্দো, য়ু য়াল্লা পাল্লা থকই। কোরেষ্টব ওফিসতা পাবুংনা চংগ্রম্বৈদা সেকমাইদগী লৌরকপনি, থর য়োংশল্লু নশাচু শাগৎনব।" ঐস্মু থর থকচিল্লি, মচুদনি নংনা খং কৈরবা শুরুদৌনা নংনা ভাংখিবচু য়াদি ঐগী ড্রাইভর অম ওইনবথকং তম্মিখিদে, গাইবং লোনচৎ স্মনা তখিখি, য়ুদস্মু নত্তে। নংনা হংখিবদাই

য়ু সিবু কয়ামুক হাওগে তা-রগু?

য়াম্না হাঙ্টইবো!

শুলাগা কনামা হৌরি হাৎবা?

য়ুনা হেত্রিদা।

ইস য়াম্না হাউবোইবেকো? ঐদি য়ু থকপা মীসে কৌননিংদে।

নংমা অহুম্না হাইনম্নগা চংখিবদো ঐনা কবি খন্দুনা লৈহৌই খংব্রা? নংনা খংদব-ভাক্তনি, য়াহৈনা কোংদোকপা ভমদবা। ইকাইখিবনা নংগা উনদনবা লোৎ লোত্তুনা থাংখি, ঐগী লাইসেন্স' লোকরগ' হল্লকপদা নংনা নংগী কাদা ঐবু কৌসিল্লগা হাইখিবচু নিংসিংলি। "তারঘু নং মেত্রিক থাবা গাবে। নংগী পরিক্ষা য়াওবা য়ানবা মামতোন্দা ঐনা হাইব্রে" মিকুপ অদো ঐ ইসাবু কাওখি ঐহাক লাইবেথাক্তা লৈখি। শিংলোইদবা লম্মণ তোল্লোই খনবনি। ঐ সুপানি। লাইবক্তদি য়াবিখিদে।

নগী ফক্লাংদা অনৌবা কেলেগুর অহুম শিল্লমনি, ঐ জেলদগী থাদোক্লে, নংমা কম-লৈগ্রবা, ঐগী খুঙ্গংগী য়ুমচুনা কমদোগ্রবা লাম্বা ফংখিদ্রে। অথুবা মিংয়েংনি হাইনা নংনা য়াখিদবা কাংবু অচু খিবামি, ফংদ্রে। তৌফম খংদ্রচুদা চবা কয়া হেল্লবা তুংদা নোংমদি রেলরে ছৈসন্দা কদাইদগীনো বুবগা উনবে। অঙাওবা মতৌচু তোক্লমদে, কোনবগা, নোকপগা, হবাউবগা পুমলাং লাংলম্মী। ঐগী য়ারিস্তু সারে। নংগী পাওস্তু তম্মম্মী প্রোফেসর অমগা লুহোংগদৌবগী লেপ্লরে। মাদি দিল্লিদা পরিক্ষা অমগী চংলিবনি হাই। শেন কয়ানো থব পিবম্মী, ইম্ফাল য়ৌখিনবা মাস্থ হাথু হাথু কাইনবে। মানা থাবা চৎলিবা পরিক্ষাচু ঐস্মু থাদ' য়ারম্বনি, নিংশিংই—কলেজদগী হলকপদা য়াম্নি মতেক অদো।

তাবগু নং করি ওইগে খল্লি?
ড্রাইভরবুদি ড্রাইভব হাইবসি মঙাইদনা
বি-এ পাস তৌরগবু কাইবা,
বি এদি হরা থৌহেত্রো?
নংসি য়া ভাংনবা য়াদেনে ইবুংভো
হাইমা। য়াবু য়াম্রা হাৎমি?
ইউনিফোর্ম সার্ভিস পামত্রা তা-রঘু?
পাম্মিনে নংবু পামদ্রে?

ঐদি নংগী মিংসে ইনিংলিবনি—রঘুনাথ সিংহ, আই, পি, এস।

ইদদি করি ইদনি সোইদবনি।

নংবুদি ঐনা 'ক্রাউন কিং' ওইহল্লিংই। লেডি মেকবেথত্তৌনা মী হাৎলুদি ইনসিল্লোই।

পুন্সিগী হিয়াং মতেক অদো ওয়্যোক্লা মুংঙাই, থৌনাইদবা পুন্স হিযাংদো। পন্দুপ অহু লোইশিনগ্রবস্তু মুংপা নাইদবা দাগ অমদি নংন হক্লয়ে ঐগী থম্মোইদা।

ষ্টেসনগী যেম্বা উপাইগী পুন্সি অদো লোইসিল্লে। ষ্টেসন্দা হবক তৌবা অমগী মতেদগী বেলয়ে পোলিসকী থবক অমা ফংহুনা সাংলবা চহি কযাগী পুন্সি ইচেল্সিদা তাউথবি। লেপ্পাইদবা মতমগী খোংচৎস্তু খোংকাপ নাহুই তানথি মিংমাংদা তাইবংবু তাহন উহনদনা। ঙসি কয়েং, শংলম্বা উনানা কেনথি য়েল্লিং চোংনবা। লৈরাং কয়া পোমখি লৈকোন্দস্তু কেম্নবা। নংগী পাওস্তু তানিংলুই, নংদি ঐবু নিংসিংলীত্রা থংদ্রে। নংবু ঐনা অংোইবা ওইনা উখিবদো দেল্লিদগী শিলিঙবদা লাকপদা এলাহাবাদ ষ্টেসন্দা ত্রনগী থোংনাওদা। তুমুনমাল্লে মিকপ থোক্লকপদা উবকই, কুমথনিংলুই মিকুপ 'মত্তস্তু উননিংলুই অত্তবু মতম অতুদা ঐনা তোংবা গাডি অহুদি স্পিদতা পৌবা হোয়ে।

অগোই ঈশৈগী শেংকা তৌতুনা বিলিফ ফন্দা দানকং চাউনা তৌরে। নো মা থববদা থেংনখি, যুমদা ইমাশিখোই পাবু খোইনা কমদোবিবা, লুহোংবনা কবম তৌনা কাইথ্রিবা। দিল্লিদা লৈরে হাযমা পাও তাবদগী লাক্লম্মী থেংনখিদে, বোম্বে কলিকতাগী অগোই ঈশৈগী মকওইনা মনিপুরি দালকী মবি লৈনবা মফম মখৈ নংবু থিরম্মি নংবু উদ্রবস্তু এড্রেস অমত্তং। থাক্ল থাকবা মফমদগী চিঠি অসে ঐঙোন্দা হল্লক্তুনতা লৈবে। হন্দক্তি অবোইবা ওইনা নংগী লন্দনগী এড্রেসতা থাববনি। লোইরগে

দেথ লেতর ওফিসতগী হল্লকপদা থবরগী অতানবা লাংাইদা হংনৈ "রঘুনাথ সিংহ সুপরিন্তেনদেন্ত ওফ, বেলরে পোলিস মোত তু দেথ বাই এ গ্রুপ ওফ বেবেনি।

নুংথিলগি মতম লোইরবদা

মুংথিলগী মতম লোইরবদা থরাই চেক্লানা খোংদ্রবাদ,
আশাগী মাপঙনা চোকথত্তনা শিগ্রবদি,
'ঐগী' হাঈবা লৈচিন হাইদোকপিযু নিঙজ' কোয়োহনবদে।
নখোঙ খুয়া থাগি মখাদা—
অহিংগী থম্বালবু নঙনা উনশীনহনবগুম চিংশিনবিয়ু ঐবুস্তু॥

চেঙজেল লোইশিল্লরবা পুন্সি লম্চৌচংপা করাবু
তাঈ—ওইহনখি নঙগীদা অতিথি।
থকচবা ফংলবদা নঙগী আতিথ্য থৌজাল মৃতবু
হাঈনৈ স্বর্গগী মুংঙাইবা ফংখি,
খানা থবাবু থাদ'গুম ঐবুতদি নখোঙনাক্তা থম্বীয়ু॥

পামলক্কে মুংঙাইবম্ম নিংথৌগী, কিরক্কে অরাবম্ম চাক্লিবগী —
ফংলোইদ্র খনবদা নখোঙনাক্তা চঙজবা।
লাঙজখিবা পাপ পুণ্য কর্ম্ম ঐনা পোকপদগী
নংচদে মশক খঙনা তৌজবা;
শঙ্গোম -ঈশিংগী মতৌগুম তিলহনবিয়ু নঙগী লৈকোন্দা॥

অরাম্বম নিপামচা সিংহ
তা' ২।৯।৬৭ ইং

ইন্দিয়াগী লোন্শিং

এম: এস: নিংতোম্বা

মীশিং য়াম্নদ নত্তে ইন্দিয়াদি মখল মখা য়াম্ব জাতি কয়ামকমগী ময়ুমনি। জাতিশিং অসিন তোঙান্ তোঙান্ব লোন ঙাংডি। সোক ১৯৬১ গী মীকোক থিবদ ইন্দিয়াদ লৈব (ঙাংনব) লোনগী মসিং ১,৬৫২ নি। হায়রিব লোনসিং অসিগী মমুংদ ৫৩০ দি করম্ব লোন সাগৈগী মমুংদ চনবগে হায়ব তাংদা'ব খংদবদগী•থৌরম পুব অঙম্বসিংন তোপন লোথোক্নুন থমগ্রে; অদুগ ১০৩ ন মীবৈবাক্তা লোন্সিংনি হায়দুন থাইদোকগ্রে। লেমহৌবিব মমারোল ১,০১৯ অসি লোন্ ২০১ গী মমুংচনব ঙাক্তনি, হায়বিব লোন্ ২০১ অসি লোন্ সাগৈ ৪ (মরি) গী মমুং চল্লি হায়বদি সাগৈ মরি থোকন থাইদোকই। সাগৈসিং অদুগী মমিংদি (ক) ইন্দো-এরিয়ান (খ) দ্রাবিদিয়ান (গ) মুন্দা (অস্ত্রো-এসিয়াতিক) অমদি (ঘ) তিবেতো-বরমন্ হায়ব অসিনি।

হৌজিক ইন্দিয়াদ লৈরিব তোঙান-তোঙানব মী কাংলুপসিং অসিগী চপচাব হৌরককম হায়ব ঙমদ্রবম্ম লোন্গী মিয়েংদগী অমুমন থাঙনৈ মদুদি দ্রাবিব কাংলুপন ইউরোপকী•উবাল চীংসাংদগী, এরিয়ান কাংলুপন হৌজিকী নোংচুপ এসিয়াগী লংদাই ওইব ইউরোপকী লমদমদগী; মুন্দা কাংলুপন নোংপোকলোমদগী বরমা কাউদুন লাকপ অদুগ তিবেতো-বরমন্ কাংলুপন নোংপোকলোমদগী বরমা কাউদুন লাকপ অমদি অরাংলোমদগী তিবৎ কাউদুন লাকপ।

লোন সাগৈ মরি অহুমী মখুংদ লৈব লোন মসিং অমদি চাগী চাংচৎতে লোনশিং অহুমু ভাংব মীসিং মখাদ উৎচার। অহুমী মখাদ লোন সাগৈসিং অহুমী মচংওইব খাগোল মথং মথং পীজরি।

লোন সাগৈশিং	লোন মসিং	চাগী চাংচৎ
১। ইন্দো-এরিয়ান	৬৬	৭৩.৩০
২। দ্রাবিদিয়ান	২১	২৪ ৪৭
৩। মুন্দা (অষ্ট্রিক)	১৫	১.৫০
৪। তিবেতো-বরমন্	৯৯	.৭৩

<u>ইন্দো-এরিয়ান</u>

লোন ৬৬ অসিগী মখুংদ লোন ১০দি হায়রবদি হিন্দী, বাংলা, মারাথী, উরদু, গুজরাটি, ওরিয়া, পনজাবী, অসামি, কাসমীরি অমদি সিনধীদি ইন্দিয়াগী কন্সাস্তিতিউসংনি সক থংলব লোনসিংনি। সোক ১৯৬১ গী মীকোক থিবগী মচুং-ইনন মথাগী মীকোকসিং অসি লৈ।

হিন্দী ১৩৩,৪৩৫,৩৬০
বাংলা ৩৩,৮৮৮,৯৩৯
মারাথী ৩৩,২৮৬,৭৭১
উরদু ২৩,৩২৩,৫১৮
গুজরাতি ২০,৩০৪,৫১৮
ওরিয়া ১৫,৭১৯,৩৯৮
পনজাবী ১০,৯৫০,৮২৬
অসামি ৬,৮০৩,৩৬৫
কাসমীরি ১,৯৫৬,১১৫
সিনধী ১,৩৭১,৯৩২

হায়রিব লোনশিং অসি সংস্কৃতকী পোকখিবনি। সংস্কৃত অসিমু গ্রিক, লাতিন, জরমনিক, অংবস্ত, হিত্তাইত, তোখারিয়াননচিংব লোনসিংগ চৌরককম অমতনি। সংস্কৃতি সকতম হোংব লোং (inflectional language) নি। লোন অসিদদি নাউন থংনব, প্রোনাউন থংনব, এজেকতিভ থংনব অমদি ভাব থংনব য়াহৈসিংগী সকতম অহু য়াহৈ মচেৎ তোপাসনদুনা মথং থংলি। অতনব সকতমশিং অহুন য়াহৈ কাংলুপ (phrase) অমগী মখুংদা তোঙান তোঙানব মথৌ (grammatical function) তৌই হায়বদু ভাকই। মরম অহু নাউন অমগী কেস (case) নিপাল, নপুং-অহুমৈ-অমদি জেন্দর অহুম লৈ। কমজুগেসনগী নিয়োম য়ামন লুই। ক্লাস তরা খোকনা থাইদোকই তোইস অহুমনি অহুপ তেজ কয়া, মূদ কয়ানি। অহুমী

...শক হনজিনব খোংখোক (reduplication), মাদু মতৌ কয়া হাপ্তোক লাপচিন, মাইহৈগী ...রক মাংখিব অমদি অনৌব সকক চোংথোকলকপ অসিনচিংব কয়ানি।

বৈদিক সংস্কৃত অচৎ মাদু ওইরব কয়া অদোংব মাদু 'compound word) ওইরকখি। পুণোপ কনসোনন্ত মরাং কাইরব অমু চত্থরকখি। ভাউয়েল মসিং য়াম্মরব অমু মশিং হেনগৎলকখি। স্ট্রেস (stress) ন মরুওইব থৌরম পাংথোকলব অদু মাংখি। মাইহৈগী অহৌব অমদি মমক্ত কনসোনন্ত মস্তর হৈরব অদু হোকখি। ক্রিয়ামসিং অমদি কনজুগেসনগী অরুব নিয়োম কয়া অদু লাইথোকলকখি। নম্বরদ দুরেল (dual) হৌরম্ব মাংখি অদুগ হোৎসকী মওংদু শনখি। মতৌ অমুম হৌন অহোংব কয়া ওইরব মতুংদ হৌজিকী ইন্দো-এরিয়ান লোনশিং অসি ওইখি।

দ্রাবিদিয়ান

লোন সাগৈ অসিগী লোন ২১ গী মনুংদ ব্রাহুই (বেলুচিস্থানদ লাংব) নত্তন অহৈদি থাংনব ইন্দিয়াগী লমদমদ লাংলি। ২১ অসিগী মনুংদ মরিদি (তামিল, মলয়ালম, কানাদা অমদি তেলগু) ইণ্ডিয়ান কনস্তিতিউসনগী সকথংওব লোননি। তামিল দা লাক ৩০৫ ম, মলয়ালম দা লাক ১৭০ ন, কানাদা দা লাখ ১৭৩ ন, তেলগু দা লাক ৩৭৬ ন লাংলি। অতৈ লোনসিং অহুদি কনস্তিতিউসনদ ফিদা হৌতব লাক্কনি। চায়রিব লোনসিং অহুদি কোতা, তোডা, কোরাগু, তুলু, গোনদি, কোন্দা পেনগো, মান্দা, কুই, কুবি, কোলামি, নাইকি, পারজি, গদাবা, কুরুক্স, মালতো অমদি ব্রাহুইনি।

অস্ট্রো এশিয়াটিক

ইন্দিয়াদ থুন্নাব লাকপা দা কাংলুপ্সংগী মনুংদ দ্রাবিদিয়ান কাংলুপন এরিয়ান কাংলুপতগী কান্নি; অদুগ অস্ট্রো-এশিয়াটিক কাংলুপন দ্রাবিদিয়ান কাংলুপতগীসু হান্নি হায়না থাজৈ। য়াম্মন অশনব মতমদগী থুন্নারুন হৌরব মীওইশিং অসিগী লোনসিং লোম ১৫ থক হৌ; চায়রিব লোনসিং অসি দা মিলিয়ন ৬ লোমদা লাংলি। লোনশিং অসিবু ওংলিব মীওইশিংবু আদিম জাতি হায়না হৌজিক হৌনরি; মখোইসিং অসি অরায়বা ইন্দিয়াগী মরাই থংব অমদি নোংপোক থংব লমদমদ হৌরব চীংসাংসিংদ হৌ। লোনসিং অসি অমগ অমগ য়ামন ৭রি হৈনৈ, অপুনব মমিংবু মুন্দা হায়না কৌই। খা-কাংলুপ অমদি অরাং কাংলুপ হায়না অনি খোকন অমুকয়ু থাইদোকই। চাউরাকন মুন্দা লোনসিং অসিগী তংখাই অমরোমদি ওরিয়াগী খা ইথংথব কোরাপুৎ জিলাগী লংগলদ লাংলি।

সনতালি হায়ব অরাং-লোন কাংলুপকী মরুওইবব লোন অসি দা মিলিয়ন অহুংলোমদা লাংলি। অতোপপা মীসিং য়ামন লাংব লোনসিংগী মমক্ত মখাগীসিং অসি পনব য়াই, মখোই

অদুদি—মুন্দারি (লোক তরেৎ), হো (লোক তরুক), সোরা (লোক অনি মথাই) কোরকু (লোক অনি)।

মুন্দা কাংলুপক লাপচঙ্‌ঙ মরি লৈনবা লোন কাংলুপ অহুম অমসু লৈরি, মখোই অদুদি (ক) নাহলি (মৈথ প্রদেসকী নিমার জিলাদ ছাংনব) (খ) খাসি (মেঘালয়াদ মী লিশিং ৬৬৪ য়োমন ছাংনব) (গ) নিকোবরি (নিকোবর ইবৎত মী লিসিং ১৪ য়োমন ছাংনব)। অস্ট্রো-এসিয়াতিক হায়ব অসি ববমা অমম্ভুং থাইলেনদ ছাংনব 'মোন' অমদি ভিয়েৎনামদ ছাংনব লোনসিং অদুগ মথক্ত পনগ্রব লোন কাংলুপসিং অসিগী অপুনব মমিংনি।

তিবেত্তো-বরমন

৭। ইয়োংদা শাবা ফিগা কোলদা শাবা ফিগা পোংশিন্তা চাংদম্নবা য়াননবা লুপাদা পৈশা ৫ (মঙা) তাক্লুনা রিবেট গ্রান্টকী (Rebate on Sales of Handloom Cloths at 5 (five) paise per rupee) মতেং।

অকুপ্পা মরোল খঙবিনবগীদমক ইন্দস্ট্রিজ ডাইরেক্টর অফিসতা মরি লৈনবা মীওইশিংগা উন্নবীয়ু।

Issued by
The Industries Department
Manipur.



"SAFEGUARD YOUR POULTRY BIRDS FROM MALNUTRITION & DISEASES FOR BETTER PRODUCTION"

FEED THEM		Starter Mash for chicks upto 12 weeks	Grower Mash for 12 to 22 weeks old chicks	Layer Mash for birds above 22 weeks
	1	2	3	4
I.	GENERAL GRAINS: Crushed maize/wheat/barley/maize or combined	30 kgs.	35 kgs.	40 kgs.
II.	AGRICULTURAL BY-PRODUCTS:			
	(a) Wheat bran/rice polish or combined.	30 kgs.	30 kgs.	35 kgs.
	(b) Til oil cake/ground nut oil cake or combined.	25 kgs.	20 kgs.	15 kgs.
III.	ANIMAL PROTEINS: Fish Meal/Meat meal silkworm pupae meal or combined.	10 kgs.	10 kgs.	5 kgs.
IV.	MINERAL & VITAMINS:			
	(a) Limestone powder/Chalk powder/Oyster shell powder	2.5kgs.	2.5 kgs.	2.5 kgs.
	(b) Bone meal.	1.0 kg.	1.0 kg.	1.0 kg.
	(c) Mineral mixture.	1.0 kg.	1.0 kg.	1.0 kg.
	(d) Vitablend AB$_2$ D$_3$/Rovimix [20 grams to 30 grams in 100 kgs. of rations].			
V.	Common salt.	0.5 kg.	0.5 kg.	0.5 kg.
	TOTAL	100.00 kgs.	100.00 kgs.	100.00 kgs

Feed requirement :— 4 kgs. per birds from 0 to 12 week.
8 kgs. per bird from 12 to 22 weeks.
40 kgs. per bird per year for layers.

PROTEST FROM MAJOR DISEASES
BY VACCINATION WITH :— 1) R.D.F$_1$ vaccine at 0–1 weeks.
2) Fowl pox vaccine at 6 to 8 weeks.
3) R.D.R$_2$B vaccine at 6 to 9 weeks.

FOR FURTHER INFORMATION : PLASE CONTACT
VETERINARY & A.H. DEPARTMENT : MANIPUR

খোঙখাং

সাহিত্য, সমাজ, সংস্কৃতি, বিজ্ঞানগী থা ৩ গী চেফোঙ

[illegible] খোঙথাং

মঙাশুবা চহি　　১৪ শুবা চেফোঙ　　নবেম্বর '৭৪

চেফোঙসিদা

ইডিটর — সনাজাওবা নাওরিয়া

মতমগা ৫ঙ　　　　　　　　লুপা ২·০০

মতমগি খোঙথাং





কোভর ফোটো

১। পাখঙবা

২। মীতৈগী যন্থ'যবা

৩। গো — ওং (অবিবা)

মিউজিকেল ইনস্ট্রুমেন্ট

কে. ইবোহল শর্ম্মা

সন্মান

লিলেন্দ্র



"নখোয় লুপানা লুপী ঐখোয়গী ইজ্জৎ থজীজ্রিবসি কারগীলো ?
— মমায় মমিৎ ঙাংশং ঙাংই। মখোন থক থক 'লকই।
● অনৌবা মতমগী বাল্লীমচা ইবা লময়ানবশিংগী মরক্তা অইবশিংস্তু অমজি।

তোমাল থবক ফংগ্রে, রা রা লাওই। মুংঙাই-রেদা, — থরন শোম্নে। তশেংনমক থবক ফংলববনে। (চর্চ্চা তৌনিংব) মওংদ ঙাংনরকপস্তু ময়াওই। হন্দক তোমালন থবক ফংবদ থ্বাইদগী চাওথোকচরিবদি মাগী লুপী তরুনীনি।

সহরদগী তাম্ন লৈগ্রবা খুলনি। খুল অহুদ পোকপ তোমালন সহর্র তাম্ন চংল্তুনা থবক থিরুরিব, মাগী চাকথুং থরদং ওইরবস্তু লৌকরিব অহুমক ইজ্জৎ অমনি,— ময়াম্না খম্নে। খুলহুদ মেত্রিক পাস তৌরব মীওই অম'নিস্তু লৈরবনি। থবক ফংদহুন মখোয় মংকোক্কো উংজা পুরীবনি। অহুগ তোমালদি ক্লাস নিপানগুব ফাওবত তমহৌবনি। অহুবু মাগী লুপীতনদি কম্ন ময়েংলি — থবক ফংবগী মতাংদদি মেত্রিক্কী রা লৈতে। অহৈহৈত পরীক্ষা লৌব'নিনা হৈরগ লোয়রে।

শম্ন হায়রবদ খুলগী অহলশিংগী লৈপুং ম্নাকাবদ য়াওনরে। —'নখোয়গী অহু-অদা থঙদে ঐখোয়' খুলসিদস্তু থবক তৌব তোমাল অম য়াওরেদন।'

তোমালখোয়গী ইম্নুংস্তু ম্নাইফরক্লে। তলব চাব ইমুংগী ইজ্জৎ। অহুমক্লি মখোয়গীস্ন। ইবেম্ম তরুনীগী ম্নাকা ঙাইঙমদে, পোৎন হাম্ন লাম্থোরক্কই উথোং ফম্বীশিংন। —শেলদি হয়েং তলব ফংলগ পীরবস্তু য়ানিদা।'

নোংম তোমালন তরুনীদ লুপা তরেৎথক পী।
'কদাইদগীনো তলব ফংথিবদ ঙাইরিঙৈন ?'
'থমহুম থমথিল্লু। তলবকী মথক্তনি।'
'থসুদি থমজিনগনি। কদাইদগীনো হংব'নিদা। অচারমগকা হায়বহু লৈবজাংলো হায়ব।'
শেল চাবগী নত্তে।

য়েংখোম তাদন হ'য়রদো চুম্লেদন। মাদি নংগী থবকসে মুন্ন থ'ই। মানা হয়— য়াম্ন ফবা থবক্নি। তংবত নত্তন অতৈ শেলঙ্গু ফংব জাংনি। অযব গোভর্ণমেন্টকী থবক্নি। ঐদি নোংমত্তবু হংগ্রি। নহাক্কী থবকসিবু কন্নি মমিং কৌবগে? করম তৌবজাংনো?

'এ, নখোয়না খঙবপোৎ নত্তেদা।' তোমালন শোন থাংনন খুম্মী।

'ফনহুম তান চায়ে। লৈকায় মৌ ময়াম চাক চাননী হায়। শেলসে ঐগী ওইজরগে শেম্বাং ওইন-নব। অহুগা, ঐখোযগীদি তলব চাবমিন নত্তোন্দগীসু শেম্বাং লৌগনি হাযবনি।' ইমুং চংন চংন তরুনীন হায। থাঙ্গেশেংব তোমালগী থবক্তি টুল অমদ ফম্লগ কা মচা অম শেম্নবনি। কা'সিগী মনুংদ শকহেনবী অম লৈ। শকহেনবী অমদি মাগী লোযনবোয় সাহেব. বাবু কযাগী সেবা তৌবনি। শকহেনবী অসিগী ফজবা য়াকা য়েংন চৎপনি শকহেনবী অসিবু তোমালন অস্নুক্কী মতিক লুনা অমদি কিন চংচৈ। রাম্ভাং খুদিং 'হোয মেম সাহেব' মাগী পাউখুম। মমিংন হুঙ্গংন ফাও য়েংখম্নে। সাহেব, বাবুশিংন মাবু য়'ম্ন পেনবী। বকশিস চাওনা পী। মসিনি মাগী তলবকী মথক্ত ফংব এলাওয়েন্স।

মাগী ডিউটিদি অযুক্কী পু' মাপলদগীন নুংথিল পুং তরুকফাওবনি। চংলমদাইদ যম্মেন্দ ফম, শকযেং মিংশেল মাঙদ খাল, মাগী নুপীন ফী-রোল পুথো-রক্লগ খোংউপ শেংদোক শেংদোক্লা হায— হন্দক থাগী তলবত্তি নানক্কী অম শাদৌরিনি। লোয়নমক ঐন লৌগনি। না ইহাং হাংন লৈবসে ইমাম্ন'মাদ ইকায়জে।'

তোমাল খোইদোক্ল রা ভাং.দ। মপুক মনুংদ ঈশ্বরবু খুরুমজে মেম সাহেবকা কায়নজদব।

নোংম তোমাল তপনীগ ইশ্কাল কারকই। মেম সাহেব লৈব উরহুন মাগী নুপীবু মফম অমদ ফম-হনম্লগ চংশিন্দুন রারী শারুই। তরুনীসু লাম্লপা উট।

'নগোব নুপান নুপী ঐখোয়গী ইজ্জৎ থম্মীগ্রিবসি করিগীনো?' য়ম যৌঙমদ তরুনীন লম্মীদ হায়রক-পনি।

মমায় মমিং ভাংশং ভাংই। মখোন থক থক 'নকই।

'করিবুনো— !' তোমালন ঙক্লপ।

'এবু নুপীনি খঙল.বাথ মপান. খোক্তে মতাগুম নংন হৌক্তিক রাবী শাকরিবী নুপী অদো ঐ শিৎ-শিৎন খংই। ঐখোয়গী লৈকাযদপীনি। লমচৎ নাইদে ওরুবীগী শাজৎ চংলি হাযবগীদমক মাবু লম অহুদগী তাম্মোকখ্রবনি। অতগ নংন ঐগী মাংমত্তদ —

তোমাল পাওখুম পীদে। তুমিন লৈ।

হৌজিক্তি তোমালগী খোংথাং খুদিং তরুনীন য়েংশিন্নে। মুতিগী মতমদগী খরদং থেংন হুল্লকপাদ মহুগী মরম খিগংলে। যাম্না খোযদো শাওগংম ভাংভি তরুনীন — 'থবক অমসু তৌজরব। মহুগী ইজ্জৎ য়েন্দন ওক্তবিগী মনাক্ত চংব।'

অমংবামদ তোমালদি হুংবংনরে। মেম সাহেবন নাশিঙ্ক্লবদ। 'কারিগুম্ব মেম সাহেবন কম্ন মনাশিন-খ্রবদি' রাখল লুতোন কায। চাব থকপ নিং তাদে। বিড়িদো চম্ম মুথৎল চম্ম মুথৎল ফমুং চংখি।

মমিং মনা উইশিন্দুনা মেম সাহেব থবদং থুন ফগৎলবদিকো হায়হুন হোৎনরি। ভম্ম কায থেন কুম্মকই। বনাগুম্বদ মবম তাকথোক্তে।

তোমালগী হোংলক্লিবা ফীভম অহুন তরুনীবু অমুক্ক হেন্ন খোয়দো শাওগৎহন্নে। তোমাল হেক

উবন চবেং চবেং ঙাংই। কেপ্প লৈতে কবোক পোকপগুম। ঙন ঙাংহুনস্থ তোমালন রাহৈ অমকাও খুমলক্কবহুন অমুক হেন্না পোত্থাকম পীদ্রে তরুনীদো। তোমালগী রাহৈ অমতংদ মচিন পেনবমখৈ থংনবনি মহাক্ত পান্নীব।

'ঙসিগ থা মথায়'ম পুরা ফাজল্লক্রবনিদো। মবাক্ক ফংব শেল পৈশা অমফাও পুশিল্লক্কব। অত্তুবুদি ফরে হুপানি লোয়থোকচরে। থাগী ওলব ফাওবদ শুন পুশিল্লক্করে। এৗন ইমুং অসে পান্নবব কৈদ শোযথিদগে ভাগনে তোংনবদগী নিং নিং নিং পানথং-চরক্রে। অত্তুগ মান হুপানি চম্মীদো। মঙাগুম।' তরুনীন মুকম মুকম শোল্লি। 'নৈ, ইমুং অসে কযা বুহন পানবগে য়েংগে।' মাগী অবোংব রানি।

অত্তুগ মেম-সাহেবকী অনাব অত্তুগ্ন ফংংলকপগী মথোং থংদ্রে। তোমালদো মথনাগ রাব 'হুম হেল-লক্রে। নোংমগী অহিং অমদি মহাক মগুমদ হংদ্রে। অহিং নোংশোযব মিংশেল থাগুহুন মেম-সাহেবগী সেবা তৌহুন লৈরে। 'মেম সাহেব ফগ লক্রবদিকো' হায়দুন।

অশোমদন তরুনী শেম শারি। হেক হল্লকপগ লান তৌগে।

মথংগী হুমিংকী অথেংব অহিংদ তোমাল হল্লকই। রা মচেং'মত ঙাংদে। ফমুদ 'হুম চংখ্রে। তরুনীস্থ মাগী ফমুংদ ঙানিংবমখৈ ঙাংলম্নগ ভুমথখ্রে। তো-মালদি ভুমদ্রি।

মুকম মুকম শোল্লি— অমুক চিঙ্গংলক্লরোয়।

নোংঙাল্লগ অমুক পুং তরা তাব ফাও তোমাল ফমুংদগী হৌগংলক্কে তরুনীন চাক লোয়ন্নরে থবক চংপ মতম ওইরে হায়হুন হৌদোকলুই। থোইদোকপ হোই-মাই হ'যরক্কে।


য়ং্ম তোইনমক হৌদোকশল্লুরগদি হকচাং ঙমদে থবক চংলবোয় হ'যরকই। অত্তুগ হুমিং অত্তুম চাক-লুক মপান্দ থমহুন অচমন্দ তৌরগ তোকই। চাক চাদে।

অস্তুম্ন হুমিং মরি মঙানি চাক মরুমত চাদন কৈংবক্লবহুদদি 'তরুনী মীপাইব পোক্লে। থোইদোকপ অত্তু অদা ঙাং শকপ তৌদ্রে। থোইনহুম হুংশাথীরে। 'কৈদৌববগে।' য়ান্ন তোইন হংই।

কারগুম্বদ কনাগুংন মাগী থবকতুগী মরমদা হং-লাকপ তৌরগস্থ তোনাল মমিঙ মযেংই, পাওখুম পীদে। থর লৈরগদি তোমাল অনাব হায়বহু ওইখ্রে। ফমুংদগী হেন্দ্রে। মরোল থোক্কব মীগুম মমিংন য়েং-বদগী হেন্ন রা-লান অমতস্থ ঙাংদ্রে। মীন হায়নৈ, লাইলং থংদব অনাবনি। তরুনীন খুস্থক-খুনথা চেন্দুন অথও অহৈ কয়াবু য়েংহল্লি। অমত কান্নখিদ্রে, পুন্নক ময়াম চমখ্রে। 'ঈশ্বরদ চংজগদবদ মঙায়রে।' মথোয়গী অরোয়ব রাফম্না।

নোংম হুমিদাংরাই পুং ঝালগ লোইননা তোমালগী থরায় য়াওদ্রব হকচাং অদো পোংলোইনবগীদমক সুমদগী মপান্দ পুগোকখিরম্মী।

●●



● [illegible] ইউনিভার্সিটিগী জিও-লোজিদা M Sc [illegible]। রাজ্য অসিগী হিরম শাক্তদা মাষ্টর [illegible] মীওইনী।

ঐখোয়না লৈরিবা মহাদেশশিং হায়না খংনরবা কংফালগী শরুকশিং অসি মফম অমতদা লেপতুনা লৈতে, কোইচং চংতুনা লৈ। মখোয়শিং অসি অমতা ভাইরম্বা অচৌবা কংফাল লমগী অকাইবা মচেৎ মচেৎনা লাপথোক্লখিহ্নুনা ওইখিবনি।

লাপথোকনরক্লিবা মহাদেশশিং

সনাতোম্বা থোকচোম

লাল্পুনা লৈকবা নত্রগা হৌরুবসু ওইথোক্লোই। ঈশিংনা লাপথোরহল্লবা কংফালগী শরুকশিং অসি অমগা অমগা ফাওদোক ফাওজিন য়াবা লৈবংগী শরুক খবা লৈতনদি মসি ওইথোক্কে। অসিগুম্বা চমম্নইনবা ময়াম অসিগী পাওখুমদি "কন্টিনেন্টেল ড্রিফট" হায়না' খংনবা থিওরি অসিনি। থিওরি অমা ওইনা লৈবন্দ্রী হায়না হায়খি। অচৌবা অমতা ভাইবা কংফালগী লম অসিবু "অলফ্রেদ রেগেনর" না "পেঞ্জিয়া" হায়না মমিং থোনখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হৌজিক্কী মহাদেশশিং অসি উ মচেৎ মচেৎশিংনা ঈশিংদা তাওবগুম "পেঞ্জিয়া"গী অকাইবা মচেৎ মচেৎশিংনা লাপথোক্লখিহ্নুনা ওইখিবনি।

কন্টিনেন্টেল ড্রিফট —

বিহার অমদি বেঙ্গলগী কয়লাগী খনিশিংদা থেংনরকপা গ্লোসোপটেরিস, গঙ্গামোপটেরিসনচিংব। উ-রাগী ফোসিলশিং (হুং ওন্দ্রবা উ রা, শা ওাগী লেমহৌবা মখাক) আমেরিকা, অষ্ট্রেলিযা, আফ্রিকানচিংবগী কয়লাগী মবক্তসু থেংনৈ। মধ্যপ্রদেশতা ফংখিবা মেসোসাউরস শাগী ফোসিল আফিকা, ব্রাজিল, অর্জেন্টিনা, মদগাসকরনচিংবা লমশিংদসু থেংনখি। মাইল লীশিং লীশিংগী ঈশিংনা খাইদোকথ্রবা লমশিং অসিদা মান্ন মান্নবা শা-ঙা অমদি উ-রাগী ফোসিল ফংলিবসি কমদৌননো— পাক্লবা ঈশিংগী ইয়াই

অসিগী মতুংইন্না হৌজিক্কী মহাদেশশিং অসি পুল্লগা অমত্তা ভাইবা অচৌবা কংফালগী লম ওইনা লৈরমবদগী কাইহ্নুনা তোঙান, তোঙানবা শরুক ওইনা লাপথোক্লখি।

নোংচুপ থংবা আফ্রিকাগী সমুদ্র মপানগী ওনখৈগা খ-আমেরিকাগী নোংপোক থংবা তোপ্বানগী ওমখৈগা মান্নবসু উরুবদগী "অলফ্রেদ রেগেনর" (১৯১০) হায়বা জর্মন মীটেওরোলোজিস অমনা মহাদেশ অনী অসিদা মংওনা মহাদেশ পুম্নমক তোর্ব্বান তোর্ব্বানগা য়াম্না নকশিন্নবন্দ্রী অমদি মতম অমদা মখোযশিং অসি পুনশিন্নহ্নুনা অচৌবা কংফালগী লম

ইং ১৯১৫ দা আমেরিকাদগী অফ, বি, টেলর হায়বা অমনা মহাদেশশিং অসি অপুনবা কংফালগী লম অমদগী কায়থনা থোকখি হায়বগী মরমদা লাই-বিক ফেংখি। মসিগী মমাংদা ইং ১৮৫৫ দা শ্নাইদবনা ফোঙখিবা মেপ অনীনা লাপথোক্লগ্রবা মহাদেশশিংগী মরমদ মীয়ামগী পুক্লং খনখৈদ চিশিনহনগ্রবনি। তশেংনা 'কন্টিনেন্টেল ড্রিফ্ট' হায়বা হাইপোথেসিস অসি খোবকাঁখবাদ লাবতব। উাবয়াদা চহী ১৫০ মুক্তা মমাংদা এখানবা 'তালচির বেদ' হায়না খঙনবা অচৌ অচৌবা থুঙাইশিং য়াওবা লেবোন অমা থেংনবগ-পাদগনি। মখোয়দ অমসুং থিঙবান্দনা তাল চবগী মনাক্তা লৈবা চহী ২০০,০০০,০০০ মুক লিববা কয়লা লৈবোনশিংগী মরমদা থিজন খোংচনবগী থবক চৎথবি মচা হৌরিকন (খুদা ঙেনবা উনগী ভুবেল) নংগনা অকোনা চেঞ্জ। ভয়োইদবা থুঙাইশিং কয়লা লৈরোনশিংগা মরাক মরমা খুদাখুদাংখি মাসগী মতু ইকুহ ঋংদনা মধ্য প্রদেশতগু 'তালচির-বেদ" থেংনখি। হায়বিবা "তালচির বেদ" লৈবোন অমসুং কয়লাশিংদুদা ময়াম খিবা অঙৈ উ।। অমদি শাগী ফো-সিলশিংগনা "কন্টিনেন্টেল ড্রিফট" হাইপোথেসিস থোকহল্লকপানা ঙহানবা মচানক খেই অথুগা। মীয়ামদা লাপথোরবিবা মহাদেশশিংগী চশেংবা মমি তাক্তনখিবনা বেগেনর অমসুং টেলরনি।

অলফ্রেদ বেগেনবগী মহাদেশশিং অসি অপুনবা কংফাল লমদগী কায়থবকপা মচেৎশিংনা লাপথোক-নবকপনি হায়বা হাইপোথেসিস অসি জিওলোজিষ্ট অয়াম্বনা যানববগু দুর্চট, বেলি রিল্লিস অমসুং জেফ-রিজনচিংবা খননদি য়ানিংখিদে। মখোয়না যানিংখি-দবগী মরুওইবা মবমদি চাওপ্রবা মহাদেশশিংবু লেং-হনবা ঙম্বা শক্তি পৃথিবীগী মথাদা লৈতবরা হায়না চিংনবা অঙনা ওইখি। দুটোইট হায়বা আফ্রিকান জিওলোজিষ্ট অমনা খা আফ্রিকা অমদি খা আমে-রিকাগী মুং লৈরোনশিং মান্নবা থেংনবদগী বেগেনরগী থিওরি অসিবু শৌগৎলবগু চাওপ্রবা মহাদেশশিং অসি লেংহনবা ঙম্বা শক্তিগী মরমদা চমম্নবা কোকহনখিবনা অথব হোলমসনি। হোলমসকী মতুং ইন্না পৃথিবী মনুংগা কনভেকসন করেন্ট (মনাবগী ঈচেল) চেল্লি। হায়রিবা কনভেকসন করেন্ট অসি পৃথিবীগী লৈন্নদা যাংখিবা বদিও এক্টিভ মিনরেলশিংনা থোকহনবনি অমসুং মশিগী শক্তিনা মহাদেশশিংবু লেংহনবা ঙমই। হোলমসনা মহাদেশশিংবু লেংহনবা ঙম্বগী শক্তি অপথবী মথাদা যান্জবি হায়না হেদেরবগু জিওফি-জিসিষ্ট খবনদি মহাদেশশিং অসি লেংই হায়বসি য়ানিংদে।

চহী তরা ডামুক্তা মমাংদা মহাদেশশিংসি লেংই হায়বা যাবমদবা জিওফিজিসিষ্টশিংনা পেলি ও মেগনে-তিজম হায়না খংনবা লুংদা য়াওবা যোৎচাবীগী পাঙ্গলগী মরমদা প্রিনসিপল (নিয়ম) অমা পুথোকখি। মখোয়না পুথোকপা পেলিওমেগ্নেটিজমগী প্রিন্সিপল অসিনা মহাদেশশিং অসি লেংই হায়বসি য়াম্না কন্না শৌগৎখি। ঈচেল ঈরৈশিংনা পুরকপা সেদিমেন্টশিংদা যোৎকুপকী শবক য়াওবকপা য়াওই। যোৎকুপ য়াওবা সেদিমেন্টশিংসিনা তুংওবা মতমদা যোৎকুপশিংসি অয়াম-বনা পৃথিবীগী মেগ্নেটিক এক্সিসকা পেরেলেল ওইনা লেংথনা লৈখি। অসিগুম্নবা সেদিমেন্টশিংসিনা কন-শন্নকুনা মুং ওনবা মতমদা এক্সিস অদুদা অশোনবা যোৎচাবীগী পাঙ্গল লৈবকই। শিলং, প্লেটু,

মতমগী খোঙথাং

দেস্কনট্রাপ্সনচিংবা ওইরকখিব' মতমদসু পৃথিবীগী মসুংদগী চেপ্তোবকপা অশাবা লাভাশিংনা হংওকপা। মতমদা লাভাদা য়াওবা য়োংকা শরুক্কা পৃথিবীগী মেগ্নেটিক এক্সিসকা পেরেলেল ওইনা লেংখি। মতম অমতদা ওইরবা খবা সুংগাশংনা অবক্কবা মাহকৈ অমতদা লেংদুনা লৈ অহুগা চহী থেম্নরবা সু শিংদি মাহকৈ মাল্লদে। যোংচাবী ওল্লবা সুংশং আস যাম্না মুম্না নেনববা মতুংদ মহাদেশশিং আস হোখবা চহী ১০০,০০০,০০০ দগী লাপথোক্লক্লি হায়বসি খবা ওম্মা।

পোলওমেয়োতজমগী প্রিনসিপলনা রেগেনরগী হায়পোথেসিসস্তু শোগংপদা নংঙনা মাসগী জ্ঞানদা থুমা চাওশনহনখি অমসুং প্রোফেসর কোরিবু অনৌবা রাখল অমা পুথোকহল্লকপা ওমহনখি। হিমালয়, অলপস অমদি রোকিনাচিংবা চাঙ্গাওশিং আসি বেসিনশিং হায়রবাদ চাওনা কুংলবা মফমশিংদা ভুলাখিবা গুঙ্গু, লৈভোহ, লেবাক্লাচিংবা সেদমেন্টশিনা ওইখিবনি। সেদমেন্টাশিংসিনা তুংলখিবা বেসিনশিংসি চুম্না শাংনা লৈরম্মা। অহুবু মহাদেশশিংনা লৈথোক লৈশিন তৌরকপদা চীংশাশিংসিদা কোন (এঙ্গল) শানা অরৈবা থোকহনখি। কোরিগী হাইপোথিসিস অসি পাহরেনিজ অমসুং রোকি চীংদা পেলিও মেগ্নেটিক প্রিনসিপলগী মতেংনা চুম্মী হায়না প্রমান তৌখি। লোইননা মহাদেশশিং অসি লেংই হায়বা য়াহনখি। আটলান্টিক মহাসাগরদগী ফংওকপা অনৌবা মচাক থরনসু মহাদেশশিং অসি লেংই হায়বগী প্রমান ওইখি। মহাসাগর অসিগী ময়াইদা তোর্ববানগা পেরেল্লেন ওইবা চীংশাং লৈ। মসিবু 'মিদ ওসিয়ানিক বিজ' হায়না খংনৈ। অসিগুম্বা চীংশা অসি অতৈ মহাসাগরশিংদসু লৈ। মসিদসু নংঙনা ইন্দোনেশিয়া, ফিলিপাইন মনাক্কী সমুদ্রদা কানাডাগী নেতৃপনচিবা মফমশিংদা থুনা লুববা "সবমেরিন ট্রেন্স" হায়না খংনবা লৈবুংশিং লৈ। ব্রিটিস বিজ্ঞানিক বুল্লার্দনা পুথোকপা সমুদ্র মথাগী লৈমুংদগী থোবকপা অশাবগী চাং ওল্লবা থুংলাই শিজিন্নহনা য়েংবদা মিদ ওসিয়ানিক বিজশিংশিদদি পৃথিবীগী লৈমুংদগী থোবকপা মৈশা চাংগী শরুক অনিদগী নিপাল ফাওবা ওহ অমসুং সবমেরিন ট্রেন্সশিংদদি চাংগী তথাই হৌদে। মসিনা তাকপদি পৃথিবী মনুংদা কনভেক্সন কবেন্ট্র চোল্ল। অশাবা ঈচেল অসি মহাসাগর মথগী চীংশা হায়বাদ মিদ ওসিয়ানিক বিজশিংদ কখং কা অমসুং সব মেরিন ট্রেন্সশিংদনা কুমথখি। হৌরবা পৃথিবী মনুংদা চেল্লিবা অশাবা ঈচেল অসিনা মহাদেশশিংবু লাপথোকহনবগী থবক তৌই। মতাং অসিবাইদা কোরি অমদি অতৈ বিজ্ঞানিক থরনা থাজবম্বা পৃথিবীসি পিকশল্লকই হায়বগী ওম্নবদা বিজ্ঞানিক থরনা পৃথিবীসি পেদিংগ এক্সিপেন্সন থিওরেটিক্সগী পাবকপা মৈশা। মরম ওইদুনে চাংথোকবল্লি মরম নিংগোর অমা পৃথিবী-ববখি। মথোয়গী মতুংইন্নাদ পৃথিবী অহানবা লৈমুংদগী ওইরগনা নংঙ মেগ্নেটিকস হায়বদি থরানিচ মাশিংদগী ওইরকখিবনি মথোয়না চুম্না তাকবদি চহী ২০০,০০০,০০০ গী মমাংদা পৃথিবীগী পাহমেরব অসি হৌজিককীদগী তংখাইদমক ওইবনী। পৃথিবী চাওথোকরকপগা লোইননা অমতা ওইরম্বা কংফাল "পেঞ্জিয়া" চেংথাইবা হৌরকখি অমসুং মতমগী মতুং ইন্না চেংথাইরকপা মফমশিং অসি মহাসাগর ওইরকখি। চেংথাইবা মফমশিংসিদা কনভেক্সন

মতমগী থোওথাং

করেন্টনা লাভা পুখৎলকতুনা মহাসাগর ময়াইগী চীংখাংশিংসি ওইখি। চেংখায়বা মফমশিংদগী অশাবা মুংগী মহি চেনখৎলকপসিনা অনৌবা সমুদ্রগী লৈমাই ওইরকই। মরম অসিদগী সমুদ্রগী লৈমাই অসি নোংম নোংমগী চহীদা সেণ্টেমিটর অমদগী ৮ ফাওবগী চাংদা পাকথোরকলি। পাকথোকপগী চাংসি অবাংথংবা অটলান্টিকতনা চহীদা সেন্টেমিটর অমা অমসুং পেসিফিকতনা চহীদা সেন্টেমিটর ৮ নি। অসুম্না সমুদ্রগী লৈমাই পাকথোক্লকপগা লোইন লোইননা মহাদেশশিংনা লাপথোকবা হেল্লকই।

প্লেট হাইপোথেসিস— মোবগান অমসুং লি পিচোনগী মতুংইন্না পৃথিবীগী মপান থংবা কুযোমসি (ক্রস্ট) লেংবা যাবা প্লেতশিংনা শাবনি। মখোযগী প্লেত হাইপোথেসিস অসিনা মহাদেশশিং লাপথোরবকহ হাযবসিদা খ্বাইদগী হেন্না মপুং যানা অচম্বনি হায়না শৌগৎলি। ব ফালগী লম অমগী মথাদা পৃথিবীগী মন্থং (মেটল) দা মথক্লোমদা থিন-গাহবগী থবক অ-া ভৌবকপদা ক ফালগী লম অসি চেংখাইবকই অমসু মচেংশিং অহু লাপথোরখি। চেংখাইবকযম অসি চাওখোবকতুনা নাকল নাকল-লোমদা শন্দোরকপা মতমদা অনৌবা সাগরগী মফম ওইবকই। অদুগা ক ফালগ' শক্তকনা মাক থংবা মেণ্টলদা তোংহুনা ট্রেন্স সিস্তেমগী মাইকৈদা চংখি। চেংখাইবা অসি সমুদ্রগী লৈহু দা ওহববদি চেংখাইবা মফমদা অনৌবা লৈমাই শেম্মকই অদুগা অবিবা লৈমাই অহুনা ট্রেঞ্চশিংদা মাংখি। লাপ-থোক্লরকপা কংফালগী শক্তক অনিনা ট্রেন্স অমদা পুম্না য়ৌরকতুনা থেংগাইনববদি অচৌবা চীংঙ্গাও ওহু-রকই। মতৌ অসুম্না ইণ্ডিয়া অমদি ইউরেশিয়া থেংগাইনবদগী হিমালয় চীংজাও ওইরকখি, আফ্রিকা অমসুং ইউরেশিয়া থেংগাইনবদগী আলপস চীংজাও ওহরকখি।

লাপথোক্লরক্লিবা মহাদেশশিংগী মরি লৈননা ইন্দিযা

অমতা ভাইরম্বা কংফালগী লম পেঞ্জিয়ানা কাই-রকতুনা খা থংবা মহাদেশ অমসুং অবাংথংবা মহাদেশ ওহলকখি। খা থংবা মহাদেশ অসিবু গোন্দরানালেন্দ হাযনা কৌহ। মসিদা খা অমেরিকা, আফ্রিকা, ভারত, অষ্ট্রেলিযা, মদগ স্বব অমসুং এন্তার্তিকা য়াওরম্মী। খা থ বা অচৌবা মহাদেশ অসি মচেং মচেং কাযহনা লাপথোক্লখিবদগী অমেরিকা, ভারত, আফ্রিকানচিংবা অসি তোঙান তোঙানখি। অষ্ট্রেলিয়া অমসুং এন্তার-তিকা থাইদোক্লখিবনা গোন্দয়ানালেন্দ কাইখিবগী অরোহবা মতা নি। খা থংলা হেমিস্ফ্যয়রদা লৈরম্বা ভারতনা হৌজিক্কী মফম অসি যৌনা লাপথোবকপদা চহী মিলিয়ন ১০০ দগী ৫০ যাওবা চংখি। দেক্কন অনসুং র জমহলগী ভোলকেনিক মুংদা পোলিওমেগ্নেটিক প্রিন্সিপল শিজিন্নহনা। থম্নদা টাটা ইনষ্টিটুট অফ ফন্দামেন্টেল রিসার্স বী ডাক্তর সবসাচী অমসুং ডাক্তর বাপা প্রকাশুথিন মুশিং অসি থাগী লেটি-চুডদ ডিগ্রি ৪০ অসু ৫০ গী মরক্তা হ থরকতুনা পৈশনখিবা মু শিংন হায়বা থংবা ভমখি। পোটা-সিয়ম আবগোন মেথোদ শিজিন্নহনা চহী য়েংবদা মু-শি শি চহী ৬০ দগী ১০০ ফাওবা গুরবা মুংশিংনি হায়বা থংখি। মসিনা তাকপদি ভারত অসি মশাগী হান্না লৈজরম্বা মফমদগী চহীদা সেন্টিমিটর ১০ গী চাংদা লেংডকতুনা কিলোমিটর ১০,০০০ মুক লাপ্না চংলক্লে। লাপথোক্লরক্লিবা মহাদেশশিংগী রায়ী থিজিন ভুমজিনবা হৌজিক্কমক লোয়রিবা বাবীনি। ● ●

মীতৈরোনগী

ইম্পরেটিপ ★

এম. এস. নিঙোম্বা

লোন খুদিংমক ইম্পবেটিপকী নাঙাং রাবেং অসি চৎনৈ। অহুম ওইনমক লোন অমগ লোন অমগ হায়দোকপগী মওং অমদি চৎনবী কাংলোন ক্ষয়াদ মান্নদে। লোন খরদন ইম্পরেটিপকী বাঙাং-রারেং অসি সিনতেক্ষকী (রাকৈপরেংগী হায়বদি রাহৈসিংনা মথং মনাউ নাইন থমহুন সিজিন্নবগী) থাক্ত ফোংদোকই অহুগ অতোপ্পা লোন খরদন মোরফোলজিগী (আয়থ লৈব খাইদগী পিকপা লোনগী সওমগী) থাক্ত ফোংদোকই। মীতৈরোন্দদি ইম্প-রেটিপকী রাঙাং রাবেং অসি মোরফোলজিগী থাক্ত ফোংদোকই।

মীতৈরোন্দ ভর্বকী রুৎত (Verbal root) ইম্পবেটিপ মারকর (ইম্পরেটিপ ফোংদোক্নব রাকৈগী সরুক) তপসিন্দুন ইম্পবেটিপকী রাঙাং-রাবেং শিজিন্নৈ। অসিগুম্ব মাবকব অসি মকওইন মঙাথক শিজিন্নৈ; মখোযসিং অহুন ভর্বকী রুৎ অমদ তপ সিন্নগ পোজিতিপ ইম্পবেটিপ (Positive impe-rative) সেম্মি। মারকর মঙা অহুদি :—

—সি,— উ,— খো,— বো অমদি— সনু নি।

মারকবশিংগী আবথ— আবথগী মতুংইন্ন পোজিতিপ ইম্পবেটিপ মারকরসিং অসি কাংলুপ ৩ থোক্ন খয়দোকপ য়াই। মফদি : প্রপোজল, ওবদব অমদি বহুইস। মখাদ কাংলুপ, মাবকব অমদি আবথগী মতুংইন্ন মথল খাইদোকতুনা উৎলি।

কাংলুপ	মারকর	মথল
প্রপোজল্	—সি	প্রপোজল্
ওরদর	—উ	হুকুব/কোইনদব
	—খো	ভকুসন্ব (তৌনব)
	—বো	কোইনদব
বহুইস	—সনু	বহুইস/ওভঅলুক্

মথক্কী মাবকব মঙা অসি মখোযগী সিজিন্নফমগী মতুংইন্না কাংবু অহুম থোক্না খায়দোকপ য়াই।

* অইবনা তাং ৪ । ১০ । ৭৪ ইংদ লিঙ্গুইষ্টীক সোসাইতি অফ ইন্দিয়া ক্লব, পুনাদ পিখিবা লেকচরদগীনি।
মহৈমগী থোঙথাং

— সি ন থক্তা পসন প্রবল অমসুং সেকন্দ পসন্‌, সিংগুলর অমদি প্লুরল্‌ নম্বরদ সিজ্জিন্‌নৈ।

খুদম্‌ ঃ ঐখোয়সু চ সি।
নংসু চাসি
মখোয়সু চাসি।

— উ, — খো অদি — রো ন সেকন্দ পর্সন সিংগুলর অমসুং প্লুরল নম্বরদ সিজ্জিনৈ।

খুদম্‌ ঃ নং চাউ।
নখোয় চখো
নং চরো
নখোয় চখো।
নং চরো
নখোয় চরো

— সনু ন থর্ড পর্সনগী সিংগুলর অমসুং প্লুরল ফোর্মদা সিজ্জিন নৈ।

খুদম ঃ মা চাসনু
মখোয় চাসনু

নেগাটিভ ইম্পারেটিভ সম্বন্ধীদমক নগাটিভ মারকর অহুম (মরফওইন সিজিন্নব) লৈ। মখোয় অদুদি — গুম, — নু অমসুং — দ — নি। মখোয়সিং অসিগী মবক্ত — গুম অমসুং — দ — দি মথংসিদা পোজিতিভ মারকর — সি অমসুং — সনু গী মমাংদা সিজিন্নৈ।

খুদম ঃ ঐ খোয়সু চাগুম সি।
নংসু চাগুম সি
নখোয়সু চাগুম সি
মা চাদসনু
মখোয় চাদসনু

অদুগা — নু মরগা — নু দি রুট নত্তরগা বেজদা হেক্তা সিজিন্নৈ

খুদম ঃ নং চানু চাগনু।
নখোয় চানু চাগনু।

নেগাটিভ মারকর — দ — দি ইম্পারেটিভ বাক্য বাবে নত্তবদসু সিজিন্নবা যই, অদুগা — গুম অমসুং — নু দি ইম্পারেটিভ বাবে মদমক সিজিন্নৈ।

মথক্ত নৈনখিবা অদুগী সুপচিনব সক্তা মখাগী চাত্মুম ও পনাই।

Person & Number	Positive	Negative	Whether Negative marker restricted to imperative forms only or not
1 Pl 2 Sg, pl	— si	— gum before — si	yes
2 Sg, pl	— u — kho — ro	— nu (–genu) added directly to root or base	yes
3 Sg, pl	— sen u	— de — added before — sen u	No

খোম্লোক ওনব অমসুং পোজিতিপ ইম্পবেত্তিপ মারকয় — উ সিজিন্নব।

ইম্পরেতিপ রাভাং-রায়েংদ খোম্লোক ওনবা অসি মখল অনি থোক্ল খাইদোকপ য়াই :— (১) কৎ মসাদ ওনব (২) সফিন্নত ওনব।

(১) কৎ মসাদ ওনব

চেল্ + সি = চেন্সি
চেল্ + খো = চেন্খো
চেল্ + লু = চেল্লু
চেল্ + সন্ন = চেন্সন্ন

(২) সফিন্নত ওনব

সিল্লবলগী মওং মতুংইন্ন ভর্পকী কৎসিং অসি মখল অনি থোক্ল খাইদোকই। CV গী মখল অম অমসুং CVC গী মখল অম (C ন Consonant অমসুং V ন Vowel হায়বনি)।

খুদম :

CV—		CVC—	
পি	pi	নপ্	nep
কে	ke	চত্	cet
পো	po	কক্	kok
পু	pu	তম্	tom
পা	pa		

অসিনচিংব

CV গী মখল— পোজিতিপ ইম্পবেতিপ মাবকব — উ অসি ভাউঅল 'আ' গী মথাদ নত্তন অতৈ ভাউঅলসিংগী মথাদ তপাসিনব য়াদে। 'আ' গী মথাদসু — উ গী খোম্লোক অহু সক্লক খব মাংখি।

CVC গী মখল— সিল্লবল মখল অসিদ পোজিতিপ মারকয় — উ অমসুং — য়ো অনি অসি খোন-থোক ওল্লি, অমসুং অতৈ মারকয়সিং হায়বদি —সি, — খো অমসুং — সন্ন দি খোম্লোক ওন্দে। — উ ন কৎ অমদ হেক তপসিনবদ মাগী থংনব খোম্লোক অমসুং মাম্লব অমসু খোয়কই। অদুমওইনমক থংনব খোম্লোক অদুন 'ত' ওইববদি 'ত' অমমুক খোয়কপগী মহুৎত 'ল' ওইগনি।

খুদম :
হায + উ = হাযয়ু
তম্ + উ = তম্মু
কপ্ + উ = কপ্পু

অসিনচিংব

চত + উ = চতলু (চৎলু)

পোজিতিপ মাবকয় — য়ো দ য়াউরিব 'য়' অসি মখল কযামকম থোক্ল ওল্লি। 'ত' ন লোয়ব কৎকী মতুংদ — বো তপলবদি 'ব' ন 'ল' ওই, 'ক' ন লোয়বগী মথাদ লাকলবদি 'য়' গী খোম্লোক মাংডি, 'য়' ন লোম্মবদি — বো গী সকতম বাইদন লৈ, অমসুং অতৈ মক্কমদদি কৎকী অবোইব খোম্লোক অমসুং মাম্লব খোম্লোক্ত ওনখি।

খুদম্ : চত্ + য়ো = চতলো (চৎলো)
কক্ + বো = কক্ও
হায + বো - হায়য়ো
তম্ + বো = তম্মো
তঙ + বো = তঙ্ঙো

অসিনচিংব

মথাগী অসুম্ন স্নপচিনন উৎপ য়াই।

	হায়	কক্	তম্	কপ্	তঙ্	চেল	চত্
—উ	—য়ু	—উ	—মু	—পু	—ঙু	—লু	—লু
—য়ো	—বো	—ও	—মো	—পো	—ঙো	—লো	—লো

মোরাউফা মায়কয় —গুম অমসুং —ফ— গী গ, দ খোজহাক অমি অমি প, ত, ক, হায়ব খোল্লোক লোয় ক্ষকী মখায় লাক্লবদি ক, ত গী খোজোক ওয়ি।

খুদম : চক্ + গুম্সি = চত্কু-সি

নপ্ + গুম্সি = নপ্কুম্সি

[illegible] + [illegible]সি = [illegible] সি

[illegible]প্ + দসমু = [illegible]প্তসমু

চত্ + দসমু = চত্তসমু

লাক্ + দসমু = লাক্তসমু

নুংশং: পাইলস

(হিমোরয়েড্স)

ডাঃ টিঃ শান্তিকুমার

এম, বি, বি, এস (ভোপাল)



ঐথোয় মীওইবগী অমাংবা চৎকম থীরিনগী অবোইব শরুক অমসুং অমাংবা থোকফমগী মহুৎদা লাইহৌন ওইনা কুপ্হুনা লৈবিবা সপ্রাম (মেমব্রেন) অমসুং মসিগী মথক্থংবদা লৈবিবা ঈ উতো শিং (ভেন) অসিনা কারিগুম্বা মরম খবদগী খোইড্রিং খোইড্রোং তৌরকহুনা মশিন লাওখোবক্লবা অমসুং মখোযসিনা মপুন মপুন পুনশিল্লক্লপা অসিপু নুংশং হায়না থংনৈ।

নুংশং চাওরাক্লা অমাংথোংগী মহুং মপান্দা ইংবগী মতুংইন্না মথল অনিথোক্না থাইদোক্লি।

—মহুংদা লৈবা নুংশং

—মপান্দা লৈবা নুংশং।

করম্না. কারি মরম লৈদুনা নুংশং থুংলকপগে?

নুংশং অসি কারিগুম্বা লায়না নত্রগা কনদিশন খরগী মথা পোল্লুনা ওইরকপসু লৈ। খুদমদি :—

(১) থীরিনগী কেনসরনা নাবা মীদা নুংশং থুংবা য়াই। (২) গর্ভ পুবিবা নুপীদসু নুংশং থুংবা য়াই। (৩) করিগুম্বা মরম খবদগী ঈশিং চৎপা য়াদহুনা ঈশিং চৎনবা হায়দুনা কয়া শংদুনা হোৎনবা তাশিনসু নুংশং থুংবগী চাং হেনগৎহল্লী। (৪) ভেন্স ঈগী প্রেসর হেনগৎলকপগী লায়নাদসু নুংশং তৌগল্লী।

পাবি পুবিদগী ওইবক্লবা :— ইমুং অমদা নুংশং থুংবা মী অমা য়াওববাদ ইমুং মহুংগী অতৈ মীশিংদসু মসি তোক্না তৌগল্লি। মসি পোকপদগী তৌনা ভেনসিংশি মপাঙ্গল শোল্লকপা অমসুং অরুবরিদা ঈ কা ক্রেম্না চেনশিল্লকপনল্লি। খোৎনা কপালক্ত ভেরিকোজ ভেন লৈরবদি নুংশং লৈবগী চাং হেনগৎ-হল্লী।

[illegible] থাইদোকপগী মতুংইন্না :— থীবিনদা লৈরিবা ভেনশিংশি য়াম্না কোয় [illegible] [illegible] লৈখরগা [illegible] [illegible] অমুক চংশিনখী। [illegible] মাইকৈ মতমদা [illegible] ভেনশিংশা চপ-শিল্লকহুনা প্রেসর অমুক হেনগৎহল্লকই অমসুং [illegible]

লাওথোরকই। মসিগীস্থ মথক্কা মফমসিদা লৈরিবা ভেনশিংশি ভালব য়াওজবনা মপাঙ্গল অমুক্কা হেন্না শোম্থহল্লী।

মোরকোলোজিকেল :— মখোং ৪ পানবা জীব শীংদি গ্রাজুভেতিনা ভেনগী ঈহু থম্মোয়দা হল্লকপদা মত্তেং ওইব নস্তনা ঈচেলদা অপনবা পিরুদে। মীওই-বদি ময়েপ্পা য়ুনা চংপা জীবনিনা ভাকলো য়াওব্রবা ভেনদা য়াওরিবা ঈগী প্রেসর রাংনা লৈ।

অমাংবা লিকপা :— খোং হাম্ব য়াদবা মীদা মুংশং তোয়না থুংগল্লী মরমদি অমাংব চংখিনব হায়হুনা কয়া শংবদা প্রেসর অমুক্কা হেনগংহল্লী।

দায়বিয়া, দিসেন্তরী নারবা নত্রগা অমাংবা চংনবা হাযত্নুনা অকনবা হীদাক শিজিন্নরবদি মুংশং তৌগল্লী।

চহি মতাং :— নহাশিংদনা মুংশং অহুগা অহল শিংদনা কেনসর তোয়না তৌগল্লী।

লায়নাগী লায়োং খুদমশিং

মাংবা মতমদা ঈ য়াওরকপা অহুগা নাবদি নাদবা অসিনা খাইদগী হানবা লায়না অসিগী খুদম্নী। ১ বদি ঈশি য়ামদনা মচু ভাংনা য়াওরক্কনি। অহুগা কেন-সরগী ঈদি মুশনবা হেল্লী। ঈ অসি খোং হাম্নীভৈদা অমুক্তং কাপথোবকতুনা অমমুং খোং হাম্বগী পাট অহুদা ভাংশং ভাংনা তৈহুনা লৈবা উগনি। অম্নুয়া লায়না অসি থা কয়া নত্রগা চহি ১ । ২ লৈবা য়াই। মুংশং অসিনা অমাংথোংদা থোরকপগী মতুংইন্না মতাং অহুম খোক্সা থাইদোক্সী :— (১) অহানবা মতাং— খোং হামলিভৈদা মুংশং থোরকতুনা মিকুপ খর লৈরগা মথক্ত চজখিবা (২) অনিশুবা মতাং - মুংশং মপান্দ থোরকপা অমমুং খুংনা ইনশনত্রিমথৈ চংখিদবা অসিথু অনিশুবা মতাংগী মুংশং কৌই। মতাং অসিদদি মুংশং মাংলিভৈদদা থোরকপা নংগুনা য়াম্না য়ারবা। চোকথরবা মতমদা ফাওবা থোরকপা য়ানা লৈ। (৩) ৩ শুবা মতাং অসিদদি মুংশং অসি অয়াম্বা মতমদা মপান থোবকতুনা লৈ অহুগা অনাবা মীদম্ব য়াম্না মুংভাইতনা পোক্কই।

প্রোলাপ্স (ফিভম কায়থক্কবা, মপান থোরক্লবা) তৌরবা মুংশংদদি অনংবা নপ নপ লাওবা মহি (মুক্স) যাম্না ফাইগন্নী, অহুগা অমংথোং ময়াদা মুংভাইতবা হাকচবনংবা তৌগল্লী।

শমলপ্প। মুংশং থুংবা মী অমনা তৌরবা য়াব। কমপ্লেনশিংদি

খোং হাথদা নাদি নাদনা ভাংশং ভাংবা ঈ য়াও-রকপা।

খোং হামলীভৈদা অমাংবদি নত্তবা করিগুম্ব অমা থোরকপগুম হকচাংদা ফাওবা অমমুং অনাংবা মহি য়াওরকপা।

অমাংথোং ময়াদা হাকচবা থাওবকপা।

অনাবশিন' যাম্না কুইরবা ওইহুনা লুশল্লরবা মতম-দদি অনাবা ফাওরকপা যাই।

অনাবা য়েংবা

মপানগী মুংশং ওইরবদি মুংশং লৈবা মফম অহুগী উনশা অহু শুপচনবা, চিংশিনবা ওইনা উই। অহুগা মমুংগী মুংশং অহু প্রোলাপ্স তৌব্রবদি চুম্নগী মিংনা উবা ঙমদে। অহুমওইনমক অমাংবা থেম্নীভৈদা মমুংগী মুংশংহু মপান্দ হাইফেৎ থোরকতুনা উবা য়াই।

খুদোম্বীনা থিংজন্দুনা য়েংবদা য়াম্না চাওবা নত্রগা কনশল্লক্কবা (থোমবোস) মুংশং নত্রগদি পাইহুনা খংবা ঙমদে।

প্রোলাপ্স তৌব্রিবা মমুংগী মুংশংবদি প্রোক্তোস-কোপ্পী কৌবা মহুং য়েংনবা থুংলাই অমগী মতেনা উবা ফংই।

খুনম্বগী লায়েং

ফুংশং অশিংঅরিগুম্বা লায়না অমগী লায়েং ওইনা তৌরবদি থোং হাম্বা মুংঙাইহনবা হীদাক চাবীগদবনি অমসুং প্রাইমারী ডিজিজ অহু ফনবা লায়েংগদবনি।

ইনফ্রেম তৌরবা অমসুং মতম চুপ্পদা প্রোলাপ্স তৌহনা লৈরবা ফুংশং অহুদি গ্লিসরিন এসিদ তেনিক্কা তোয়না ড্রেসিং তৌগদবনি।

অহানবগী মতাং অমসুং ফুইশনখিদ্রিবা অনিশুবা মতাংগী ফুংশংদি সি, সি, ৩ নত্রগা ৪, ৫% ফিনোল ইন অলমোন্দ ওইল ফুংশংদা ইনজেক্সন তৌগদবনি।

পাইলেক্সকী মলম অমসুং গুলিমসু অহানবা অমসুং অনিশুবা মতাংগী ফুংশং ফবা ওম্মী (হীমাংলায়া ড্রেগ পব্লীকেশন) অতৈ কম্পনীগী হীদাক কয়াসু পুথোরক্লী।

সারজরিকেল (হীমোবরোইদেক্তমী) ফুংশং অহু ওপরেসন তৌবগা লৌথোকপা অসিনা অনি অমসুং অহুমশুবা মতাংগী ফুংশং ফজনা ফবা ওম্মী।

চাওথংলকপগী মতুং ইন্না হীদাক্তনা অমসুং ইন-জেক্সন্তনা ফবা ওম্নবা বিসার্চ কয়ামক্কম তৌরি। ●●

ইমুং মনুং অমদি অঙাংগী পার্সোনেলিটি



থাংজম শামুঙৌ

পৃথিবীদা লৈবিবা মী পুম্নমক্কী পার্সোনেলিটি অসি অমতা মান্নদে। অসিগুম্বা মান্নবক্তবগী মরমদি মীওইবগী হেরিদিতি অমদি ইনভাইরোন-মেন্ত .কয়া অসি থেম্নবদগীনি। ইমুং মনুং অমদি যুমলৈ কৈরৈ হান্নবসি অঙাংশিংগী হেরেদিতি অমদি ইনভাইরোনমেন্ত পুন্না ফংবা মফম অমনি। অতোপ্পা অসম্বা রাহৈ অমরোমদা হায়রগা মীওইবগী তোঙান তোঙানবা পার্সোনেলিটি ওইরকপগী মওং অসি মমা মপাগী ইমুং মনুংগী চৎনবী লোনচৎ অহুগী মতুং ইনবনি।

মমা মপাগী মিৎয়েং :— মমা মপাগী মচাশিংদা য়েংবা মিৎয়েং অমদি নাঙথোক অসিমক মীওইবগী পার্সোনেলিটিদা থাইদগী মরুওইবা অমনি। মমা মপাশিংগী অঙাং লোয়নবগী চৎনবী অসি অমতা মান্নদে মবম অসিনা অঙাংশিংগী পার্সোনেলিটি মান্নরদ্রি-বনি। মমা মপাশিংগী মনুংদা কনানা মচাশিংবু য়াম্না লুনা চান্না তৌবগী মওং উৎপা, কনাগুম্বনা ফুংশিববসু ফুংশিবা উৎথোকপা হৈত্তবা, কনাগুম্বনা থোইদোক্না থৌশারুবা য়াওদবা, কনাগুম্বনা মচাশিংনা হায়রিব-মখৈ য়াবা কনানা ইয়া যাগন্দবা অমদি কনাগুম্বা অমনা য়াম্না ডেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা মচাবু লোইনব অসি ঐথোয়না সমাজদা তত্তনা থেংনরি। অসিগুম্বা থেম্নরিবা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা অঙাংশিংগী পার্সোনেলিটি অসি অমগা অমগা মান্নবদ্রিবনি।

ভদুবু মমা মপান অদোং য়োকপগী মওং অসি অথং অহৈশিংগী পোৎতা শরুক ও থেক্রা খায়দোকপা থে নৈ।

অহানবাঃ অভাংনা পাম্বা অযাম্বদা মপা মমানা যাবীবা অমদি য়াবীদবগী চাং।

অনিশুবাঃ মমা মপাশিংনা কদায় ফাওবা মচাশিংবু ভাব শেনবা অমদি কোমথোকপগী চাং।

অহুমশুবাঃ মমা মপাশিংনা কদায় যাওবা মচাশিংবু ইমুং মনুংগী থবক থোওং কযাদা শরুক যাবা ফংহনবা অমদি অভম্বা উৎতুনা অভাংশিংবু লাকপা ওম্বগী চাং অসিনি। অসিগুম্বা মমা মপাগী নাওয়োক অমদি অভাং লোয়নবা মওং খেন্নরকপা ভসিদগী মথল কয়াগী পার্সোনেলিটি ওহরকতুনা সমাজদা অফ ফত্ত অমদি অকায় অতোই কয়া য়াওহল্লি।

ঐখোয়না উবিবা য়াম্না তমথিবা এগ্রেসিভ ওইবা পার্সোনেলিটি কাংলুপ অসি পোকপদগী য়াওবকপা অমদি লাইনা তমলকপা নত্তে— মহাক্না ইমুং মনুং অহল লমন অতুগী নাওয়োক নাওকোন ব দগী ওইরকপনি। অসিগুম্বা তমথিবা এগ্রেসিভ ওইবা পার্সোনেলিটি অসি মকওইনা অহল লমনগী মনুংদা লৈবচৎ নিঙোম নাইদবা অমদি থৎন চৈনগনব ইমুংগী অভাংশিংদগী অয়াম্বা ওহরকই। অতুগা লোয়ননা মমা মপাগী মুংশিনবা মরি ৱাৎপা মখোয় অনিগী জ্ঞান তানবা ৱাৎপা অমদি মমা মপা ওইবগী মচাশিংদা চৎকদবা মখৌবাৎপা কয়া অসিদগীসু ওহরকই। অসিগুম্বা লোনচৎ অসিনা অভাংশিংবু নিংবা কায়হনবা মচাশিংবু মীবাইবিবা মচাশিংগী অপাম্বা অমদি পামদবগী পোইরৈ যেংবিদবা কয়াদগীসু তমথিরবা পার্সোনেলিটি কয়া ওইবকপা য়াওই। মরম অসিনা লমহেল্লবা ওইবা অঙাং শিংগী থোলাইডিদা মমা মপাগী মুংশিবা ফংলকখ্রবা মতম শানা মিংবা কায়রকপা অমদি মমা মপাগী য়াবিকম খোকপা কয়া য়াবিরকবা ইমুংদগী ওইরকপনা অয়াম্বনি।

কিগমবা অমদি মীয়ক মীচনথি ওইবা মখলগী পার্সোনেলিটি অসিসু মমা মপাগী মচা লাকশনবগী মওং শোনবা অমসুং হেঞ্জিন্না লুনা চাম্না (ওভরপ্রোটেকশন) তৌগনবা মওং কয়ামরুম চাদদগী ওইরকপনি। মাহৈক অসিদা থিজিনবা অথং অহৈ কয়ানা হেঞ্জিন্না লুনা তৌরম্বা অভাং কয় অমসুং মমা মিশিং কয়গী অভাং নাওযোক অমদি তুংদা অভাংনা ওইরকপা পার্সোনেলিটি মওং কয়া শুগাইনা উৎলি। মীতৈবোন্দা হ যবগা কিগনবা অমদি মীয়ক মীচনথি ওইবা অভা অয়াম্বা হেঞ্জিন্না লুনা তৌববা মমা মপাশিংগী নাওয়াক্সী মথা পোল্লকপনি। মরম অসিনা অভংবু মুংশিববসু কা হেন্না অভাংদা উৎথোকপিদব মশাগী নিংতম্বা খবা খন্দনবা য়াম্বদবক ব ওই। চাংবৰা তবু য়াম্না কেথোকহন্দুনা অমাদ নাইহন্দুনা পোবী পন্থীবা অমসুং চিংনন চাব্রবা কাম্বা খোম পীংকপ অমদি পম্বীবা থত্তে। মসিনা অভাংগী নিংতম্বা অমদ মশাগী ওইনা থিজিনগদবা কযাগী শক্তী ৱাংতল্লি অমসুং অতুগুম্বা শক্তী অতু কাজিন্দুনা থম্বদগী কিথি কিরুম তৌবা ভাষ্ববাদ মীয়কমীচনথি ওইবা পার্সোনেলিটি কয়াসু ওইরকই।

ডাঃ মাকলেলন্দগী রিসার্চ রিপোর্টা অসিগুম্বা অভাং কাংলুপ অসিগী থুদম পিরি। অভাং কাংলুপ অনি অসিগী মনুংদা কাংলুপ অমনা য়াম্না ওভর প্রোটেক্তিভ ওইবা হায়বদি অভাংনা চাবা থকপদা মতমগী খোঙথাং

মশানা ওজ্জবা। যাবশী চহি মতাং যৌবৱা ফাওবা চাক ইনখিবা মশানা ফি শেংচবা য়াংবা ফাওবা মমা মপানা শেংপিবা কাংলুপনি। অতোপ্পা কাংলুপ অমনা মশা মতোমতদা পংথাক থাজোকপা হায়বদি চাবদা থকপদা ফি শেংপদা মতোমতা তৌহনজবা কাংলুপনি। হায়রিবা কাংলুপ অমি অসি অহানবদদি মমা মপানা শেঙ্খীবা শিক পিথক তৌবা কাংলুপা চংথোকপদা অমসুং মফম অয়াম্বদা ফবা হেল্লি। অদুবু মমৈথংদদি মশা মতোমতদা থাদোকপা অঙাংশিনা নোংম নোংমগী ফবা ফ্লেনগংলকপা থবক্ত শৈনিংবা হেল্লকই।

মফম অযাম্বদা ক্রেশশ্না লুনা তৌবা অঙাংশিংগী পাসোনেলিটি অসি হায়বা ইনগনদবা, যাম্না থুনা শাওগনবা, ফা হেন্না মী অতৈদগী দিমাগু তৌগনবা মীওই ওইগল্লি। মবম অসিনা মহাক্কী চহি লংগাগী মরুপ মপাংদদি য়াম্না ডোমিনেট হায়বদি মথক থোংবগী মওংদা থোদানিবা অমদি তম্মথিবা কবা ওইগল্লি। অসিনা মবম ওইহুনা ওভরপ্রোটেক্তেদ ওইবা অঙাং অয়াম্বা মহাক্কী চহি লেংগাগী মরুপ মপাংশিংগা তিন্নবা য়াগনদে, অদুনা ইমুংদা তোযনা লৈগল্লি। যুমদা লৈগনবা অমদি মমা মপাগা তোইন লৈনিন্নবা অসিনা মবম ওইহুনা অসিগুম্বা অঙাংশিং প্রাস স্কুলগী লম-বীদদি মখোগনা প্রি-প্রাইমারী অমদি মিডল প্রাই-মারী লেভেল ফাওবাদ অতৈ অঙাংশিংদগী যবা হেন গল্লি। অদুবু অবাংবা শিক্ষা অমদি থবক্কী লম্বীদা সেল্‌ফ এক্সপ্লোদিবেনগী শরুক য়াংলকপা মবন্না মীয়ামঅমুম খবা খন্না হন্দ্রককই। অদুম্না তেঞ্জিন্না লুনা চান্না তৌবদগী নবাংহন্দুনা অঙাং কয়া মীয়ক তিনবদা কিখি বিকম্বা, থবক্তা ইচংথোবা বাংপা, অংৌবা মকওইবা থবক থৌওং কযা মাযোক্লবা ওম-গনদবা অমদি লুচিবগী মগুন য়াংপা কযা তোযনা ওইগল্লি।

পোজেসিপ ওইবা মমা মপা অমদি ডেমো-ক্রেটিক ওইবা মমা মপাগী নাংযোক্কী মথাদা চাওরকপ অঙাংগী পার্সোনেলিটিসু যাম্না থেন্নে। অহানবগী অসিদ চাওবকপা অঙাংশিংদি থৌনা য়াম্না য়াংকল্লি মশাগী ওইবা য়াথল লৈবা ওনজদে অসুম্না ডেমো ক্রেটিক, অমদি রিজেক্তেড ওইরবা যুমলৈ কৈরৈদগী ফাংবা যৎতবা হেল্লি। অসুম্না পোজেসিভলী ডোমি-নেট তৌবা অঙাংশিংদি মতম অয়াংবদা মমা মপাগী মতেং যাওদনা থবক তৌবা ওমগনদে অমসুং মমাগা লাপথোক্লবদা যাম্না চাওবা অরাবা অমা ওইজে।

অসিগুম্বা অঙাংশিংনা স্কুলদা অহানবা ওইনা চংপা ফংওবদা মমাদগী লাপথোক্লবদা লাও-খাংহুনা কপ্পনা কোংগাইনি।

অদুম্না ইমুং মনুংগী চযবাদ মমা মপাগী অঙাং লোযনবগী মংং থেন্নবকপা অসিগী নতিক অঙাংশিংগী পাসোনেলিটি মান্নরক্তে অমসুং অনগা অমগা থেন্নবকই।



● রাইটব অসি ইডুকেসন ডিপার্টমেন্টকী সাইকোলোজিস্ট হৌজিক হৌজিক ওইরি। থা মাপলগী কোর্স অমসু ডেপ্লোমা চংখুরবনি।

অশেংবা-সাধু (চেংচংবা)

মহাক লৈবনা লৈবাক্কী অফবা ওইবা, মানা লৈবনা লৈবাক্কী অমাঙবা ! মরম চাদনা আইনগী রাংমদা হাংখিবা পৃথিবীগী অফাওবা মীওইশিংগী মন্নুংদা অব্রাহম লিনকোন, যহন-এফ কেনেদী, মহাত্মা গান্ধী, মারটিনলুঠর কিংনচিংবা কয়ানি। মখোয়গী ফিদম্ন-ক্কম ওইরবা থবক রাথল কয়া মীওইবনা শোন্নরী। অহুবু য়ুম্নুপাপাভনা সাধু চেংচংবা রাসপুটিনবু হাংখি-বদি লৈবাক্কী য়াইফনবগীদমক্তনি। মহাক্কী পোক-পদগী লোয়নরক্লবা অঙকপা মগুন কয়ানা রসিয়াগী ইকোন-কোম্না পানখিবা নিংথৌ নিকোলাসকী (অনি-শুবা) মতম লোইশিনখিহুনা বোলশেভিক রীভোলুশন লাকখিবগী মরম অহুগা মহাক্লা কদাযফাওবা শকক যারম্বগে হায়বা অহু ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরমদে। মহাক্কী ইশ্বরনা ,পিথোরকপা গুন কয়া অহুবু লান্না শিজিন্নবদগী লৈবাক্কী অমাঙবা ওইরকতুনা লৌতুনহুনা হাংখি।

গ্রিগোরী রাসপুটিন অগৈকী তাং ৭ ইংশোক ১৮৭১ দা সাইবেরীয়াদা লৈবা পোক্রোভ্সকোদা পোকখি। মহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্কী ময়াম্বা ‘মিসা’ তুরেন্দ ইরাক্রবদগী কন্নবা হোৎনবদা শিরম-পদবদগী রানা হিংখি। অহুবু ‘মিসাদি’ কনবা ওমখিদ্রে। অমুকহু অঙাং ওইরিঙৈদা সগোল হুরাল্লি হায়হুনা অয়ানবা মরান অমা শিজিনবীখি। লৌমী মচা অমগুমা রাসপুটিন পাথং ফায়ক্রে। মহাক য়ু অমস্নুং হুপীদা নকসিন্না হৈনবা মীওই অমা ওইরমই। মহাক ডুব্রোভিনাগা ইং শোক ১৮৯৫ দা লুহোংহুনা মচাম্নুপী অনি অমস্নুং মচা মুপা অমা মথং মথং পোকখি।

নোংমা মহাক্লা লবুক্তা থবক শুরিঙৈদা অঙকপা থৌদোক অমা থেংনখিবা অহুনা মহাক্কী পুন্সিদা অহোংবা লাকখিবনি হায়বা য়াই। লৈচিন-নোংফাই থাংদবা হুমিং অহু মহাক্লা লৌ খোইরিঙৈদা মুংশিংকা লেংযননা ময়ামগী খোঞ্জেল অপুনবা অমা তারমই। মহাক্লা লৈথোকতুনা য়েংবদা মুস্নীগী মুর্ত্তি লৌবরা লাইরেম্বী অমনা মঙোন্দা অতিযদগী য়েংথবকলমই, থঙতৌদনা মথুৎতগী লাঙ্গোন ভাখিরমই। ইকুই কুইদনা হুমিংকি মঙান্দা মুর্তি অহু মাংখিবমই। কিবনা মশা নিকলবা রাসপুটিন খুদক্তা থাজখিবদি— “ঈশ্বরনা মহাকপু সংসার অসিদা মরম খরগীদমক্তা থাবকপনী, নোংমদি ধর্ম্মতত্বগী ওইবা মরমদগী মহাক্কী মৈশা লাংলবা যুম থাদোক্লনী।”

ইং শোক ১৯০৩ দা মশাগী চহি কুমথ্রাহুমদোই শুবা মতমদা ভরখোতরগী মোন্নাষ্টরীদা লাই তিন, ধর্ম্ম-তত্ববু নৈনবা কলেজগী ছাত্র জেখোরোভসকিগা উন্ন-রুবদগী মহাক্কী পুন্সি অহু পুমহোং হোংখি। মোন-নাষ্টরী অহুদা রাসপুটিন্না ধর্ম্ম মতপু য়েংখিবা মওংগী দোকটিন খিলসটি হায়না খংনবা অমা হৌদোকখি। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ধর্ম্মগা ওন্ন-তৈনবা রাখল

মতমগী খোঙথাং

রাসপুটিন হাৎপা

নবকুমার য়ুম্নাম

মহাক্না মীপুম খুদিংদা শনদোক্রে। মহাক্কী হিপলে-টিক্কী (মীং শক্তী থবনা ওমহুনা ঙাং শকপা) শক্তীনা তাম্নিবা মীপুম খুদিংমক থাজরমই। মহাক্না হায়খি —"ঈশ্বরনা ঐঙোন্দা শেংলবা মচাক অমা পীনবীরকই অদুনা ঐ তনা নখোয়বু কনবা ঙমগনি, নহাক্না অয়ান-খুবম য়ংনবগী লম্বীদি ঐগা থবই হকচাং য়াওনা তিন্নবা। অচুম্বা ধর্ম অদু এঙোন্দগী চৎথ্রবা অমুতনা পাপপু মাংহনবা ঙম্নবগী অচুম্ব মঙালগী তৌরকফম ওইগনি।"

মশক মতৌ য়জরবী মুপী কয়া পুনশিন্দুনা উমগী ময়াইদা উ বানা মৈ হৌত্তনা জগোই হৈশে শাহুনা শনতুনা লংঙবা মনিং গন্থগা লাও খে হুনা লাং-বকখি ঃ—"পাপ মশানা কে'কাচৌ, পাপ্পুনা অবান খুবম ফগনী।

অহানবদা পোক্রোভসকোগী লৌউবা প্রজাশিংনা রাসপুটিনবু য়ু থকপা অমস্থ অতৈ পাপনা যোম্নবা মীওই অমনি খন্দুনা, মুপীশিংগী মপুরোইবা অমস্থং মমা মপাশিংনা মহাকপু লমন খুম্নবা চংশিল্লকখি। রাসপুটিন্না মখোয় অহবু লংলবা মমিং অহুগা মখুৎ থাংগৎতুনা চংশিল্লকলিবা মীয়াম অহুদা তমথিবনা খোঞ্জেলনা "মফম অসিদা থা অহুম চুপ্না নোং তাগনু" হায়না শাপ তৌরম্মী। অদুমক থুংলমই। মতুংদদি মহাকপু অশেংবা সাধু লাইওম্বা মীনি খন্দুনা মহাকপু মীয়াম্না মীংচৎ শন্দোকখি। মতুংদদি মহাকপু সহরগী মীপুম খুদিংঙ্কা থংনবক্রে। মতম খরা মহাক্না তীর্থ থা ৭ বীদমক্তা অথোস অমস্থ জেরুসালেমদা চৎ-লমই অমস্থং ধর্মগী লাইশং কয়াদা ধর্মগী লাইরিক বয় নৈনরম্মী।

মথ দা মহাক্না পেটরসার্গগী একাদমী ওফ থিও-লেজীদা লাকাখ অমস্থং মফম অদুদা লৈবম্নিবা ছ ত্রশি অদুনা মখল মখলগী রাইং বাসপুটিন্দা হংখি। বাইংশিংগী পাথেুম চপ চানা পীবদা বেষ্টব অদু পুম-ঙক ওকখি। অদুতনা মরম ওইদুনা জগা খুদিংমক্তা মংক্কী ... চৎ শন্দোকখি। যিওকন, "বেষ্টব" অমা ওইবতা নৎতনা ধর্মগী ওইবা অচুম অবানগী বায়েনবা নিংথৌগী মরুওইবা মীশক অমনি। মহাক্না বাসপুটিনবু নিংথৌগী থাইদগী মরুওইবা হারমোঞ্জেন সাবাটোবকী বিসোপ অমস্থং ধর্মদা, রাজনিতীদা খং হৈববা হপি-ওদবগস্থ শকথং মাইখংনখি। মতৈদা বাসপুটিনবু হাৎননবা থৌদোক অমথক হোৎনখি।

যিওফ মা নিংথৌ অমস্থং মহারাণীগী অঙাং ওই-বিবা মচাম্নুপা অদু পোকপদগী লাইনয়রুবা লায়েংনা ঙমত্রবা লৈনা "হেমোফিলিঅনা" নাত্তুনা লৈবা অদু রাসপুটিন্দা খৎহন্দুনা মহাক্কী হিপলেটিক্কী শক্তিনা অঙাং অদুবু ফহনখি। নিংথৌ অমস্থং মহারাণী থুং-ঙাইবগী ঙমথৈ লৈরমদে, মমৈদা রাসপুটিন্না হায়বা খুদিংমক্তা য়ারম্মী।

নিংথৌ নিকোলাস (অনিশুব) মপাগী মহুৎশিন্দুনা ইংশোক ১৮৯৫ গী মেগী তাং ২৬ তা রামিযাগী নিংথৌ ওইখি। মহাক মীরক মীচিনখি, লাই তিনবু থাজবা, মহাক্কী মুপী ইকাই খিগনবী জর্মন নিংভোল অন্নতবু লুনা তৌজহনা, মহাক্না হাযবতা হাজবা নিং-ছৈনি। মহাক্কী মুপী অমসুং মচান্নুপা অনাবা অহনা মরম ওইহনা কনাগুম্বা মন্ত্রী অমতগা হাকথেংনহনা লৈবাক্কী ওইবা অক ফম অমতা তাম্নবা তৌখিদে। অয়াম্বা চেদা ইরগা হায়নবা হংনবা ভৌই অমসুং থবাই ইয়াও য়াওশিল্লমদে। হৌজিক রাসপুটিন নিংথৌ মহারাণীগী লুনা চান্না তৌহনা লৈরকপা অসিন যুমদা মোংবা চংবগা মান্নরকদৌরি। বাফম অমা মতাং অসিদা পনবা য়াহ। বোলসেবীক বীভোলুসন লাক্লবগীদমক্তা চহি কয়াগী মমাংদগী শেমগৎ শাগৎপগী মরুওইবা মীওই অমসু থৌদোক-ৱাথোক কযা লৈরে মথোয় অহুগী মহুংদা হাবজেন, বাকুনিন, লৌমী শিন মীগী ফিভম, কোলোকোল, লৌমীগী শাহো, ছাত্রগী লাম্বোং, কাজালগী লৌতুনবা, পোপুলিজম অমসুং নিহিলিজম, সিম্মীগী লাম্হৌ, ইংশোক ১৮৮১ গী অহানবা সভাযাত্র অমসুং খাইদগী মরুওইবা অমনা পেটরসবর্গতা লেনিন অমসুং সারটোভন শিংমীগী নিংতম্বগীদমক্তা নিংকোলাসনা নিংথৌ হেক ওইবগা পিরকপা চৈকু অহুগা লোইননা ইজক্রা (মৈবিক) হাযবা চেফোং অহনগা পাক-চাওনা মীযামদা পাহন-খিবা, লোইননা ১৯০৫ দা উবিটনা সবকার অমসুং প্রাজাগা য়াম্নবা মরি অমা থম্নবা পুথোবকপা মেনি-ফেষ্টো, লোয়ননা ভুমাগী মীখন্দা নিংথৌগী মীহুৎনা হেনখিহনা অপমবা পীরকপা অমসুং লৌমী-শিনমীগী অপাম্বদা অথাং কনবগা লোইননা হোৎনখিবা প্রাইম-মিনিষ্টর অষ্ট্রোলিপিনবু হাংখিবা মতাম অসিমা শুংহনা থম্নগা কোমসেভিক রীভোলুসন ওইমাং হৌনা মতাং চানা পোকখাইখিবনি।

অমুম্না চাওয়বা রীভোলুসন অমা লাইহুনা লৈরিব অসিগী চৈবক অসিদা কোম্নুং মহুংদা রাসপুটিন্না খাথৈ-খাবা শাবা হৌবকলে। ভাবনাভা হায়বা মমিং ফাওবা ইবা কৈভবা মীওই অমবু টৌবোলক্কী বীসোবা ওইনা হাপলম্বী। হিবম অসিদগী মহাকপু শৌগৎলম্বা মীওই কয়া কয়া য়েক্লবা ওইরক্লে। ফম হাপতোক-হাপচিন্দা মহাক্না য়াত্রবদি অর্থ যাওরমদে। মবম কয়া অসিদগী কোম্নুং মহুংগী মুপীশিংদা মহাক্কী নংতবা শা-জং কয়া ওন্দুনা অচুম্বা অমসুং ওইদবা কযা শন্দোক্ল-হুনা হোৎনরমহৈ। প্রাইম মিনিষ্টর কোকোভসসেভপু মহাক্না নিথৌদা লাইওম্বা সাধু ওসিদা লাম্না প্রাচার তৌহ হাযবগীদমক্তা মহারাণীনা মফমদগী লৌথোকখি অমসুং অহুনা মহারাণীগী অফবা ওইবমদে, মহাক্কী মমি ফাওবদা বাসপুটিনগা হকচিম্না লৈনবা মবি কযা মাথাম্না তানবকখি।

অমুকস্তু হতিহাস হবা মীওহশিংগী মত মতুংইন্নদি রাসপুটিন অসি জর্ম্মনগী স্পাই অমা ওইনা লৌই। অহানবা পৃথিবীগী লাম্লাওদা জর্ম্মনগী মাহযোক্তা মীচং চুংশিন্নংদা য়াওদনা ইংনা শাস্তী ওহনা রসিয়াবু লান অহুদগী লাপথোকবা ইর্মশিনখি। অমরোমদা অমুক য়েংলবদি নিকোলাসকী মুপী অসি জর্ম্মন নিংভোনি। শোইদনা মহাক্না জর্ম্মনবু মুংশিকম থোকই।

অমুকস্থ লো াড কিতটেম্নরনা তোংবা জহাজ অমা স্কোটলেন্দগী অরাংথংবা সমুদ্রদা জর্ম্মনগী সবমেরিন অমনা লুপাম্নলুনা শিখিবা অহু মহাক্নসি হায়হুনা

(মথাগী পেজ ২৭ দা)



চেকোঙ অসীগী বীজাপোগী অচৌবা শরুক চৌবীরীবা অইবশি চেকোংশীগী ইন্টীটিউট্ৰীয়েল বোর্ডকী চেয়ারমেন ওইরম্বী।

নোকপদি হিদাকনি।

দি, দি রোয়

● লিলা য়েংফম অমদা হিংচাবমুক চাউবা মুপা অমগী মখোঙদা য়াইমরপ চাউবা মুপা অমনা কন্না নেৎলুবদা অহানবগীত্তনা হংলকই, 'নঙগী সি ভৌগে হায়না তৌরিবরা নত্রগা ফাগীরা ?"

অকোনবগীত্তনা, "ভৌগে হায়না তৌরিবনি।"

"ফাগী নত্রবদি ফৈ ফৈ।"

● নোংমা মুপা অমনা মহাক্কা নৌনা ইজবা "অঙ্ক" অমগী মরমদা থাগৎ রাহৈ খরদং ইবীররুবা হায়জররুবদা অমত্তুনা ইপা পাদনা অস্তুমনা ইবীরকই, "লেখক অসিগী লোন্দা নৌই, থোৎলি, প্রেম রসকী মতাং থারকপদা মিৎতা তরং তরং উহল্লি, মতাঙ মতাঙ কযাদা অপাবা কয়াগী মফমদা হায়নিং ঙাই লৈতনা মুংঙাইবা পোকহল্লি। মতুংদসু লেখক অসিদগী নোভেল কয়া অমসু আশা তৌরি।"

● মুট তাই তৌবা মুপা অমনা এরোপ্লেন্দগী কুমথত্তুনা প্রপ প্রপ চৎপা হৌগৎলকপদা এরো-ড্রোমগী মীওই অমনা ঙাইহাক্তং ঙাইবীনবগী দমক লাওরকই, "রেষ্ট প্লিজ, জেন্টলমেন।" মহাকনা হায়রকপা অহু তারগা মুপা অত্তুনা খুমলকই, "রানা হনদ্রেদ এণ্ড ফোরতি পাউণ্ডস ওনলি।"

● ভুরেন্দা ইরাক্রুবদগী মীয়াম চংত্তুনা কল্লব হুপা অমদা চিংখৎপদা য়াওবা মুপা অমনা হংলকই, "অদোমবু, হান্না ইরোয়বা হৈবীত্রা ?" ইরাক্রুবত্তুনা খুমলকই, "ঐহাক ইরোইবা য়ান্না ফজনা হৈজে, অত্তুবু ঙসিদি কাওথোকলুরে।"

● "ঙসি ঐনা লৈরকপা থাংজিং অত্তুদি চাওত্রেদা অস্তুক চাওই।" (মথুং তমই)

"হেরা নংগীহু, থাংজিংদবু চাওমনগ্রে খরা হঞ্জিলহল্লু নখুৎতু।" "হঞ্জিনবা শুকয়া য়াত্রবনি তিংথং য়ুরবনি।"

● "ভাই, নংগী নচা মুপা অমগা মুপী অমগা লৈ হায়বত্তুদি কদাইদা লৈত্রে ?"

(মখুং থিন্দূনা) "ভাই, আদগী মশম তেন্না ককপা খোঙগ্রাও মতোল লাওবা উপ্পা মুপাগী ফুরিৎ অসিনা মুপীমচাত্তুনি। মশম শাংনা থাকপা, লোংগী শেংলিবা অসিনা মুপাত্তুনি।"

● মমিৎ তাংবা অমনা লম্বীদা তারম্বা শেল মযেক অমা খুল্লম্মী। উহৌবা অমনা, 'নমিৎ তাংবা নংনা কবয়া শেল মযেকতু করম্মা উহনা খুল্লিবনো ?' অহানবগীত্তনা খুমলকই; "ঐদি মিৎ তাঙবা নত্তে, লোন থোক্তে হায়বনি।"

● ইণ্টরভিউদা রাহং হংবা লোইরবা মতুংদা অফিসার অত্তুনা কেণ্ডিদেৎ অত্তুদা হায়রকই, "সারটি-ফিকেট অমুক্তা য়েংজগে।" পীরকপা সারটিফিকেট অহু মুম্না য়েংলগা হায়রকই, "করি স্কুলদগী সারটি-ফিকেট ওইরবনো ?"

"তোম্মুং হায়স্কুলদগীনি।"

"করি লমদা লৈবা স্কুলনো ?"


"মন্ত্রিমণ্ডল লাংক্লগা লিংখৎকদৌরিবনি, তৌজিক মক্তি লিংখদ্রি।"

● পরিশা হোল মহুদনি। ইনভিজিলেসন চৎলিবা ওজা অদুদা একজামিনি অমনা হংলকই, "ওজা, 'তবাট' কী অর্থসি করি ওইরবনো?"

ওজাগনা ছাৎক্লদা মুমা য়েংলগা খুংলকই, "কল্পনা,—'কবি'।

● হায়নি হায়রোই থওদবা চোংলম চাদবা মচা অমনা, নোংমা চাথুমাংদা চাক চারিঙৈদা মমানা মপাদা ঙাংলৌ হাঙ্গত্র যেংলগা মথুং লিঙ্গুনা মপাদা হায়রকই, "মচাগীদ খুদী কৈজবা কায়বত্ত চরো য়ামদা চাবা কংদো।"

● ●



নাবেং অসি তববগী মরমদি মনিপুরগী থারানৈ অদগী তৌজিক ফাওব অসিদ পল্লবির লৈঙ্ক য়াওনগী খোঙপাং শমজিন্না উৎপনি। লেশ নমক চেনা জতম মরীদ চিরম অসিবু শন্দোক্ত ইব পইখোক্তবনি।

"মনিপুরগী লৈঙাক য়াওন"

এস, নিলবীর ●

উসিদগী চহি ১৯৬০ রোমগী মমাংদদি কাংবদি নেংদা লাইরেল পাথওবন চৈংগী মম্বাল পানৈগী মমাঙদদি লননম অসিদ মনম মথা লম লৈপাব চনম নিংগী ত লাক্ত মথাদ চৈরম্মী। পুনশলনদগীমা পবাল তুরনন চেনব লম অসি অতুম কক্লগ মাঙ্গা অমম্ভ মোইরাংগী মমাঙগ ব শকক্ষী শংদম অসি খুমনগী ওইরম্মী, মোইরাদগীন তাক্তি, অচৌব পানবন মোইরাংগী; লাংজা অংবদগীন কৌক্র কাওবন লুবাংগী, পুখাওনগীনা চৌ ফাবন অংজাওগী অতুগা লেমতৌবিন লম চাংবদি নোংমাইজিং চাক্তাও অমম্বং লমাফমগী মবক্ত লেরিব লমদা অসিন নিংথৌজা, থাবঙাৎ অমম্বং চংলৈগী ওইরম্মী। চাগরিব লৈপাক মতমদা অসি মতমগী মতুংদা শারম অমম চুপনিনগী লমালাক নমাংদি চাংনা মপাৎ চলকপা হওথদদি মপুম নব চেম্ম চাবে মনি পথ তপ পাক অমগা।

লৈপাক অসিগী ওমথে অসি মতিক মপাল লৈমতা খোংশংগা হাঙজংদি যাম পান চাপরম্মী। নোংপোক্কী ওমথৈ অসি নিংথি তুরেল লানথোক্লগ মুংচং হুমনি মরিনগী লম ফাওব চশিঙ্গী অতুগা পাপি কাওব যেংশিনব য়াওরম্মী। নোংচুপলোমদ কছারগী ওমপাক য়াওব শন্দোকলম্মী অতুগা অসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেল খোঙবান কাওব যৌশল— লম্মী। অরাংকোনদ দিমাপুর অসি মনিপুরগী লম

● চে কোং অসাগী মনওগী ইউটর ওইবীরমবা অসা চৌজকমক মৈতৈলোংগী পুয়া নৈনরিব ডী. এম. কলেজগী দেপট. অফ পোলিতিকসতা ঠৌজিকমক য়াওরীব প্রোফেসরনা।

ওইরম্মী;। থ্বা থবেন, লমজ্র মৈৈন, কাঙ্গল্ নম্ব শাকসামম্মী। অহুম্ মলাকন শোম, তিনথৌ- শিংগী হাকচাংদগী লৈবাক অসিগী অজাইন অমি হৌঙ্গিকী মনিপুরগী পাক চাওরবগী থমওমক হোম্মী।

মামন ওল্লিংঞ্চেলগী হৌন মনিপুরগী লৈঙাক্কি নিংথৌ, লৈঙাক (মোনার্কি) ওইরম্মী। অহুম থাক্লৈন মহুদি—ওল্লিংঞ্চেলদি নিংথৌশিং অহু মীয় মগী কল্লা থবব পুকচেপ চাওব নিংথৌ ভাক ওইরম্মী। মীয়ামগী রাথল (পব্লিক ওপিনিয়ন) গী পাক্নল মামল কল্লমী। লৈপাক্কী লৈঙাক রায়েল চুমল্লক- তব মতমদ লৈপাক অসিগী ৭হক্কবীশিংন চঙ্কত্নল নিংথৌদ রাকৎলম্মী। ‘- মনিপুরদ হিন্দু লাইনিং চংলকত্রিঞ্চেগী মমাঙদদি নিংথৌশিং অহু চুমগী শাগৈ পীবাশিংন মথোয়গী শাগৈশিংগী মথক লৈব তৌফম থোকপ থবক অহুগুমনভ তৌরম্মী অহুগ মথোয়ন কংকম থোকপ অহুগুমনভ কংলম্মী। লম অসিগী চৎনবী, নাং অমসুং থকশী খাশী মতুং ইম লৈঙাক রায়েল তৌরম্মী। অহুব হিন্দু লাইনিং চংশিল্লকপগ লোয়নন মপানগী রাথল অহু নিংথৌশিংগী লৈঙাক রায়েন্দ মমি তারম্মী। ১১শুব চহি চাদগীন ইং কুমজা ১৮৯১ ভাওব “লোয়ুম শিপ্পেন” কৌব লৈঙাক-পথাপ (কন্সটি- ট্যুসন) অম মতম মতমগী মতুং ইম শেমদোক শেমজিন তৌদুন লৈপাক অসিদ চৎনরম্মী।

১৯ শুব শতাব্দগী চংলকপদ ইং কুমজা ১৮১৯ দগীনা ১৮২৬ ফাওকাইবাওব “হিন্দি কুরেং শাক্তাকপ” রাজল থাজনব মতম মদি মনিপুরগী মচাগী লোকপাং লৈঙাক পুরাগীগী (হিষ্ট্রি) রাজ্ঞ লাইবক, থীবা আসকক, অমুনি। লৈপাক অসিগী নিঙতম্লবক মাঙল- বম লৈপাক কাং খোং চাইদি। বৃটিশকী, মতেং লৌদুন ইং কুমজা ১৮২৬ ফেব্রুয়ারী তাং ২৪ দা বর্মাক তৌরম্মিব “য়ান্দাবু সন্ধিনা” কাং খোং চাইব অসি লোইশিনখি। মসী অসিন মনিপুরগী নিঙতম মাঙহনখিবদি নত্তে। মরমদি মনিপুরগী নিংথৌদি মতম অহুম বর্মাগী নত্রগ বৃটিশকী মখা পোনব নিংথৌ অম ওইরমদে। বৃটিশ সরকারনসু বর্মাগ ভাইনব লমদ মতম কুইনদগী লৈপাক অসিগ য়েংথিনহুন লাকলব মনিপুর অসি মসিঙ্গ মখা তৌনা লৈহুন- নিংলম্মী। অহুম ওংলমক চহি ৯ লোমগী মতুংদ “মনিপুর লেভী” মুৎথৎতুম ইং কুমজা ১৮৩৫ দগী মনিপুরদ ‘পোলিটিকেল এজেন্ট’’ থম হৌখি। পোলিতিকেল এজেন্ট অসিগী মথৌদি মনিপুর ১মুং বৃটিশ ইন্দিয়া অসিগী মরাক মরুপ মপাং ওইগনী মরী থম অমসুং ভমথৈগী মরমদ থংন চৈনবগী রাকম য়েংশিন্নবনি। অহুবু হিরম থুদিংদ এজেন্ট অসিন মনিপুর নিংথৌগী অয়াব অমসুং অনিঙবগী মখা পোল্লম্মী। মনিপুরগী নিঙতম্বদ মহাকন থুং থিংজিল্লমদে। ইং কুমজা ১৮৬৭ ভদি পোলিতি- কেল এজেন্ট কী লোয়শং অসি বেঙ্গল লৈঙাক্কী মখাদ থমলম্মী।

ইং কুমজা ১৮৭৪ দা আসামদা চিফ কমি- শনারগা। প্রোভিন্স অমা ওইখিরগ লোয়নন মনি- পুরগী পোলিতিকেল এজেন্টকী অমিসু মহাকী নিংজেং মখাদ অমুক লৈরে। পোলিতিকেল এজেন্ট অসি মহাক্কী রাজা ইদর চুমনবগী এডমিনিস্ত্রেটর অমগুম্নি।

অচাংনবদি মনিপুরগী লৈপাক মহুংগী লৈঙাক রাজেন্দ মহারু খুং থিংজিল্লমদে। অদুবু মতুংদদি নিংথৌমচাশিংগ খংনবগী থোদোক কয়া থোক্লরব অদুদদি লৈপাক মহুংগী লৈঙাক্ত মখোয়না খুং থিংজিন্ত্রবদি মনিপুর অসি হিংলরোই হায়না মখোয়না খন্নবা খুং থিংজিনব হৌখি।

ইং কুমজা ১৮৯১, এপ্রিল তাং ২৭ তদি বৃটিশনা মনিপুর অসি মপুং ফানা লৌশিনখ্রে। মতম কুইনা মনিঙ তমহুনা লাক্লবা লৈপাক অসি বৃটিশকী মীনাই ওইখ্রে। মনিপুরগী নিংথৌনা শেল ওইনা লোইশোং কংপ তারম্মী, লোয়নন বৃটিশ ওফিসার হাংখিবগীদমক্তনি হায়দুনা শেনকম কয়াসু থীব তারম্মী।

ইং কুমজা ১৯০৮ দা চুরাচান্দ মহারাজনা কম্বাল কাবগী থৌরম পাংথোক্লবা মতুংদা 'দরবার' অম শেমলম্মী। মহারাজ মশামক্ত মহুগী প্রেসিডেন্ট ওইরম্মী, অতোপ্পা বৃটিশ আই, সি. এস, ওফিসার অমনা ভাইস প্রেসিডেন্ট ওইরম্মী অদুগ অতোপ্পা মনিপুরী ৬ অমসু দরবার অদুগী মেম্বর ওইরম্মী। দরবার অসিগী মখোদি লৈঙাক থৌরমদা (এডমিনিসত্রেসন) মতেং পাংব ওইরম্মী। অদুবু ইং কুমজা ১৯১৬ তদি প্রেসিডেন্ট ওইবগী ফম অদু মহারাজনা থাদোক্লম্মী। মহাকী মফম অদু আই, সি, এস, ওফিসার অমনা শিনখিরম্মী। অদুগ ভাইস প্রেসিডেন্টকী ফম অদু মুত্থংলম্মী। অসুম বৃটিশনা মখোয় মশামক থোঙ-ফম চেংলে হায়বা খঙলবা মতুংলগীদি মখোয়গী মতিক মঙাল শন্দোকল হৌরক্লম্মী। অদুম ওইনমক বৃটিশকী লৈঙাক মথাদ লৈনিংদবগী লৈপাক মায়ামগী ঈহৌদি অদুম অদুম কমশিল্লক্লম্মী।

হিজম ইরাবোত অমসুং মহাকী জালোয় স্রাইরেশমন শেকাব থীলাঙী কীয়োল পুমনমক চৈথাপ কাঙদ লৈ খাদোক্লম্মী। বৃটিশ অমদি নিংথৌগী মমক অকম ঈহৌ মনিপুরদ চঙশিনগী থৌয়াং লাক্লম্মী। ইং কুমজা ১৯৩৯ গী "অনিশুব নুপী লাল" মতুং-দগীদি হিজম ইরাবোতকি লুচিং মথাদ মনিপুরদ প্রজা মীয়ামগী ওইব মথল কয়াগী রাজনিতি দল কয়া লিংখৎলম্মী। ঈহৌ অসিন অসুম মখা চংথখিহুন ইং কুমজা ১৯৪৮ দদি "মনিপুর কিষান পার্তী" দা (কৃষক সভা) নোঙদাদ হেড কাটর ওইহুন "মনিঙ তম লৌমীগী লৈপাক" (ইন্দিপেন্দেন্ট পিজেন্ট রিপব্লিক) অম শেমবগীদমক্ত মনিপুরগী অরাং লোং-পোক থংব শকক লালগী ঈহৌ অমা (রিভো-লুসনরী মুভমেন্ট) হৌরক্লম্মী।

অনিশুব পৃথিবীগী লাঙ্গাও (১৯৪২–১৯৪৫) গী লাল হঞ্জিল্লকপগী পুনসি চনিঙ তাত্তিদৈ ইং কুমজা ১৯৪৬ কী লোইশিল্লকপদ অমুক হন্ন মনিঙ তমলগদব মনিপুরগী লৈঙাক পথাপ অম শেমবগীদমক্ত কন্সটিত্যুশন মেকিং কমিত্তি অম শেমব থৌবাং তৌরম্মী। ইকুই কুইদন ইং কুমজা ১৯৪৭ কী জুলাই তাং ১৮ দা "ইন্দিযান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ত" পাস তৌরম্মী। চহি অসিমকী আগষ্ট তাং ১৪ অমসুং ১৫গী নোংয়াইদ ভারত অমসুং পাকিস্তান বৃটিশ কমনরেলথকী মহুংদ লৈব মনিং তমলব ডোমিনিয়ন অনি লৈরগনি হায়না লাওথোক্লম্মী। চহি অসিমকী থা অসিমক্তদ ভারতকী ভাইসরোই লোর্ড মাউন্টবেতন্না নিংথৌপাম লৈপাকশিংগী নিংথৌ মরায় কৌখত্লগ বৃটিশনা চংলরব মতুংদ নিংথৌ পানব লৈপাকশিংগ অমুক মনিঙ তমলগনি হায়না হায়রম্মী। চহি অসিমকী আগষ্ট তাং ১১দগী

"ই সত্রুমেন্ট অফ এসেসন" হায়না কৌব মনি-পুর সরকারন ইনতৰিম সরকারগ অনিমক্ক সহি তৌনরম য়াম চে অমু চৎনব তৌরম্মী। হায়-রিব য়ান চে অসিগী মতুং ইন্ন মনিপুরগী (১) মপানগী থৌরম (একসটরনেল এফিয়ারস) (২) মপানগী যেক্রবদগী ঙাকথোকপ (দিফেন্স) অমসুং (৩) ঈ-পাও (কম্যুনিকেশন) হিরম অহুম অসি ভারত সরকারগী মখুত্ত শিন্নরম্মী।

ইং কুমজা ১৯৪৭ আগষ্ট থা অসিগী মনিপুরগী 'লৈঙাক পথাপ' শেম্ব লোইত্রি-ৰৈগী চৈরক্ক মনিপুরবগী লৈবাক থাক্লেন চৎথনবগী-দমক্ত 'ইন্টেরিম কাউন্সিল' অমা শেমলম্মী। হায়রিব কাউন্সিল অসি অফিসিয়েল মরি, মহারাজগী মীহুৎ অম অমসুং চৌংগী মীহুৎ নন অফিসিয়েল মঙাল শায়রম্মী। কাউনসিল অসিদ চিফ মিনিষ্টর অমগ কেবিনেট মন্ত্রি মরি চৌংদগী মন্ত্রি অনি য়াওরম্মী। অরোইব শক্তিদি মহারাজগী মখুত্ত লৈরম্মী। কাউনসিল অসিদি চুম মহারাজদ পাউজাক পীনব অমসুং মতেং পাংনব ওইরম্মী। হায় লৈরম্ম দরবার অহু মুৎখৎলে।

ইং কুমজা ১৯৪৭ আগষ্ট তাং ১৫ দা ভারত মপাঙ ঙমলম্মী। মসিগ লোয়নন হায় বৃটিশ ইন্দিয়াগ মনিপুরগ লৈংব মরী অহু পোলিটিকেল এজেন্টন ওইরমহু হৌজিক্তি "ডোমিনিয়ন এজেন্ট" অমন ওইরে। অতুগ আসামগী গবর্নরগী মথাদ মনিপুর অসি থমলম্মী। (৭)

ইং কুমজা ১৯৪৮ মার্চ থাদ "মনিপুর ষ্টেট কনসটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭" কী মতুং ইন্ন মনিপুরদ ইলেকশন তৌরম্মী মসিমক্তি মনিপুরগী লৈঙাক য়াওন্দ য়ায় মক্কওইব ডাকেক অমনি। মনিপুরগী মতমগী থোঙথাং লৈঙাক অসি "লৈঙাক পথাপ অমন পুল্লব নিংথৌ লৈঙাক" (কনসটিটুসনেল মোনার্কি) অম ওইরে। অসিগুম্ব লৈঙাক পথাপ অসিগী মতুং ইন্ন প্রজা মীয়ায় মীওই পুরব লৈপাক মচাশিংনে ভোৎ পীব য়াবগী পথাপত যুমকম ওইহুন খল্লব মেম্বর ৫৩ (য়াথৈহুমদোই) না শাব ক্রা অ.গী ওইব 'এসেম্বলী' অম লৈব হৌরে। এসেম্বলী অসিদ চিফ মিনিষ্টর য়াওন মন্ত্রি ভরেৎন শাব কাউন্সিল অম লৈরম্মী। চিফ মিনিষ্টরদি মহারাজন অতোম্ব মন্ত্রি ভজক অতুগ তাম্নরগ খল্লম্মী। অসুম তৌন মনিপুরদ ঃপু' কারব মীয়ামগী লৈঙাক (ডেমোক্রেসী) অসি ১৯৪৭ কী লৈঙাক পথাপকী মতুং ইন্ন লৈব হৌরে। অতুবু মহারাজ বোধচন্দ্রন 'মর্জর এগ্রিমেন্ট' হায়না খঙলব মনিপুরন ভারত তিনবগী য়াম চে অহু সহি তৌরহুন চৎনরব মতুংদদি এসেম্বলী অহু মুৎখৎলে।

ভারত তিন্নবদ, ইং কুমজা ১৯৪৯ সেপটেম্বর তাং ২১ দা বোধচন্দ্র মহারাজন শিলোংদ 'মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট' সহি তৌখি। মনিপুরদ গন-তন্ত্রগী লৈংাক লৈন লৈন করিগীদমক্ত মহারাজন সাহ অহু তৌখিদগে হায়ব অসি তশেংন খঙব ঙমদ্রে। অতুবু অসুম হায়নব অমদি লৈ মতুদি শিলোংদ মহারাজ অসিবু ভারত সরকারগী লাম্মীন লাংঙোই চন্দুন তৌদব যাদব কীওম অমগী মথাদ সাহি অহু তৌখিবনি। অসুম ওইরমক ঐথোয়ন খঙব ঙমদব অমদি করিগীদমক্ত মতম অতুগী এসেম্বলী অহুন লৌশিং লৈত্রিব পুকক্ষ অঙাং অমগী মতৌঙন মখোয়গী অয়াব য়াওদন মহারাজন সহি তৌখিব এগ্রিমেন্ট অহু য়াখিবগে হায়ব অসিনি। অসুম তুদ লাকদব মীরোলন ঙকতোগদব অচৌম থোদোক অম মতম অতুগী এসেম্বলী অমসুং মহারাজন তৌরে।

"পেব্রিশাইট' তৌদুনা মনিপুরগী প্রজা মীয়ামগী, রাধল মতুং ইন্ন থবক অদু তৌরমলবদি ঙকনিং-ঙাই লৈরমলোইদবনি।

ইং কুমজা ১৯৪৯ অক্টোবর তাং ১৫ দা ভারত সরকারগী মীহুৎ চীফ কমিশনার অমন মনিপুরগী লৈঙাক পাখশিল্লখী। এসেম্বলী মুৎথৎ-হুন কেন্দ্র সরকারগী মখাদ মনিপুর অসি পুংলৈ লৈরম্মী। ভারতকী গবর্ণর জেনেরেলন ফোংবা ১৯৫০ জা,য়ারী তাং ২২গী ওর্দর অমন মনিপুর অসি "চিফ কমিশনারগী প্রোভিনস" অম ওইহনখি।

ইং কুমজা ১৯৫০ জানুয়বী তাং ২৬ তা ভারতকী অনৌব "লৈঙাক পথাপ" চৎনবগ লোয়নন মনিপুরসু "পার্ট সী ষ্টেট' অম ওইরম্মী লৈঙাক চিফ কমিশনারবু মতেং পানেনবগীদমক্ত মেম্বর ১৪ না শাব "এডভাইজরী কাউন্সিল" অম শেমলম্মী।

ইং কুমজা ১৯৫২ দা এহান হায় জেনরেল ইলেকসন পাংথোকলম্মী। চীংদা অম তমদগী অন মীহুৎ অনি ভারতকী পর্লিয়ামেন্টত থারম্মা ৩০ না শাব ইলেক্টোরেল কলেজ অম থম্লা-হাংবিব কলেজ অসিন রিকোমেণ্ড তৌব এডভাইজর মশান শাব "এডভাইজরী কাউনসিল' অম শেম লম্মী। অদুবু মসিমকি মপাঙ্গল য়াওদব পোৎলুম পুদব কাউন্সিল অম ওইরম্মী।

ইং কুমজা ১৯৫৭ জানুয়ারী তাং ১ দগী এডভাইজরী লৈঙাক অদু ইলেকসন্দ খনব মী কুন্থ্রা, নোমিনেট তৌব মী অনিদ শাব "তেব্রিতোরিয়েল কাউনসিল" অমন মহুৎ শিল্লম্মী। চহি অসিমক্তদ অনিশুব জেনরেল ইলেকসনসু তৌখি। অদুবু মনিপুরগ ভারতক লৈনব মরীদি করিস্ন হোংখিদে।

ইং কুমজা ১৯৬৩ দা "ইউনিয়ন টেরিটোরিজ এক্ত ১৯৬৩" গী মতুং ইন্ন হাপ্ন লৈরম্ন তেব্রিতোরি-য়েল কাউনসিল অদু ইলেকসন্দ খনব মেম্বর কুন্থ্রা, নোমিনেট তৌব মেম্বর অহুমন শাব "লেজিসলেটিভ এসেম্বলী" অমন মহুৎ শিল্লম্মী। এসেম্বলী অসিদ চিফ মিনিষ্ট্রর য়াওন মন্ত্রি অহুম লৈরম্মী। অদুবু এসেম্বলী অসি ভারতকী প্রেসিডেন্ট খবদ য়াংবদি যারমদে। ইউনিয়ন তেরিতোরিগী থাওগী করিসু পোংন অহাং, লৈংমদে।

ইং কুমজা ১৯৬৯ দা মতম কুইন লৈরক্লব চিফ কমিশনারগী মদম অদু লেফতনেন্ট গবনরন শিল্লম্মী

"নোর্থ ইষ্টর্ন এরিয়াজ রিওরগেনাইজেশন) এক্ট ১৯৭১" গী মতুং ইন্ন মনিপুর অসি ভারতকী ম্মুংদ লৈব মপুং ফাব্রব ষ্টেট অম ওইখি। ১৯৭২ জানুয়ারী তাং ২১ দা মনিপুর ষ্টেট হোংখি। (ইনো গুরেট)। লোয়নন লেফতেনেন্ট গবর্ণরগী মফম এডু গবর্ণর অমন শিল্লম্মী। মেম্বর ৬০ না শাব "লেজিসলেটিভ এসেম্বলী" অম [illegible] তাখি। ১৯৭২ মার্চ থাদ অহাংবব জেনরেল ইলেকসন তৌখি। মপাঙ্গল লৈব পোৎলুম পুদব মিনিষ্টরশিংগী কাউন্সিল অম লৈবগ লোয়নন মেম্বর ৬০ না শাবা এসেম্বলী অম লৈব হৌখি। ১৯৭৪ ফেব্রুয়ারী থাদ লেজিস-লেটিভ এসেম্বলীগী ইলেকসন তৌখি। অদুবু লাইবক থীবদগী চোংথোক চোংশিনগী লৈঙাকলোন্ন (পোলিটিকস ওফ ডিফেকসন) মরম ওইদুন মনি-পুরদ মঙ্গা চেৎপ লৈঙাক অম লৈহনব ঙমদ্রি।

মনিপুরন ভারতকী ষ্টেট অম ওইবদ ঐখোয়গী ইকাইখুম্মনব অমসুং কাম্লব লৈব অমসুং লৈতবগী পাওখুম্নদি মনিপুরগী নহারোলশিংন পীগ্রি।

মতমগী খোঙথাং

মরী লৈনব লাইরিকশিং—

(১) এন ইন্ট্রদকশন তু মনিপুর—এল, ইবুংহোহল সিংহ।

(২) হিসত্রি ওফ মনিপুর—জেঃ রোয়।

(৩) মনিপুর ইতিহাস — ডাঃ এলঃ চন্দ্রমনি সিংহ।

(৪) এ সোর্ট হিসত্রি ওফ মনিপুর — আর, কেঃ ঝলজিৎ সিংহ।

(৫) ইলিমেন্টস ওফ পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন ইন ইণ্ডিয়া—ডাঃ এন, ইবোবী।

(৬) মনিপুর এ স্তদি — এনঃ তোম্বী।

(৭) রিপোর্ট ওন দি ইস্তর্ন ফ্রন্তিয়ার ওফ বৃটিশ ইন্দিয়া—পেম্বরতন।

(৮) দি মনিপুর কোদ পার্ট রান—গোবর্নমেন্ট ওফ মনিপুর. লো দিপার্টমেন্ট।

(৯) কমরেদ ইরাবোত—এল, ইবোহল. ওফিস সেক্রেটরী, সিঃ পিঃ আই।

(১০) নোর্থ ইষ্টন এরিয়ারস তেকোংশিং—এসঃ সারিন ; শিল্লোং।

(১১) "লময়ানবা"—পামমিল।

● ● ●

পেজ ২০ গী মথা—

ময়াল শিখি। পুময়ক অসিন ময়ম ওইহনা মোংব (রাসপুটিন) অসিন কোম্মুং মমুংদ থাবৈ থায়া শাবা, ছুপীগী ইজৎ মাংহনবা; পুরোহিতপু মাং-হন্ব, রাজনিতি রাঙাশিংবু মাংহনবা, থরাইদগী মরু ওইবা অমম্মা মাংথরক্লবা রাশিয়াবু মহাক্না মথুত্তগী কন্নবা হোৎনবা কয়া অসিনা ময়ম ওইহনা নিংথৌগী ড্রুমাদা কারিবা মীহুৎ যুসুপপোভনা লুচিংহুম ডাক্তর লেজোর্ভ অমসুং কেপটেন সুখোটিন অহুম্না লৌতু-নহনা রাসপুতিনবু হাৎখি। লৌতুরবা অসিদা যুসুপপোভগী খোইদোক হেন্দোরা মশক কজবী ছুপী অহুগা শেম শাহনা লৈতেংলবা কা অমদা। উনহনগনি হায়হনা ফমহন্দুনা ঙাহনখি।

যুসুপপোভনা রাসপুটিনবু হাৎপনি হায়বা অসি মশানা কোর্টতা য়াজখি। অহুবু চিংনিংঙাই ওইবা থরদি চম্মহনা লৈরি। পোটাসসিয়ম সাইনাড য়ানশিনবা তল থরা চারগা মহাক্না লৈনজরবা যু মৈদৈরা অমুক থক্লমী, মতুংদা মহাকপু হু অমুক থাখিবনি। মতোন্দা পিজখিবা পোটাসসিয়ম সাই-নাডকী চাং অসি মী অহুম হাৎপা য়াবগী চাংনিন্থু হায়রী। অহু কাওবা শিবা ওমজরবা রাসপুটিন অহু যুসুপপোভনা হনজিন হনজিন্না পিষ্টোলনা তকল্লক কাপ্পুনা মপুন্সি লোইহনখি। মরাল অহুবু খুংজিল্লুনা থমনবা অঙাওবা চুই অমা হাৎহোক্লুনা তারিবা ঈ অহুগী প্রমান পীখি। অশিবা মশা অহুনা তুবেন্দা লংথখি।

রাসপুটিনগী মচাহুপীগী মত মতুংইন্নদি মহাক্না মপা অাস কৈদৌঙৈদা অথুম্বা চাখিন্ত্রি। অহুবু মতম কুইনা থাদোক্লরবা মপা অহুগী হৈবা হৈনদবা লমচৎ শাজৎ মহাক্না থংলমগত্রা? অমুকন্থু মথা তানা হায়খি—মচাক্না মপাদি মহাক্না মপুন্সিবু মাংননবা তৌথা কৌতুনবা অমবুদি লায়না মিনিট ৫ গী মমুংদা থংহনা লানথোকপা ঙমগনি। অহুবু অহুমা চে চাং কয়া রীভোলুসন হৌরক্লুনা মাংশিনজগী ওইথোকপা যাবা থওদি ভাবনা শাবা নস্তনা বুপথনা থওবা ওমনত্রি।

মনিপুর ১শুং পোং

চাংপোন কয়না বোর্যাশিংবা লৈংাক চক্ষুনস্থ মনিপুরগা মপানগী লৈব কদিংগা থাইনদগী মরী [illegible] নবনি। ডাক্তর রমেশচন্দ্র মজুমদার অমশুং হেৎপ সর কি জি হ কোর্স নচিংবা পন্ডিত বয়ানা ৮ রঙগী থা নোংপোক এশিয়াগা আং থুম বশিংনা মনিপুর কা না চৎখি হায়বসি অদুগনি। অাকোয়বা অমসুং খুনাশিংবা ভারত ১৮ অংগী পাঙ্গাস মৈতৈ শাবরা ঙাঙ্কিক, "পোইত্রৈতোন খুংখোক" হায় সিদা থ ওত্রিবদনা প্রমান তৌবি।

প্রোফেসর গাংমুমৈ কবুই
হেড অফ হিস্ত্রী ডিপার্টমেন্ট
জে এন ইউ সেন্তর মনিপুর

মনিপুরগী নোংপোক [illegible] স্থংকোংবা বর মাগী মচু চনবা লৈবাকশিংগাস্থ মনিপুরগা [illegible] মুংতগী শোনা মরী লৈংরম্রি। [illegible] শাং– শাদা [illegible] বলগা যাং [illegible]গী [illegible] মরুদা নমনা হাত্রহাসকী [illegible] চন্নবা মতমদস্থ [illegible], [illegible] অমত্তং চ [illegible] কাং [illegible] লৌনবস্মী [illegible] পর [illegible] [illegible] লৈবা [illegible] যবা [illegible] পুনাগান [illegible] [illegible] চাম্রা [illegible] নিংগা [illegible] তবা [illegible] নাদিংবু [illegible] লৈতৈ [illegible] [illegible] কাংবিরনি কবোশি [illegible] বা তম্পাকদুনি। [illegible] মনিপুর [illegible] মইতৈ [illegible]

লৈনাকপু কেশে হায়না খংই। মৈতৈশিংনা ভোগুন তোভানবা মতমদা মপান্দগী লাকপা জাতিশিংবু মখোয়গী সমাজদা য়াৎশিলহন্দুনা মৈতৈ ওনহল্লি। নোংচুপ্পগী হাযবদি ভারতলামদগী লাকপা কাঙ্গলপপু [illegible] হারম, মাদুগা নোংপোককোমদগী লাকপা কাংবুশিবু নোংপোক হারম হায়না কৌই। নোংপোক হারম হায়নিবসিগী লৌরকখনাদি ওয়া, পোং, কাবা অমসুং খাগীশিংনুনা অদুনি। মৈতৈগা শানাশিংগা য়াম্না চায়চিনবা লৈবনা কানুপ অাংশিংগী সংস্কৃতিগী মরী [illegible] অমত্তালি।

[illegible] শিংবু [illegible] ওই ( ) [illegible] অচৌবা কাঙুপাশিংগী মচা [illegible] শিংঙৈমচা স্থকক্ষানা অমাদা লানদাক্তুনা ফংোম [illegible] শিংখৎথি। [illegible]শিংগী তৌরককম লৈনবদা অা অইতৈকিংগী মত ওয়া লৈনক্তন [illegible]। [illegible] নোংপোকী লাই লৈংলোনগী মচা মনাংশিংনি [illegible] থম্লি। মখোংগী ইহান হানবা নিংখোদি খুনসুং (নিংথৌ মচা অহন) খুনমতমগী খোঙথাং

লাই (নিংথৌ মচা অতোপ্পা)। মখোয়না স্বর্গদগী পৃথিবীদা কুমথবগী মতম হায়রবদি মখোয়গী নিংথৌ ওইবা মতমগী মোত অমি পীরি। পেম্বরটননা মহাক্কী রিপোর্ট ওন নোর্থ ইষ্ট ফ্রোন্টিয়ার ওফ ইন্দিয়া ১৮৩৫ দা খুনলাইনা খৃঃ মতুং ৮০ কুমদা নিং- থৌ ওই হায়রি। স্যার ইদরার্ড গেটনা (হিষ্টরি ওফ আসাম) ৭শুবা শতাব্দীদা পিরি। খুনলাই হায়রিবা পোং নিংথৌশিংবু পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা মৈতৈ ওইরমগনি হায়না ময়ামদা নিংশিংহল্লি। মহাক্কী "অরিবা মনিপুরি সাহিত্যগী ইতিহাস" তা অস্নুম্না ইরি, পোং নিংথৌশিংগা মৈতৈ নিংথৌশিংগা চান্নু চিন্না মতম কুইনা থংনা থানব যাদনা মবী লৈনরকপগী খুদম ঐখোয়না মমাঙৈগী রারী অমসুং লাইরিক কয়াদগী থংই। "থাঙলোন থাঙচত্তা" হায়রিবা লৈশুক লৈশোক্ত য়াম্বী পায়রগনা পাথংবগী মচা অমা তক্কং থাঙ্গা চৈশু থাঙ্গা-পীহূনা পোংদা নোংপোক মায়গৈ ডাক্কবা থাখি হায়রিবসি নদি পোং নিংথৌশিং অসি মৈতৈ নিংথৌ মচাগা মত্রা হায়বত্থ মকমদি নৈনহুমা যেংসি" (লমায় ৫) মহাকনা মথা অহুম্না তারী, "খুল লাই" হায়রিব মিং অসিদি মৈতৈ লোন্নি, মৈতৈ লোন্দা "খুল লাই" হায়রা রাইহ অসিগী অর্থদি লম অমগী মপু নিং- থৌ হায়বনী"... অত্তুগা পোং লৈবাক্কী অহানবা নিং- থৌনি হায়রিবা "খুল লাই" অসি... পাথংবগী মচা ওইরমগনী হায়। শ্রীখেলচন্দ্র সিংহগী অক্ত অসি চুমলবদী খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দীদা পাথংবনা মনি- পুরগী নিংথৌ ওইবা মতমদা মহাক্কী মচানা পোং লৈবাক্কী নিংথৌ ওইরম্বা তাই।

অদুবু গোলাপচন্দ্র বারুয়ানা খৃঃ ১৯৩৩ দা কোংখিবা, অহোম বুরঞ্জী হায়বা লাইরিক্তা খুনলুং অমসুং খুনলাই হায়রিবা নিংথৌ মচাগী মমিং অর্থ পিবদি, শান লোন্দা খুনলুংবুনা নিংথৌ মচা অহল খুললাইবুনা নিংথৌ মচা অতোম্বা হায়বনি হায়। অদুগা খুনলুং মচানা খুম্লাইনা পানবা মতমসি ৭শুব শতাব্দীদগী নত্রগা অহানবা শতাব্দীদগী হায়না লৈ হায় তাবা ওমদে। মরমদি পোংশিংগী নিংথৌ- রোল অমসুং অহোমশিংগী বুরঞ্জিশিংদা তোঙান তোঙানবা চহি পিনরী। অদুগা পাথংবগী মতমদা পোংশি মনিপুরগী মখাদা লৈরমগনি হায়বসি থরা লুনা থোকই।

অদুগা ৮ শুবা শতাব্দীদা পোং লৈবাক সুকামফা হায়বা নিংথৌ,, অমা পাহম্মী। মনাও মুপা শামলুংবু নোংচুপলোমদা দিগবিজয় তৌনবা থারম্মী। মহাক্কা থাসা (বেঙ্গল) লৈবাক থাওবা লোই চল্লংহুনা মৈতৈ লৈবাক্তা লাকখি অমসুং চহি তরা ইমফালদা লেরম্মী। মখোয়না লৈরম্বা মফমবু তৌজিক ফাওবা পোং ইংখোল হায়না খঙনরি। পেম্বরতনগী মতুংগী, শামলুংনা মনিপুরদা লাকলম্বাসি খৃঃ মতুং ৭৭৭ দনি। চৈথারোল কুম্বাবদা য়াওরিবা চহি খৃঃ ৬৯৮ নি। চহি ৬৯ খৈরে। চৈথারোল কুম্বাবা হায়বসি চুমলদি নাউ- থিংখোংগী (৬৬৩-৭৬৩) মতমদনি। কুম্বাবদা (লমাই ৫) দা অস্নুম্না ই, শকাব্দ ৬২০ দা (খৃঃ ৬৯৮) পোং নিংথৌ সুকানফাগী মনাও সামলুংনা পাশা যৌনা লোই চল্লুরগা মৈতৈরোমদা খোকলকতুনা অপোং ইংখোল্দা চহি ১০ লৈরমএ।, অরাংলমদা ইরিন মক্কলমদা চংখিএ। অদুবু "পোংগা মৈতৈ

লময়েন লাইরিক" সাম্লুং লাকলমবসি খোংতেকচাগী মতমদনি হায়রি। লাইরিক অসিদা মৈতৈ অমত্তুং পোং অনিগী মরী অচু ফজনা তাক্লি হায়না খেলচনত্রনা হায। সামলুংনা বাঙ্গাল লৈবাক লম ক্টোরহন য়ুমলোমদা হল্লকপদা ভ'প্রেম চীংচেংদা থুংলখ। মহাক্না শগোল শামু যাওনা লাকপনা ইমফাল্লোমদা লাক্তনা অরাংলোমদ হনখি। পাউ অসি তাব্রবদা খোংতেকচা নিংথৌনা মাগী লৈবাক্তা চংকরবা কৌখি। সামলোংগী কাংবুদি থৌবাল তুরেল মরু হৌত্রহনা ময়াম হল্লকপদি খুদোং চাত্রহনা মহাক্না মী থরগা ইমফালদা লাকনা অপোং ইংথোন্দা। লৈহনা নিংথৌ খোংতেকচাগা বা ভাংনখি সামলুংনা খেংতেকচাগা লোইননা কপ্পা মেন অমত্তুং বুচুগী তুংপাক য়েংমিন্নখি। মহাক্না কুচু তুংপাক অসিদা হয়েং মতম অমদা বাসাগী পণ্ডিত অমা থাকীদগী পণ্ডিত অমা ঔবাদগী পণ্ডিত অমা পোংদগী পণ্ডিত অমা মৈতৈ লৈপাক্কী পণ্ডিত মরীনা কমহনা পুরান কাক্ননা য়ায়েন তৌগনি হাযখি। অচুগী মতুংদা সামলোংনা নোংপোকলোমদা হনখি। সামলোনা পোং ইং খোন্দা চহি তরা লৈবসি কয়া চাফাওে। অচুবু মহাক্না থমলম্বা পোং থরদি ইমফালদা লৈরম্বা হায়ন থল্লি।

পোংগা মৈতৈগা লৈনবা মরী অসি ১৫ শুবা শতাব্দীগী মমাংদা বৃন্দাবনচিংবা অবিবা লাইরিকশিংনা কয়া প্লান্নমদে। অচুবু কবোগা মৈতৈগা লৈনবা মরীদি নিংথৌরোল লম্বুবা অমত্তুং মোইরাং কংলৈরোম্না ফজনা তাকলি। অচুবু খৃঃ ১৪৭০ দা মনিপুরগী নিংথৌ ক্যাম্বা অমত্তুং পোং নিংথৌ খেকখোম্ব অনিনা তিন্নহনা কবো অমত্তুং অরাং

লানথাম্নিন্নবা য়াশকনরমই। লৈবাক অনিগী অপুনবা লম্মী শিংনা মখোক্ত মখোইগী নিংথৌশিংনা তুচিংনা কবো ক্যাং থম্পক্তা লান্দাম্নিরে। লান তমহনা পোং অমত্তুং মনিপুর অনিগী লম যেন্নে। খৃঃ ১৪৭৪ দা কবো তম্পাকসি মনিপুরগী ভমখৈদা হাপচিনখিরম্মী। মতমসিদগী হৌনা কবো তম্পাক্না মনিপুরগী লম ওইখিবনি।

পোং নিংথৌ খেকখোম্বমা মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বগা য়াম্না চাম্নরম্মী! ক্যাম্বগী চহি ২৭ শুরে, খিকখোম্বগীনা চহি ৪৭ নি। মখোয়না থিংথি তুরেলদা লম চাম পাকপবু থোং শারম্মী। সনাগী ফমথোন্দা ফম্মিন্নহনা চাকলুক অমত্তদা চামিন্নে। ঈশিং পাত্র অমত্তদা থকমিন্নরম্মী। পোং নিংথৌ খেকখোম্বনা ক্যাম্ববু ইও হায়না কৌরম্মী। মখোয অনিনা পোং অমত্তুং মনিপুরগী ভমখৈ য়াংলম্মী। অরাং নেংপোক্তা মুংখোংমুঙ, নোংপোক্তা লোইজিরি চীংশাং, থাদা মিযাতোং চীংগাংনি। শমজোকতি নোংপোকথংবা শরুক্তা পোংগী অহংগা নোংচুপথংবা শরুক্তা মনিপুরগী ওইরম্মী।

পোং মৈতৈনা লাম্নামিন্নবা ফুমাসদা মণিপুরদা ঈতোল য়াম্বা কাযবমই। লাইনা অসিবু কনবা হায়হনা পোং নিংথৌনা হৈ অমা পিন্নমই। হৈ অসিবু পোং হৈতোন= পুংদোন হায়না খংনরিবা অসিনি — পোং হবাই অসিমু পোং লৈবাক্তগী পুরকপনি। পোং অমত্তুং কবোশিং য়াম্না মৈতৈ লৈবাকতা থুন্দারমই। মখোইনা মৈতৈ মুপী লোইহনা মৈতৈ সমাজদা তিনহনখিরমই। মসি নিংথৌ ক্যাম্বগী য়াম্না শিংবা থৌশিন্নি।

মণিপুরদা বিষ্ণু ইরাংপা হৌরসি ক্যাম্বগী মতমদনি। পোং নিংথৌ খেকখোম্বনা ইঞ্চি ৫ য়োম


মথা পেজ ৪৫ দা

মতমগী খোঙথাং

হিংবগী মওং

—সোৱাম মখং খনবা—

● অইবা [illegible] ডি. এম কলেজগী ডেপ্ট অফ ফিলোসোফিগী প্রোফেসরনী।
—মহাওইরীবা থীজর অমগনী।



লিভিং ষ্টেন্দার্দ হিংবগী অবাং অনেম হায়বা রাহে অসি সমাজ অসিগী মস্তনি খাল্লাগনি, শোম্না বাহৈনি। নোংচুপলোমদগী চংলকখিবা পাইত ভমতুং মগিনা খংল্লিবা পাখল অসিনা অসিগুম্বা মংদা ভমনবদি, মসিগী মহৈনা পই-বক্লিবা শক্লোন অসিবু ঙাওববা তাম্নবা অমদা লাইচুবা হায়না খংনবা যাবে।

লিভিং ষ্টেন্দার্দদি হিংবগী থাক হায়বগা পৌবম্না থংনবিবসি হিংবগী মপান থোংগী শকওং, কবি চাবি, কবি শেংলি, মযুম মকৈ শবিনা শাহ্, অসিনচিংবা ময়াম অসিবু শুপচম্না লৌবকপা অহুবুনি। খর চেক-শিনবা লোন্দা হায়বা তাববদি প্রবৃত্তিবু লাকশনবা হৌবকপা অমসুং মতুদগী তাথরকপা ওইনা ললোং পোংকী ইচাও থোকহল্লকপনা মসিগী য়ুমফম্মি। মতাক করম্না পাল্লি হায়বা রাহংগী পাওখুম ওইনা লিভিং ষ্টেন্দার্দগী রাকম অসি চোংথোরকনি অহুগা মতাক কবগীদমক হিংই হুংলগনা হিংবগী নোম্না, ষ্টাইল অফ লিভিংগী রাকম চোংথোরকনি।

অটোমোবাইল রেদিও, টেলিভিজন, রেফ্রিজরেটর, মীনাই মীশল,— হিংবা থাক্তী থুদম্মি। পোংকী মপু ওইবনা মসিগী মচংনি। পোংকী মপু ওননবগীদমক্তদি আয চংই। মবম অসিনা চংনবগী লোন্দা খংনবিবা থাক রাংনা হিংবগীদমক্তদি আয় বাংহনবা তাই। পোং থোকহনবনা শেলগী মওংদা ঐথোযনা উবিবা অয়গী চৌবকফাম্মি। কনম্না পোংনা শেল ওনথিহুনা মীওইবা পুম্নমক্কী মফমদা আযগী শকতম কৌহুনা লাকপগে হায়রবোমদা নৈনকজনা আয হায়র্বসি শেলগী থুজিংদা ওম্নবদি, ঐথোযনা ইচম চম্না হাযবা তাই, থাক রাম্না হিংগে হাযববাজ শেল লৈবা তাই।

মী অমগী মায হাযর্বসি মতৌ কবধমা লাকপগে হায়র্বসিগী মম্নমদা সমাক্তনা বরিম্নু থোশাবিকধা লৈতে।—অভইবমক মবক মবক্তা কাবা হুরানবা পৈশা চারবগী ডিজাইন তৌবা মশিং, ফম তোকপা ওক্তিসাম্নসিং য়াওদবা নৎতে। অহুমহাংমা মদক মবক্তা থোকলকপদা সমাজনা নিন্দা তৌথিবদি মম্নাইথক থিবনা ফাহৌবা কাংবুশিং অহুদবুনি, মনিংখোঙদা চংবগী

হৈনবী অসিবুদি সমাজনা ঙাংদবনা অয়াবা শকপগী মওংদা অহুমক সমর্থন তৌই। থাজবগী পাঙ্গলগী শক্তি শিজিন্নহুনা থিংনবা হোৎনদে। মরম অঁসিমক্তা শয়তান্না ওল্লকপা মীওইশিংনা সনাগী অরুংবা লাইফদিবীগুম ঐখোয়গী মিৎপু থকহন্দুনা হিংবগী ড্রামা অসিদা জুলিয়স সিজর শাগ্নি। অদুগা ঐখোয়গী থম্মোয় অসিনা অশুক্কী মতিক পিকশনখ্রে, মহুদি, মখোয় অসিবু উকয়গা হিংবা পুন্নমক্কী অর্থ অসি হিংবগী থাক লৈবা ওমবগী মীৎয়েংদগী হন্দোকলি। মচু মচুগী মায়থুম ফী শিজিন্নবা মুং হান্নবা মীশিং অসিবুদি ঐখোয়না মুমিৎ খুদিংগী চৎনা থারি। শেল চাবা ওফিসার, লুপা চামা কৌথ্রবদি ওপরেশন তৌবিয়ু য়াদবা ডাক্তর, ফম তান্নবা ওফিসারশিংবু লানবীবা মন্ত্রী—শঙ্গুশিং অসিনা মালেমগী কোটি কুম্থ্রাক্লমদোই ওইহুনা লৈরি। মখোযবু ঐখোয়না মতুংদা আলোচনা য়ামনা তৌরম্বা য়াই। অহুম্নদি ওইরগা মখোয়বু কল্লকই অমসুং তৌরিবা খুদিংমক্তা লোলথোক্কনা য়াই।

সমাজগী অনাবনা অসি য়োয়বদদি হুয়ানবা অঙমবশিং অসিসু 'তুংদদি নিংথোদসু চৈনে' হায়না য়ান্না পুক্কিং লুমনা লৈ। হৌজিককী সমাজদা লৈরিবা লল লৈবা, ফম নাইবা, তৌঙমবা, শক্তি পাইবা— শম্না হায়রবদা মুঙাই য়াইফনা হিংলে হায়না লৌনবিবা ইবুঙো-ইবেম্মশিং অসি অচুমবা মওংদগী লাকপা আয়না হিংবা অমতা নত্তে। রাক্ষম অসিদা প্রমাণ পিরুবগী কান্নবা লৈতে। থাজবিদ্রবশিংনা ঐখোয় ময়ামগী মরক্তগী খয় তোমথিন ওইবা মরল-মথুম পাইবা, ফম অচৌবা নাইবা অমবু খুদম ওইনা হেক্তা লৌখৎপিয়ু। য়েংথিযু মহাক্কী ইতিহাস ফাকৎহুনা; মহাক কয়ম্না ইন্নাক থুম্লকখি, কয়ম্না কমথোল নাইয়কখি অমদি কারকখি। থিবা তম্দবা মীওয়না থিয়খদি অসিগুম্বা মীওই কয়া ঐখোয়গী ইরক্তা শোয়দনা য়াওরমগনি, মখোয়মহুনা অনৌবা কাবথানা সিনেমাতোল নত্রগা য়ুয়েনবা দোকানগী লাইসেন্স ফংনবা, ফম কানবা অঙমবশিংগা যারেকমিন্নরুন্নবা মচে, মচল মমোমশিংবু থাদোকপা ওমবা।

মসিগী ইচম চমবা মরমদি, পেৎ থোকহনবগী য়েংথোকপগী চৎনবিবা অমসুং মসিদা যুমফম ওইবগা শাগৎখিবা মরি কয়া, কাংলুপ কয়া অসি মীনমবা অহামবমক্তনা থনবননি।

হিংবগী জগৎতা পোকলিবা অসিদা ঐখোয়গী শরুক য়াওরি হায়বসি অচুম্বনি। মীওইবা ঐখোয়বু রাখল থনবা জীবনি হায়না এরিসটোটলনা তাকলম্মী। অদুবু মীওইবগী রাখল থনবা ওম্বগী প্রমাণ পীবা লোইদ্রি। রাখল থনবা হায়বা অসিনা মীওইবা মশামক অমসুং মহৌশা লাইরেম্বীগী মফমদা করামুক পান্না শন্দোক্লুনা রাখল থনবতনা রাখলগী প্রমাণ ওইগদৌরিবনো হায়বসি লেপপা লৈত্রি। সমাজ অসিদা য়াওশন্নুরবা ঐখোয়না রাহুং অসি হংখিদ্রবদগী থোকালিবা পুন্নমক অসিদা ঐখোয়দি লানখিদবনিকো হায়বা য়াদবনি। ইতিহাসকী তাংকক অমদা ঐখোয়না থেংনররিবা ফিভম অসিনা অয়োইবা নত্রবদি রাখলনা মসিগী রাংমদা লৈবা ওইনা উরিবা অচুম্বা অদুগা হোংদোক্রবা ফিভমগা চান্নহললোইদবগী মরম করিমো হায়বা লেপ্পা লৈতনা হংকম

থোক্নপনি। থিদবগী অশোপ্পা অসিমক্তা ছিংন লালফমগী প্লাংমদা লৈবা শক্কম অক্তো ঐখোয়না শাগৎপা ভমদ্রি। লালযম অসিগী চপ্পশক্লবা ক্রেম মচুদা মচেৎ-মচেৎ থুগাইরবা অচুম্বৰু শক্তি পাইবাশিংনা পুম্নমক্তা যেনথোক্নবা হোৎনবি। হি ন-লালযমদা মাইপাকপগী হুমযমদা মমলগী খুংশেম শাগৎনবা হোৎনৰি। অদুবু 'সরভাইভেল অফ দি ফিটেষ্ট' হায়বনা সবভাইভেল অফ দি বেষ্ট' হায়বগী অর্থ চেপ্পহনবা যারোই। শিরবা কোডেলিযাগীদমক কপ চিবা কিং লিযাল্পগা পুল্না হাহান্নবা যাক্ত ঐখোযনা,

অদুগা, ঐগী পংজরবী লাহবক চাওবীসে থৌবী কোক্লোহনবীগ্রে,
লৈখিদ্রে, লৈখিক্লে লৈখিদে পুশি ইবিক
ভুই, শগোল, উচি ফাওবনা পুশি
মুংশাংনরগা
কবিগীনো নহাক্তা হোনদ্রিবা পুশিগী
মুংশাখর
নংদি লাক্লবোহ,
লাক্লরোহ, লাক্লবোই, লাক্লবোই
লাক্লরোই।

অওৎবমক বিধাতাবু ইতিহাসকী পিবুরদা যোমহুনা নাওপুবা নৎলমদ্রবদি থে কলিবা ড্রামা পুম্নমক অসিগী কান্নদবা মাহথিবা অদো হান্না লাওথোক্লম্বা যাববনি। নিংতম্বগী চংবা শিবা লালযম অসিদা শোযৎদ্রবগী রাখল অমৎক্তনা ঐখোযবু মাই ওন্দুনা চেলহনদবনি। মীওই-ইতিহাসনা মাহথিবগা মরুপ শানদে, মীওই-বগী বিধাতাবু পুহনা কললবা থৌবি কযানা কাং থোবপা ভমদ্রবা খোল্লাওবু হন্না হন্না খোম্থাং যৌদ্দবৈ নম্নানবশিংনা। ভুমখুন তা লবা ইতিহাসকী শক্তি-

শিংবু অবোইবা নিংতম্বগী শকফম অহু উৎতুনা য়াকাই-হল্লি মখোয়না অদুগা লাওরে; চৎখৎলু মাংদা চৎখৎলু, মাংদা মাংদা। মতম অমম্তুং মীয়ামগী তঙাইফদ্রবা অহুনা মখোযবু পোকহল্লবম্ব মখোয়দি মতম অমম্তুং মাযামবু শেমবনি ফিভমদ লেপতর্বনি-। অবোইবা মুক্তি নৎতনা মীওইবদি পেনবা ভংদে। ইতিহাস হাযববু, লাক্নদ্রা লাক্নদ্রা হায়নবা তামপ্রবা মতম অমদগী, মাহকৈ লেপ্তুবা পম্তুং অমদগী খোম্থাং য়ৈবকপা নিংতমবগী খোক্লেলনা মীওইববু তপনদি ওইবগা শোযদনা চিংশনবনি। অচুমবা অমম্তুং মমলগী খোংচৎনা মসিগী অরেপ্পা প্রমাণনি।

মীওইবা সমাজদা অৱানবা অমম্বা লৈতবা নত্তে। অমবোমদহুম অরানবা য়ানদবগী লৈচিন মৎক্তগী অচুম্বগী আখাক অৱাও তারকপনি। য়াঙ্গী বাবী শক্তি মযাম থেগাইনবগী র বীন। লনবেল অসিদা লার্কখিবমক্তন। মীওইবদগা শিপ্পখিবা ঈহুদা ঐখোয় পুম্নমক হপাল লালি নিতম্বগা চেনা অসিনা সমাজ অসিগী খাওঠাশিবু কাংলুপ অমি থোকনা খাইদেবকই। লৈবমলিবা শক্তিশিংনা পীজবা চম্না চানবা, মখোয়না শেনবা পোৎকা জগাম্না তাওক্লবা থাক বানা লাহর্দবীগুম হিংবা ফংনবা শক্রাশং অসিগী সেবা তৌবা। অসিগুম্বা মীওইনা তাংকক অমদা ইতিহাসপু কমজন্দুনা লৈহল্লিহ। অতোপ্পা কাংলুপ অমনা লৈবমলিবা শাঙ্গশিংগী মীহৌহনবা বাশকী বাংমদা নিংতমবা পুশিগী মওং অমা থিক-বদগী লৈরক্লিবা পুম্নমক অসিবু লুপহনখিবা পাম্নবা কাংলুপনি।

নৈনরিবা অসিদগী ঐথেয়না খবা ভমলে।

ড্রওচাৎ

লিঙিং ষ্টেন্দার্দ থিরবা হায়বসিগা মীওইবনা মুক্তি থিবগা মান্নবা নৎতে। অমরোমদন্থুম লিঙিং ষ্টেন্দার্দ তান্নবদা হিংবগী মওং অমত যাওদবদগী মীওইবনা মহাক্কী অকোইবদা অবাবা পীবদা হালেংবা লৈতে। ঐখোয়গী শোইফব্রবা মীৎযেংনা ভাব; অচুম্বা সমাজ অমা লাকত্রিভৈদা মপাম্ন্থোংগী হুংডাইনা হিংবা তান্নরুবা আসিমক্কী শক্তি পাহবিবা মীওইশিংবু কবাম চাওরবা কৈশাল ওইহল্লে। লোইশল্লিবমখৈ পেন্দবা কনজ্যমব ওইহল্লে। মওইববু থুৎলাহ ওইনা শিজিন্নবদা তৌবা ভমবা, পোৎকী জগৎতা থিবোং লাওবা পেন্দবা আসিবু মমল ওইনা ময়ামগী মাংদা থাঙ্গৎলি। চাওখৎলবা সভ্যতাগী মীওইবনা মী চাবম্বাশিংবু মমিং থোনবা ভমলে, অদুবু সভ্যতা আসমক্তগী থোবকপা শাক্ত অসিনা মীওইবা অমসুং মীওইবগী মবিবু তাইসলরিবা ফিভম আসগী মিং থোন্নবা রাহোদ মাগী পুক্কৈদা য়াওদে। হিংবগী মওংবু হিংবগী থাক্তগী তোখায়না থাহদোক্তুনা থম্বা আস অরোইবা পন্থুং পুরকপা ভমব্রবা সভ্যতা আসগা মায়োক্তা পাবা রারেপানি। অপেনবনা থল্লবা পুক্ত্গী ভনহৎয হ পুম্নমক ভুংওইনরগা অনৌবা মমলবু থিবা চৎথবা পুক্ত কয়ানা হিংবগী থাক অমসুং হিংবগী মওং আনগী মরক্তা লৈহ চিংলিবাস তোইনা নিশিংহল্লকহ।

মমলাদ পুক্তগী মন্থ্ংদা থিবা তাহ। নিংতমব্রবা, রারেপ লৌজবগী শক্তি লৈজব্রবা পুক্তিদা মমলনা য়াওরমবা তারবদি এগীনি করম হায়গানি। ঐত্তোন্দগী তোখায়না তাপ্রবনি। মরম আসনা চৎশল্লক্লিবমখৈ মমল, নিংতম্বা, পুক্তি, পুক্তিগী মওং অচুম্বা অমগী খাইদোকফদবা ওইরে। থিজবা অসি থোবকপদগী গৌনা পুক্তিগী মওং লাকপা হৌরবনি। লম্বী অসি চংশল্লুবদা অনৌবা মমল থোকবকহ। চংশল্লুবা মীওইশিংনা থেংনা থেংনকবা অদো বিজ্ঞান, সাহিত্য, কলাদা ফোংদোবকই। মপানগী মীগৌবা য়াওদনা হিরমশিং অসিদা লুপতুনা লৈবা মীওইশিংনসু ঐখোয়দা হিংবগী মওং কবিনো ভাকই। অসি হায়ত্তুনসু দর্শন মওং পুম্নমক, বিজ্ঞানগী শকলোন পুম্নমক সাহিত্য খুদিংমক কলা খুদিংমক পুনসিগী মওং তাফপা নৎতে, পুনসিবু, পুনসিগী নিংতম্ববু তান্নবা নৎতে। মীনাই ওইহল্লিবা শক্তিশিংগী উকিল ওইবা দর্শন লৈবা যাহ, নিংথৌরেলশিংগী মগুণ শকপা চিবোলগী সাহিত্য থেংনবা অওকপা নৎতে, বিজ্ঞান্না মীওইববু নিংতমহনবগী মহৎতা হেন্না পুনশনবা মতেং পাংথিবা যাই, কলাসু ললোন হৎতকক পুনশনথিবা য়াই। লৈবমলিবা শক্তিশিংনা মাহকৈ অসোমদা ঐখোয়বু উৎ চাইবা, অমসুং লৈবমলিবা সংস্কৃতিগী মুম অসিদগী থোবকপা খোঞ্জেলনা শন্দোক্লিবা অফবা পুনসিগী শকথমনি হাযবিবা অসিবু মচেৎ-মচেৎ তানা থাহদোককদবনি। অবোইবা রাহং অমা হংলকপা যাই। কবিগীদমক হিংবগী মওং তান্নগদগে? অফা-অপুন লৈজববসু পেনথোকনা হিংবনা ফৎত্রা? ঐখোয়গী পাওখুমদি, হিংবগী মওংগা নিংতম্বগা অবোইবা বিন্দু অমদা পুল্লে; অদুগা নিংতম্বগী চৈনাদগী মীওইবনা চেননবা কোৎনকবসু ভুংকোইবা য়াদে। মহাক্কী নিংতমবনা দাবী তৌরিবা কৎথোকপা নোংমদি মীওইবনা পীবা তান্নকই।

পুক্তি হায়বসিমক মুৎলরোইদবা নৎতে। মমি

মতমগী খোঙজাং

অনৌবা থমলমদদা লোংযা পুম্নাং মাংখিবদা অঙকপা নংত্তে। পাকচাওববা লৈশেম অসিদা শান্নরিবা শক্তিশিংগী মরক্তা পুম্নিদি তনিক তনিক খা বস্থু য়াই। অহুবু মসিমকনা পুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়না হিংবগী মওং অমস্থং মমল থিবিবা অসিবু লানহৎনা নত্তে। নিংতম্লবা পুম্নিগী মনুংদা এনা পেংনখিদ শিংদো পুম্নমক্কগী মমল যম্বনি। ঐনা খেনবা যাবা মমকগী লমদম অসিদি ভমথৈগী রাংমা লাল্লবনি, মইহৈক লেপত্রবনি। ভমথৈ লেংনবা অহাবা অমদা চক্লা চক্লা তবক তবক পাংবা ও খিবা নিংতম্বগী চৈনা লেবদগী মীওইবনা মশাক্ত নিংতম্বদগী চেন্নবা হেৎনবনি

চহি চা কযদগী হৌনা দার্শনিকশিং অশৈবদি বাখল চাওবা পুম্নমক্না শাগৎপা ... — পুম্নিগী নাংদা লৈজবনবা লেপ্প্রবা মপান নংনব অম। মদো ফমজল্লবা উনগুম ঈশবা অমস্থু মঙ্গা মনুংদ পামজনিবা মমল পুম্নমক থাসিংগী মচা লৈজবনবা। ঐখোয়দা হৌজিক লাক্লিবা মীৎসে অসিদা মসিগী হেক ওন্ন তৈনবনি। লেংদ্রবা মপান নাইদ্রবা অমগী মনুংদা য়ামহনা অত্তোপ্পা পুম্নি লৈবমগনি হায়বা অসিদগী হেন্না চাওবা মীনম্বা অমা লৈত্রবনি।

চেহুবিদা পুম্নি অমস্থং মমলগী ইচেলবু কবি-গুম্বা মফম অমতদা ফমজনহনবা ঙমদে। অম-বোমদহুম মপাল নাইদ্রবা মমলগী লৈশেম অমা থেংনবা তারবদি মদো শোইদনমক পুম্নিগী মনুংদা ওইগদবনি। হান্না যাৎতুনা থমলগা মপান্দগী লং-শল্লকপা মমলগী জগৎ অমনা ঐখোয়গী পুম্নিদা মবক থৎলবা ওইনা বাগম অসিবু লৌগদবা নংতে। পুনসিনা চেপ্তবকপদা মতোমতা অহুমক শেমজরক-পনি। অওইবমক পুনসিনা পীব ভমথৈগী মনুং-দা ঐখোয় থুদিংমক মপাল নাইদ্রবা অমমম থেং-নবিবনি। ঐখোয় থুদিংমকনা পীকচববস্থু ভমথৈ লৈজববস্থ পুনসিগী মনুংদা হিংবগী থুদম ওইবা ঐখোয়গী মপাল নাইদ্রববু শেমজবনি।

পিবাংগী চাংজো পানথবা, মীওইবগী পিনা মহা-কী থুযাথানু চানখোকচনা ভমজবা মীকপ নাবাও-বগনা মতেংদা থৌকদ্রবা **'অরহটকী নির্ব্বান'** (তিথগা মবা লৈনদবা থুডম অমা) থুজিন অসিনা পুনসি ইচেলগী ফমজনফম ওইবমবা তাববদি হিং-বগী অথ নৈতে। অমবেংমদা, হব ও তম্নামবগী যজববা অপাইবা লৈচিন মথদা পিবাগী তম্পাক লৈবম্বা থেংনবগা কাপ্পব ক থাশ গপিগীস্থ ঐখো-যনা বাবিক্রথন থোক্কে। পুনসিগী শকফমদি, শেগদনা শিন্নগনি খজবা পিসবিক কযদগী শাংৎপা লুংডাহবগী মপান নাইদ্রবা জগৎ কযনি অদেপ্পা লমং ফম অমা লৈবগী থাজবনবা মাংখ্রে। মাং-থ্রবস্থু, মাইকৈ লেপ্তবনা পুনসি ইচেলগী খাইথুম-নবদো হম্বহনবাদ ভমলোই। পুনসিগী ফজবদি মাইকৈ লেপত্তবদা লৈরমলে।

● ●

● চেকোংশিদা এডভর্টাইজমেন্ট তৌবগী রেট :-

মনিংগী মখুম — লুপা ১৯০/-   মখুংগী লমায় মপুং — লুপা ১২০/-


লমায় তঙ্খায় — লুপা ৬০/-   লমায় মঙুং — লুপা ৩০/-

এডভর্টাইজমেন্ট মেনেজর, 'মতমগী খোঙথাং'

এন্টি মেটর

টি ঐচ, নন্দবাবু

চহি কয়ামরুমগী মমাংদা বিজ্ঞানিকশিংনা লৌনরম্মী মতুদি মেটর (matter) হায়বা অসি অমুক হন্না থুগাইবা যাত্রবা য়াম্না পিকপা এতোম কৌবা পোৎ মচা মচাশিংনা পুনশিন্দুনা শাবনি। শোক ১৯১০ দা Rutherford কৌবা বিজ্ঞানিক অমনা চাংযেং অমা পাংথোকলম্মী। মহাক্কী চাংযেংদগী থংবা ওয়েমে মতুদি এতোমদগী হেন্না পিকপা পোৎ লৈরি। এতোমগী ময়াইদা নিউক্লস (Nucleus) কৌবা পোজিতিভ (po-i-tive) চার্জ লৈবা পোৎশক অমা য়াওবি। এতোম



অমগী মন্নুংদা নিউক্লসনা কল্লিবা জগা অসি চাউরাক্লা সেং মিঃ $১০^{-১৩}$ মুক্কি। এতোম অমগী মাস (Mass) অসি মহাক্কী মন্নুংদা য়াউরিবা নিউ-ক্লসকী মাস কা চাউবাক্লা মাম্নে। নিউক্লসকী মন্নুংদা প্রোতোন (Proton) অমসুং নিউত্রোন (Neutron) হায়না থংনবা অতোপ্পা পোৎ মথল অনি য়াউবি। প্রোতোনগীদি পোজিতিভ চার্জ লৈ অমসুং নিউত্রোনগীদি চার্জ লৈতে। নিউত্রোন্না লুম্বা থজিক্তুং হেল্লবসু, প্রোতোন অমগা নিউত্রোন অমগা চাউরাক্লা লুম্বা মাম্নে। নিউক্লসকী অকোইবদা নেগেতিভ (negative) চার্জ লৈবা

যাম্না য়াংবা ইলেকত্রোন (electron) হায়না থংনবা অতোপ্পা পোৎ মচাশিংনা কোইহনা লৈ। এতোম অমগী মন্নুংদা চার্জ লৈবা পোৎ মচা মচা য়াউরবসু, এতোম মশামকীদি চার্জ লৈতে মবমদি মহাক্কী মন্নুংদা যাউবিবা পোজিতিভ চার্জ লৈবা পোংশিংগা নেগেতিভ চার্জ লৈবা পোৎ-শিংগা মশিং চপ মান্নে। করিগুম্বা পোজিতিভ চার্জ মশিংনা নেগেতিভ চার্জদগী হেল্লবদি মহুবু পোজিতিভ আইয়ন (Ion) কৌই। অদুগা নেগেতিভ চার্জ মশিংনা হেল্লগনা নেগেতিভ আইযন হায়না খ নৈ। ইলেকত্রোনশিংনা নিউক্লসকী অকোইবদা কোইহনা লৈবা অসি গ্রহশিংনা সুমিৎকী অকোইবদা কোইবিবা অদুগা মওং চপ মান্নে, খেন্নবা হায়বদু সুমিৎ অমসুং গ্রহশিংগীদি চার্জ লৈতে অদুগা ইলেকত্রোন অমসুং নিউক্লসকীদি চার্জ লৈ। ঐখোয়না নিংশিংগদবদি ঐখোয়না লৈবিবা ইউনিভর্স অসি মেটরনা শাবনি হায়বা অসিনি।

মেটরগী ওন্না-তৈনবা মওং লৈবা এন্টি মেটর হায়বা পোৎশক অসি ১৯২৮ দা দিরাক কৌবা বিজ্ঞানিক অমনা ইহান হান্না থিজিনবা হৌখি। মহাক্না হায়খি ইলেকত্রোনগা লুম্বা চপ মান্নবা অমসুং ওন্না-তৈনবা চার্জ লৈবা এন্টি-ইলেকত্রোন কৌবা পোৎ অমা লৈবি। হায়বিবা অসি ১৯৩০ দা 'এন্দর্সন' কৌবা বিজ্ঞানিক অমনা তশেংনা লৈ হায়না কোসমিক (cosmic) রেজগী চাংয়েং

অমা পাংথোকন্নুনা ঊংখি অমসুং পোৎ-মচা অসিবু পোজিত্রোন (positron) হায়না মমিং থোনখি। অঙকপা অমনা ইলেকত্রোন অমগা পোজিত্রোন অমগা হেক শোক্লবা মতমদা মখোয় অনিমক খুদক্তা অহুম মাংখি অমসুং রেডিও (radi) বেভ (wave) ওইনা ইনর্জি পিথোবকই। মতাং অসিদা পোজিত্রোনবু ইলেকত্রোনগী এন্টি পাটিকল (anti particle) হায়না খঙৈ। কবিগুম্বা পোৎ অমবু অতোপ্পা পোৎ অমগা থেংনবা মতমদা অনিমক মাংপ্রবদি অমনা অমগী এন্টি পাটিকল কৌই। অসিদগী নত্তনা অতোপ্পা পাটিকলসং হায়বদি প্রোতোন, নিউত্রোন্নচিংবগী এন্টি পাটিকল পুথোক্কপা ঙমখি। মথংদা এন্টি পাটিকলশিং অসিনু পুনশিল্লগা এতোমগুম্বা এন্টি এতোম শানবা বিজ্ঞানিকশিংনা মখা তানা থিজিনবা হৌখি। এন্টি এতোমগীস্তু নিউক্লস লৈগনি মসিদা এন্টি প্রোতোন অমসু এন্টি-নিউত্রোন য়াউগনি অমসুং এন্টি-নিউক্লসকা অকোইবদা পোজিত্রোনশিং কোইহুনা লৈগনি। হৌহান হানবা ওহনা ১৯৬৫ দা Columbia University গী প্রোঃ লেডবেৎনা এন্টি-প্রোতোন অমগা এন্টি-নিউত্রোন অমগা পুনশিল্লগা এন্টি হিভি-হাইড্রোজেন (Heavy Hydrogen) গী নিউক্লস শেমখি।

হাইড্রোজেন এতোমগী নিউক্লসতা প্রোতোন অমতমক য়াউই অমসুং মশিগী অকোইবদা ইলেকত্রোন অমনা কোইহুনা লৈ। অসুম্না এন্টি-হাইড্রোজেনগী নিউক্লস অসি এন্টি-প্রোতোন অমথক্তনা শাগনি অমসুং মসিগী অকোয়বদনা পোজিত্রোন অমনা কোইহুনা লৈগনি। অহুনদি ঐখোয়না খংলে, এতোমশিংনা পুনশিল্লগা মেটর শাবগুমনা এন্টি মেটর হায়বসি এন্টি এতোম মযাম্না পুনশিল্লগা শেমগনি। মেটর অমসুং এন্টি-মেটর অনিগী খে ইদোক হেন্দোকপা মগুণদি মখোয় অনি অসি থজিক্তুং হেক শোক্লবা মতমদা পোৎথাইবগা লে ইননা পুকমাং মাংখি অমসুং ইনর্জিদা ওন্থোকখি।

বিজ্ঞানিকশিংনা ঐখোয়না লৈরিবা ইউনিভর্স অসিদা এন্টি-মেটর লৈ হায়বগী মখোযগী তোঙ'ন তোঙ'নবা মত পিরৈ। করিগুম্বা লৈবম্বা তাববসু মসি খুদক্তা অহুম মাংখিগনি অমসুং রেডিও-বেভ ওইনা ইনর্জি পিথোবক্কনি মবমদি ঐখোয়না লৈবিবা ইউনিভর্স অসি মেটরনা শাবনি। ইউনিভর্স অসিগী মফম খবদা অতং অথম লৈতনা রেডিও বেভ পিথোরকই হায়না বিজ্ঞানিক খরনা হায়রি। মখোযগী মত মতুংইন্না হায়রিবা মফম অসিদা অতোপ্পা মফম শ্রমদগী লাকপা এন্টি মেটরগা শোক্লবগীনি। চ'য়েংদগী খবা চংলে মতুংদি পাটিকল অমা শেম্বা মতমদা মগাক্তা এন্টি পাটিকল অমগা শোইদনা লোতনবক্কনি। পাটিকল অমসুং এন্টি পাটিকল হায়বসি অমুক্তদা অমসুং মতম অমত্তদা পুন্না শেম্মী, অমমম ওহনা তোঙান্না শেমদে। অহুনদি মেটর অমসুং এন্টি-মেটর হায়বসি চপ মান্নবা চাংদা শোইদনা লৈগনি। কবিগুম্বা মেটর গী চাংনা এন্টি মেটরগী চাংদগী হেল্লম্বা তাববদি গ্রেভিতেশনেল ফোস, মেগনেতিক ফোর্স, ইলেকত্রোসষ্টেতিক ফোস অমসুং নিউক্লিয়ার ফোস মখা অসি নত্তবা অতোপ্পা মচাগুবা ফোস অমা লৈগনি। অহুবু বিজ্ঞানিকশিংনা থিজিল্লবা মতুংদা

অসিগুম্বা মঙাশুবা ফোর্স অসি ইউনিভর্স অসিদা লৈতে হাযবা থংলে। গ্রেভিতেশনেল ফোর্সকুম্না মেটব অমসুং এল্টি মেটর অনিগী মবক্তা চিংশিন-নবগী ফোস লৈতে। অমনা অমবু ইম্থোক্লবা হোংনৈ হাযবদি মথোয অনিগী মবক্কা লৈল্বিবা যোস অসি থক্তোক্লবা ফোসান। ঐখোয়না লৈবিবা ইউনিভর্স অসি শেমথিবা মতমদা মসিগা চপ মান্নব চাদা লৈবা অতোপ্পা এল্টি হউনিভস অমা লৈরমবা য়াই হায়না থাজনৈ, মসি এল্টি মেটরনা শাগনি। হাযবিবা এল্টি হউনিভস অসি করিগুম্বা লৈরম্বা তাববসু ঐখোযগী ইউনিভস অসিদগী যাম্না থাপ্না লৈরমগনি মরমদি অমনা অমবু থংক্তোক্লবা হোংনৈ। এল্টি ইউনিভস অসি তশেংনা লৈত্রা হায়বা অতুদি কনা অমনা চাংযেং পাংথো ক্ুনা উৎপা ঙমদ্রি। অসিদসু নত্তনা পাবার লৈববা টেলেশকোপকী মতেংনসু ইউনিভর্স অসিনী মফম অমদা এল্টি মেটব লৈ হাযবসি পুথোকপা ঙমদে। কবিগুম্বা লৈবম্বা তাববসু মথক্তা হায থ্রিবা অতুগুম্না মঙাল ওইনা পিথোবক্কনি।

এল্টি মেটবগী মওং অসি কুপ্না থিজিন্দুনা মবাং কাইনা অমসুং চাংনাইনা পুথোকপা ঙম্নবদি বিশ্বা নগী খোঙথাংদা অনৌবা লম্বী অমা পুক্কপা ড্রমংমি অমসুং মীওইবগী চাউখৎ লম্বীদা অক্কবা পুক্কনি থম্নি। মেটব অমসুং এন্টিমেটব থেংনবা মতমদা পিথে বকইবা ইনর্জি অতুনা রোকেটনচিংবা স্পেশ-ক্রেপশিংদা শিজিন্নবা ঙম্নবদি চাউলাক্লা মঙালগা যাংবা মান্নবা পাইবা ঙমগনি অমসুং অথাপ্পা এহ-শিংদা চৎপা মতমদা মতম কুইনা চশিবা অসি অতেনবা মতমদা শোইদনা যৌবা ঙমগনি মবমদি মঙাল অসি অগুক্কী মতিক যাংনা চংলি চউবাক্লা সেকেণ্ড অমদা কিঃ মিঃ ৩,০০,০০০ মুক যাংনা চৎপা ঙম্মী। এল্টি মেটবনা কাম্নগদবা হিবম কযাদা শিজিন্নবা য়ারবসু মাংনবগী মশক ওইববা অতোপ্পা লম্বী কয়াদসু শিজিন্নবা যাই। মীওইবনা হৌজিক শক্তি য়াম্না লৈ হাযনা লৌনবিবা হায হ্রোজেন বোমদগী মেটর অমসুং এল্টি মেটব পুন শিল্লগা শাবা বোম অতুনা শকক য়ম্না হেন্না শাক্তি লৈবা হেনগনি মবমদি হাযদোজেন বোম অমনা মাগী মেটবগী শকক চামগী মনুদা অমতমক হনজিদা পিথোরকহ। অতুবু মেটব অমসু এল্টি মেটব থেংনবা মতমদদি মেটবগী শকক চামগী মমুংদা চামা হনজিদা পিথোবকপা ঙমহ।



● ‘মতমগী খোঙথাং’দা ফোঙনবা সাহিত্য, সংস্কৃতি, সমাজ অমদি বিজ্ঞানগী মরমদা ইবা য়াহৈ ৯০০ রোমদগী হেন্দবা আর্টিকল অমদি রিসাচ পেপর ইডিটবগী আফিস লম্লোং বজাবদা থাবীরকপা য়াগনি। লমায় নামতদা য়ারিব মখৈ ইংলিস ময়েক য়াওদনা, হৌজিক চংনরিবা বাঙ্গালী মযেক্তা ঙাক ইবীরক্কদবনি।

● ইডিতোরিয়েল বোর্ড—

াইনা ভারতগী তমখি। ইংগ্লেসিঘদ লেযোলানা হোন্দোকহোম্লিন তৌবদা ঈশ্বরগী লাইশোন রাইহেন্সিং 'Our Father which art ...en, hallowed be Thy Name' ...ু হায়খি। ঈশ্বর নিংনবা Mystical ...পাম্বেদা চংবা হকচাংগী মচ'কশিংদা ...নবা নাতোন মতোন্দা নত্রগা ...সি পুক্রিং পুনশিনবা হুচাই। ...ক্কি ইনলম্বগী খুদম যাম্না নৈনবদা উবা ফংই। ...ক্না ওন্থোকপদি ...থো- ...সিলিদগী ঈ কংকে, নপ্রাক্রুংর ঙিকং ওইডুনা ...

ফাবা যৌবন অমসুং বৃত্রা হুম্ম মযাই কাবা, পুল্লিদা মতাং ও সিগা চাম্লনা, খব ও লক হোনবা, মতম কাল ও, ভুত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমানগী মরম ভাকই। সাংখ্য জ্ঞান খংলবদি থরাইনা ত্রিপাপ কোক্তুনা অফবা লম্বী চংলি (লমাই ১০৫)। স্বধর্ম্ম জ্ঞানদি মীচুগী শিনফম অমসুং হৈনবকপা মতুংইম্না থবক শুডুনা সমাজ চাউখৎহনবনি। ব্রাডলীগী 'মাই ষ্টেসন এণ্ড ইটস ডিউটিজ' অচু আছা তৌডুনা ইবনি। ব্রহ্মজ্ঞান কৌবদি অপাকপা অর্থদা কৃষ্ণদগী শিন্থখিবা আত্মাগী মশক তাকপা জ্ঞান ওইনা লাহরিকসিদা পল্লি। দিব্য জ্ঞান্না মৈবাগুম্না থম্মোইদা ডাম্ললুনা সাধুদগী অফবা পাউতাক তারবা মী খোদাংমক ওইত্রবসু)

ব্রা স ক্তু দি ক দা ই !!

কোটি যাখেগী চাকথাউ, সর্ব্বোদয় সমাজ।
ঐ পামদ্রে নোক্লহনবা মুংসিপবু
তাজমহল সাদবা ঐশুম্বা কযাগী
স্মৃতি চিহ্ন ওইনা, (ঐশুম্বা কযাগী ঈ খোমগৎলগা)
নংসু খ লিডনি—
চুম ফাগংসিংদো ফক্লাংদগী
ছিংলম্বনি কোইচেন চেন্দুনা,
ফক্লাং চাংজোগী পৃথিদা,
তুমিং কা কয়া যুমজিল্লগা
তেনবা মচিনগী গর্ভ সমুদ্রদা।
(তুমিন লৈপ্রে ম্যুজিয়ম জিব অমগুম)
সিথবক্লবা যুগসিগী য়াওলদা
পুলা। ইনাং !! ...
গুম্মক মাংহনবিরবা কাথুগী জিবা,
কদাই ঐখোয়দি কদাইদা!
কদাই রাশক্তুদি কদাই !!

খাংজম বিনোদ।

অসিগুম্বা মঙাশুবা ফোর্স অসি ইউনিভর্স অসিদা লৈতে হায়রবা খংলে। গ্রেভিতেশনেল ফোর্সকুম্না মেটর অমসুং এন্টি মেটর অনিগী মরক্তা চিংশিননবগী ফোর্স লৈতে। অমনা অমবু ইথোক্লবা হোংনৈ হায়বদি মখোয় অনিগী মরক্তা লৈরিবা ফোর্স অসি থক্তোক্লবা ফোর্সনি। ঐখোয়না লৈরিবা ইউনিভর্স অসি শেমখিবা মতমদা মসিগা চপ মান্নবা চাংদা লৈবা অতোপ্পা এন্টি ইউনিভর্স অমা লৈরমবা য়াই হায়না থাজনৈ, মসি এন্টি মেটরনা শাগনি। হায়রিবা এন্টি ইউনিভর্স অসি করিগুম্বা লৈরম্বা তারবস্ত ঐখোয়গী ইউনিভর্স অসিদগী যাম্না থাগ্না লৈরমগনি মরমদি অমনা অমবু থক্তোক্লবা হোংনৈ। এন্টি ইউনিভর্স - -

পুনশিন্নবা, অখংগী অধ্যায় ৬ — ১২ ফাউবদা ভক্তিগা জ্ঞানগা পুনশিন্নবা অমসুং অরোইবগী অধ্যায় ১২—১৮ ফাউবদা জ্ঞান, কর্ম্ম অমসুং ভক্তি অহুম পুনশিন্নবা তাকই। শঙ্কর অমসুং মাগী সেবকশিংনা জ্ঞান মার্গদা গীতাবু পুনশিনলি। ৪শুবা অধ্যায়দা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা জ্ঞান যোগ তাকখি। জ্ঞানদগী হেন্না শেংদোক্লবা লৈতে; কর্ম্ম পুম্বা জ্ঞান য়াউরবদি মনিৎ তাংই হায়রবা উৎলি। গীতাদা পীরিবা জ্ঞান অসি ঐগী অচম্বা রাখন্না খোকপা নত্তে; বিজ্ঞানগী মওংদগী হেন্দোকখিবা ঈশ্বরগী মীৎয়েংনি। মীবু হায়গৎহনবা ঈশ্বরদা তপস্যা তৌহন্নবা লম্বাবু জ্ঞান ওইনা পী। খংলিবা অহুনা পর ব্রহ্মন, খংগদবা পোৎ মোক্ষ অমসুং অনিগী মরি লৈনবহ্ জ্ঞান যোগনা নৈনৈ।

মীনা মশাগী মচেৎ খরদা খংই, মাগী লমচত্তা মতিক শীজিন্নবা মনুংদা লৈবা জ্ঞানগী মথন কয়া লৈ হায়রবা হৌজিক্কি মন-বিজ্ঞান হৈবা মীনা উৎলি।

নগী খোঙথাংদা অনৌবা লম্বী অমা পুক্কপা ওম অমসুং মীওইবগী চাউখৎ লম্বীদা অক্কবা পুং-খল্লি। মেটর অমসুং এন্টিমেটর খেংনবা পিথে রকইবা ইনর্জি অহুনা রোকেটনচিংব ক্রেপশিংদা শিজিন্নবা ওম্নবদি চাউরাক্ক ফুংনা যাংবা মান্নবা পাইবা ওমগনি অমসুং৭৫] শিংদা চৎপা মতমদা মতম কুই অতেনবা মতমদা শোইদনা খেপ, কৌর্ত্ত মঙাল অসি অশুকী মতি এপঃ বি পিঃ এইচডি সেকেণ্ড অমদা কিং ন অহু মপানগীনি অহুনা আত্মা চৎপা ওমী। ওমদে। মপান্দগী পুক্নিং লৌথোক্লগা কযাদা মনুংদা ধ্যান তৌনবা যোগগী মওং অসি গীতাদা পী। হুডাইবা মফমদা ফংলগা, স্বর থিংজনা অমসুং বিন্দু অমদা পুক্নিং থুংলগা ঈশ্বর ফংই। বুদ্ধনচিংবনা যোগ অসি মীওইবগী কান্নবা উৎপিখি। মীয়ামগী শক্তি পায়নবা অমসুং ওইজবা ফংনবা যোগ সাধন তৌবহ্ গীতানা যাদে। পাতঞ্জলী যোগদগী হেন্না চম্বা মীপুম তিংনা অভ্যাস তৌনবা যোগ অহু শ্রীকৃষ্ণনা তম্বি। ধ্যান যোগ — আত্মাদা পুক্নিং লুপ্পুনা থম্বা, বিচার যোগ — খনবা অমসুং তপ তৌবগী যোগ অমসুং জ্ঞান যোগ লৌশিং অমসুং আত্মা খংনবগী যোগ অসি গীতাদা মরিক চুম্না নৈনৈ। পুক্নিংগী অনাবা অমসুং য়াইখিবা ফংবা, মথং মনাউ ফাইরকপা কান্দা জ্ঞান্না মথন ও অসি য়াম্না মহৈ য়ানলি। মী অসি হুকচাঙ্গা নত্তে; পুক্নিং, আত্মা অমসুং পার্সোনেলিটিগী শকফমশিং কয়া থাইনগী লৌশিং ওইনা গীতাদা নৈনৈ।

নোংচুপকী লমশিংদা-ম্বরাহোন্নবগী নিয়ম তাংই।

মথোইনা ভাগ্রত্তনী তমখি। ইগ্নেসিয়স লোয়োলানা স্বয় হোজোককহোজিন তৌবদা ঈশ্বরগী লাইশোন অশৌবা য়াশৈশিং 'Our Father w'i'ch art in heaven, hallowed be Thy Name' অসি য়াউহনল্লু কায়খি। ঈশ্বর নিংনবা Mystical (খংবা ওমদবা) পাম্বৈদা চংবা হকচাংগী মচ'কশিংদা আসন, স্বব হোনবা নাত্তোন মতোন্দা নত্রগা পিস্তমলোমদা যেংশিনবসি পুক্নিং পুনশিনবা মূভাই। মৈতৈগী সাধকশিংনা মফি ইনলম্বগী খুদম যাম্না মৈতৈলোন অবিবগী গীতা নৈনবদা উবা ফংই। অফবা মগুনশিংদা নিংবা অমস্থ থবক্তা ওম্ভোকপদি কয়া চোয়বা উদে। মথোযত্থদি কিগনন্দবা, থৌ-না ফবা, অহিংসা অমস্ত নোন্নুকপনচিংবা তপস্যা তৌববুনি।

মৈতৈলোনগী গীতাদা সাংখ্য জ্ঞান, স্বধর্ম্ম জ্ঞান, ব্রহ্মজ্ঞান (দৈব জ্ঞান), মহাজ্ঞান, উত্তমজ্ঞান অমস্থং মানসিক জ্ঞান হায়না খায়দুনা মথং মনাউ তাকপা অঙকপা থুক অমা থেংনৈ। লাইবিক অসিগী ওস্তুবা অধ্যায়গী লমাই ৯২ দগী হৌনা অর্জ্জুনগী নুংনাংবা কোক্নবা কৃষ্ণনা সাংখ্য জ্ঞান তাকপা হৌখি। "সাংখ্য জ্ঞান কৌবদু বাজ্ঞ নিংথৌগুম পাঙ্গল থোইনা লমক্কেংবে। ... সাংখ্য জ্ঞান অথোইববু উনবি পরৈ চেংনা লৌক্তরবদি তাইবং যাম্না মর্মলিববু নোংপোক মবাইতায়গী খেনজোংলক্লবগা তাইবং পুম্বা গুনখিবা অদু লৈবাং মতম মানবগুম্ববু থম্মোই লাইয়িমমুংদা অবিদ্যা মায়া জ্ঞাম্না শুঙ্কংলিববু চেং-লৌ মরমদা কোক্নখিযে (লমাই ৯২—৯৩)।" হরি নিরঞ্জনগী মতান খিক্কিক্কনা মীগী আত্মা ওইবা মীওইবগী পুক্তিদা তাক্কক ৩,— অঙাংগী মতম, মপুং ফাবা যৌবন অমস্থং বুড়া হুমু ময়াই কাবা, পুক্তিদা মতাং ও লিগা চাম্না, স্বব ৩ লক হোনবা, মতম কাল ৩, ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমানগী মরম তাকই। সাংখ্য জ্ঞান খংলবদি থরাইনা ত্রিপাপ কোক্তনা অফবা লম্বী চংলি (লমাই ১০৫)। স্বধর্ম্ম জ্ঞানদি মীচুগী শিনফম অমস্থং হৈনবকপা মতুংইম্না থবক শুদুনা সমাজ চাউখংহনবনি। ব্রাডলীগী 'মাই ষ্টেসন এণ্ড ইটস ডিউটিজ' অদু আছা তৌদুনা ইবনি। ব্রহ্মজ্ঞান কৌবদি অপাকপা অর্থদা কৃষ্ণ-দগী শিন্থখিবা আত্মাগী মশক তাকপা জ্ঞান ওইনা লাইরিক্সিদা পল্লি। দিব্য জ্ঞাম্না মৈবাগুম্না থম্মোইদা ভাঙ্কলন্দুনা সাধুদগী অফবা পাউতাক তাববা মী অদুনা মাগী পুক্নিংবু লিকং ওইদুনা শিজিন্নৈ। প্রাম্না (থবাই ওচনমু লৌই) লাইগী খুয়াদা পান্দম চম্না থৌদাংজৈ। জীব (থরাই ওইনা অথ অমদা লৌই) না তেনবী মশক ওইদুনা তেনকাপ চুম্না কাপই। মতুগুম্বা সঙ্গ অফবা মী অদু অরাং ঈশৌ লাংজ্রে (লমাই ১৬৩)।

মহাজ্ঞান, উত্তম জ্ঞান অমস্থং মানসিক জ্ঞান মথোই অদুম অসি মাগী হকচাবু লাইফম ওইনা পান্দুনা লাই নিংবা ওন্নগী প্রভাবতা কম্না নৈন-দুনা ই। ভক্তিদা মবি লৈনবা অমস্থং মতেং পীবা ওইনা মমাংথৈগী মৈতৈ বৈষ্ণবশিংনা পাম্নবম্বা উত্তল্লি। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুন্দা মহাজ্ঞান অধ্যায ৭ কী লমাই ২০০—২১০ অং চফাওবদা তাকই। হকচাং ফিথুপ ৩, কাপুম ৯, ইদ্রি ১১, লাইথোং ১, ভাংবুম ১০৮-মীচুন ৬১, শিংলি মকওইবা ৯, মকওইবা শিংলি ৩ (ঈঙ্গনা, পিঙ্গনা অমস্থং সুষুম্না), থোয় মখাযদা লৈবা কুণ্ডলিনী চক্র, কুণ্ডলিনী মমুংদা স্বামী

থম্বাল শাংপা অমস্তুং থম্বালগী লৈকা, থম্বাল লৈও-ঙুংদা উত্তমবেদ – সামবেদ লৈ হায়বা অরোনবা মাইবা কাংলোন অমস্তুং তন্ত্রগী কাংলম অহু পনবা উই। মীওইবা মপোক্কনা থম্বাময়ুংগী আমৃত থকপা ঙমই।

মন বুদ্ধি অনিনা কুণ্ডলিনী চক্রদগী বক্ষ্যবীগী চক্র তান্না চংশিনখি। তীর্থ অসিদা লৈনা ১৬ পানবা কমল ধবল কৌবা থম্বাল অঙৌবা অমা শাংলি। লৈয়োম্মুংদা চক্র মণ্ডল থাগী মকোই মাম্বা লৈ অমস্তুং মহুদা অমৃত শিদব-হীনা অহিং মুংথিল নাইদনা চেম্থে। লাইফম অসিদা পরমাত্মা পরম-হংস অনিমানা মঙ্গল ফম্বি ওইহুনা থৌবম অতংপা নাইদনা লৈ। মন বুদ্ধি অনিমনা অমৃত থক্কুনা লাই অনি উবা ফংজবদি মহাজ্ঞান ফংলবা কৌই। মথংদা ইন্দ্রি ১১ অমস্তুং মনবুদ্ধি থোইনা গুরুগী য়াথং ইন্না অমুক চংশিনখিহুনা ত্রিবেনী তীর্থ লাই-ফমলেন য়ৌথি। মসিদা পুক্লিংহুবা সনামচু মানবা অমৃতশিদা হীনা তীর্থ ঈবোঙ অহুম ফাংবগী যেং-ওইদা আত্মা লৈ। প্রান, অপ্রান অমস্তুং মুংশিং ১০ না মতম পুম্বদা লৈ। তীর্থগী মথাইদা মন্দির অমা লৈ; মন্দির মমুংদা মুপা মুপী নাইদরবা পরা ব্রম্হগী ফম্বি মফম ওই। মন, বুদ্ধি অমস্তুং ইন্দ্রিশিংনা একান্তিক ভক্তিনা ঈশ্বর মপুরেন উজ্জ-রবদি চঙনা লানবা ওই। শিরবস্থ হরিগী শিন-ফমদা লেপ্না তিনলি।

ভক্তগী লম্বি ৩ থকস্থ নৈনরি। (১) কনিষ্ঠ— অয়া-অনাশিংবু পাংহুনা দান ধর্ম্ম তাগ্নহুনা পুক্তগী মথৈদা উজবা মীওই; (২) মধ্যম — দান ধর্ম্ম থজলবা মতুংদা ঈশ্বর লৈরি হায়না পুক্লিং শান থঙবা য়াইমবা অমস্তুং (৩) উত্তম — সাধু অকনগী গুণ থঙবা মীওই – অসুম্না পনলি। অকনবা মী-হুনা পলেম-পম্বোগী মগুণ, লাইগী অমস্তুং. অঙ্গি ক – খ তম্বিবা ওস্মাশিংগী মতিকপু থরাই অয়াম্বদা শন্দোকই।

উত্তম জ্ঞান অসি লমাই ২১১ - ২১৬ ফাউবদা মশক উংলি। মথংদা পনখিবা স্বব হোনবা অমস্তুং মিষ্টিকেল (শেংনা থঙবা ঙমদবা) ওইবা শকওং থরহু উংপা যেংনৈ। দেহদা নিংশা লৈগ্রবদি হিংদে। হকচাংবু স - ও কৌই। মীগী হকচাং অসি 'হ' কৌবা মযেকনা পুথোকনৈ অমস্তুং 'র' না হজিন্নৈ। 'হ' গী 'র' গী মরক্তা স' মযেক্কা থোংজাউ থিংনা লৈ। 'স' 'র' মতাং ২ নি — (১) মমুংথংবা কাঞ্চন স্না অহিংবা মচু অমস্তুং (২) লশিং মচু শুম্বা মপানগী মচু মথোয অনিগী ধাতু মচবু পুক্লিংনা উগনি। মথংদা মধ্যম চক্র লাইফমদা চংই। থোয়গী মমুংদা লৈবা মধ্যম চক্রবু সুসুম্নানা ৩ লক যেংলি। মথক্তা কাখংলি। যেংলম্বগী ময়াইথংববম চারি অঙ্গুব থুংতোল মবিনী মতমদা ফম্বি ওহবিবা জীব উনৈ। মাং তুং উবা ঙম্বা কৌই। প্রান অপ্রান অনি জুরা মাম্নবা চংহনবদি পুন্সি মুং-শাংবা ওই। লাইনিং মহৈ য়ানবা ওই। মহাজ্ঞান্দা পনখিবা চন্দ্রমণ্ডল থাগী মকোইদা পবমাত্মা পরমহংস ২ না লৈবহু অরেখা নম্ভে হায়বহু মথাদা নৈনরি। —মথং-মথং

● মণিপুরগী অতাঙবা ফোটোগ্রাফ লৈববদি কোভরদা হাপ্নবা থাবীরকউ।

● ইডিটরিয়েল বোর্ড

তরেংগুবা এসিয়ান গেমস, ১৯৭৪ গী সেপ্তেম্বর ১দগী ১৬কাওবা চংথখিবা অংদা, ভারত য়াওনা লৈবাক ২৫দগী এথলেট ৩,০০০ না শরুক য়াখি। ইরানগী কোন্নুং তেহরানদা চংথখিবা এসিয়াদ অসিদা স্পোর্টস প্রোগ্রাম তরাতরুক্কী মন্নুংদা ভারতনা আইতেম তরামাথোই হায়বদি —এথলেটিকস, হোকি, ফুটবোল, ভোলিবোল বেদমিন্টন, রাটরপোলো, স্যুটিং, সাইক্লিং, বোক্সিং রেসলিং অমস্নুং বেঠলিফটিংদা শরুক য়'ই। হন্দক্তা অহানবা য়াওবা চিনানা প্রোগ্রাম ১৬শিগী মন্নুংদা হোকি অমস্নুং বোক্সিং নত্তনা আইতেম খুদিংমক শরুক য়াখি।

—এল, নবকুমার রোয়গী

• তেহরান হন্না য়েংবদা •

গেমস অসিদা থাইদগী যাম্না মেডল ফংলিবা লৈবাক্তি জপান্নি অতুগা মথংনা ইরান্নি। ভারতনা গোল্ড মেডল মরি, সিলভর তরানিথোয় অমস্নুং ব্রোঞ্জ তরানিথোয় ফংহুনা তরেংস্নবা ওই। বিজয়-সিং চৌহান, শ্রীরাম সিংহ, টিঃ সিঃ য়োহান অমস্নুং সিভনাথনা ভারতকী মায়কৈদগী গোল্ড মেডলসিং অতু পুরকখি। চৌহান ডেকাথলোন্দা পোইন্ট ৭,৩৭৫ ফংহুনা বেঙ্কোক এসিয়াদা — (১৯৭০) কী রেকোর্ড থুগাইখি। জপানগী জুনিচি ওনিটস্নুকানা ১৯৭০দা পোইন্ট ৭,০৭৩ ফংহুনা থমখিবা রেকোর্ডনি। ওনিটস্নুকা হন্দক পোইন্ট ৭,২৯৪ ফংহুনা সিলভর মেডালিষ্ট ওই অতুগা ভারতকী সুরেস বাবুনা পোইন্ট ৬,৮৩৬ ফংহুনা আইটেম অসিগী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ওই। হৌখিবা মুনিক ওলেমপিক্তা [illegible] ডেকাথলোন্দা পোইন্ট ৭,৩০৮ ফংখি।

ফংখিবা মেডল মশিং

লৈবাক	মেডল	সিলভর	ব্রোঞ্জ
জপান	৭৫	৫০	৫০
ইরান	৩৬	২৮	১০
চিনা	৩৩	৪৫	২৮
সাউথ কোরিয়া	১৬	২৬	১৫
নর্থ কোরিয়া	১৫	১৪	১৭
ইজরাইল	৭	৪	৮
ইণ্ডিয়া	৪	১২	১২
থাইলেণ্ড	৪	২	৮
ইন্দোনেশিয়া	৩	৪	৪
মোঙ্গোলিয়া	২	৫	৮
পাকিস্তান	২	০	৯
শ্রীলঙ্কা	২	০	০
সিঙ্গাপুর	১	৩	৭
বর্ম্মা	১	২	৩
ইরাক	১	০	৫
ফিলিপাইনিজ	০	২	১২
মালয়াসিয়া	০	১	৪
কুবাট	০	১	০
আফগানিষ্টান	০	০	১

শ্রীরাম মিটর ৮০০গী লমজেন্দা মিনিট ১ সেকেণ্ড ৪৭'৬৭ তা চেনখি। মহাক্না ১৯৭০ গী বর্মাগী যিম্মি ক্রোমতোননা মিঃ ১ সেঃ ৪৯'৯ দা চেনখিবা রেকোর্ড অতু থুগাইখি। য়োহান লোঙজম্পতা মিটর ৮'০৭ চোঙখি। মহাকী অনৌবা রিকোর্ড

জঙ্গী সিয়াদ ১৯৭০ দ' হুপানগী সিঙ্গি উণ্ডুগা না মিটর ৭'৬১ চোঙখিবা তঙ্গুগী মাযোক্তনি। আই তেম অসিমক্কুন্দা ভারতকী সাতিস পিলাইনা মিটর ৭'৫৮ চোংতনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। চহি ২০দা স্থুরিবা শিভনাথনা মিটর ৫,০০০ গী লমজেলদা ভারতকী মাইবৈদা গোল্ড মেডল অমগা পুরকখি, মহাক্না মিটর ১০,০০ দগী সিলভর মেডল ফংখি। শিভনাথ বা মাংবা ভারতকী মাইকৈদা সিলভর মেডল পুরকখিবশিংগী মধ্যদা নিরমল সিংহ, মহাক্না হেমর থ্রো দা মিটর ৬০ ০২ লংখি। জাপানগী মুজাকু সিন মিটর ৬৬ ৪৫ লঙখিবনি। মোহিন্দর সিংহ ত্রিপল জম্প দা মিটর ১৬ ২৫ চোংতুনা সিলভর মেডল ফংখি। সোটপুৎতা বহাদুর সিংহনা মিটর ১৭ ৯৪ লংদুনা সিলভর মেডল পুরকখি।

মরুওইবা অনৌবা রেকোর্দ থরা :—

মিটর ২০০ গী লমজেল	—সেঃ ২১ ০৯	(থাইলেণ্ড)
মিটর ৪০০ গী লমজেল	— সেঃ ৫১ ৬৯	(ইরাক)
মিটর ২১০ গী হর্ডল	—সেঃ ১৪'২৬	(চিনা)
হায়জম্প—	—মিটর ২ ২১	(ইরান)
ডিস্কস—	—মিটর ৫৬'৮২	(ইরান)
সোটপুট—	—মিটর ১৮'০৪	(ইরান)

ইরোয়বগী আইতেমশিংদা গোল্ড মেডল ২৫ গী মরুওদা জাপান্না ২২ লৌখি। মসিগী মরুওদা অনৌব রেকোর্ড নিপানস্থ থমখি।

মরুওইবা টিম রার্ক্‌শিংগী মনুংদা ইরান্না ফুটবোলদা গোল্ড মেডল অদুগা ইজরেলনা সিলভর মেডল ফংখি। ভোলিবোলদা জাপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল মথংশিংনা ফংখি। বাস্কেট বোলদা গোল্ড মেডল ইজরেল, সিলভর মেডল সাউথ কোরিয়ানা লৌখি। ভারতনা নিপাগী বেদ মেন্তন্দা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংখি। জাপান অমসুং ইন্দোনেশিয়ানা মসিগী গোল্ড মেডল অমসুং সিলভর মেডল মথংশিংনা ফংখি।

হৌখিবা এশিয়ান গেমস অদুদা ভারতনা থাইদগী নিঙবা কাযখিবা অমদি হোকিদনি। পাকিস্তান্না ভারতপু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা ১৯৭৪ এশিয়ান গেমস হোকি গোল্ড মেডল অদু লৌখি। পুম্না হোকি টিম তরুক্না শরুক য়াথিবা গেমস অদুদা ভারতনা মথংশিংনা মালযশিয়া, জাপান, শ্রীলঙ্কা ১৭ং ইরানবু পাঙ্গল ২—০, ৩—০, ৭—০ অমসুং ১১-০দা থোযবকতুনা পোইন্ট ৮ ফংখি, অদুগা পাকিস্তানস্থ হায়খিবা টিমশিং অসিবু পাঙ্গল ৪—০, ৩ – ০, ১২ ০ অমসুং ১৫—০ দা মথংশিংনা থোয়বকতুনা পোইন্ট ৮ ফখি পোইন্ট চপ মান্নবা ভারত অমসুং পাকিস্তান ফাইনেল অহানবা শান্নবদা পাঙ্গল অমনম চন্নতনা দো। ওইহনদগী অনিরুক শান্নখি। অমুক হন্না শান্নবা মতমদা পাকিস্তান্না ভারতপু পাঙ্গল ২—০ দা মায়থিবা পীথি।

ভারত অমসুং পাকিস্তান শান্নখিবা অদু পাকিস্তানগী টিম বার্কতা হেন্না ফজখিবতা নৎতনা, মখোয়গী প্লেয়ারশিংনা মশা-মশাগী পোজিশনশিংদা হৈশিংবা হুদ য়াম্না নিংথিজনা উৎখি। শান্নবা হৌবা মিনিৎ তরক্তা ভাইবিতৈদা, সোর্ট কোর্নর অমা মনপুর (রাইট বেক)না চনখি। ২২ শুবা মিনিত্তা পাকিস্তানগী অনিশুবা গোল চনখিবা অদুদগী ভারতকী লৈবক্না আশা অদু মাঙখি, অমসুং শান্নবগী মওং অদুসু হুন্ত-বকখি। অমবোমদা পাকিস্তান্না মখোয়গী হেন্না ফজব মওংদা শান্নবা অদু উৎপা ভমলকখি। ভারতকী

অশোয়বশিংগী মমুংদা ঐখোয়গী ফোর্বাদশিংনা গোল চনবিবক্তবশি অমনি। মখোয়না অযাম্বা মতমদা ফজনা পোষ্ট য়োৌবা ঙমজবস্থ বোল অদু য়ৈশনবা ঙমদবনা ভাবতনা মায়থিবনি হায়বা য়াই। সোর্ট কোর্নবদস্থ ভারতকী মাইকৈদা তরুক যংথিবনি। অদুবু মচু গোল অমতা চনবা ঙমখিদে। অদুগা পাকিস্থানগী মাইকৈদা সোর্ট কোর্নব মবিতা ফংখিবদা অনি চনবা ঙমখি।

হন্দক্কী এশিয়ান গেমস ফলশিং অসি য়েংলুবগা ভাবত ত্রেক অমস্থং ফিল্দ আইতেমশিংদা ফজনা পাঙথোকখি হাযবা যাই। তৌইগুম্বস্থং অতৈ অতোপ্পা অমদি অপিকপা লৈবাক খব অসিগা চাংদম্নরুবগদি য়াম্না থাগৎনিঙাইদ ওইদে। আইতেম খবদদি মশাগী বেকোড ফ ওবা যৌজদবা য়াওই। থোবক্লিবা ১দি পুথোবক্লিবা প্লেযাব অমস্থং এথলেটশিং অসি অমুক চাওবা লৈবাক তমগী ওইনদি মতিক চামজ্রবনি। অমনা হোকিদা ভাবতনা থংনা থংনলা ওলেম্পিক তাইতল লৌবগা চংি খবা অসিদা নিঙহম্নবা খবা লাক্লিবা অসি ভাবত মচা খুদিংমক্কী থম্মোযদা ফাওই। মবমশিং অসিদগী ঐখোয়গী স্পোর্টস ফেদবেসনশিং অমদি বাজ্যশিংনা খব হেন্না মিংযেং চঙশিনবা দবকার ওইবে।



(লামাহ ৩০ গী মথা)

থাবা গকবগী মথক্তা তোবা বিষ্ণু মূর্ত্তি অমা ক্যাম্বদা পিবকনমই। মৈতৈ নিথৌনস্থ পুংযৈবা অমা পোং নিংথৌদা খুদেন ওইনা পিখি। পোং নিথৌনস্থ যম্ন খোংবা নিপা অমা ক্যাম্বদা পিখি। বংম্বনা মণিপুবদা খুন্দাব্বা ত্র ক্ষিন থিদোক্তুনা বিষ্ণু ইবাৎপা হৌখি। অমস্থং বিষ্ণু-মন্দিব অমা বিষ্ণুপুবদা (লমাংদোং) শাগংখি। হৌজিক্তি বিষ্ণু মূর্ত্তি অদু গোবিন্দজী মন্দিবদা ঈবাৎলি।

অদুবু পোংগী নিতম্বা ঙাকপা ঙমদবদগী অবানিংবাযিনোনা খৃঃ ১৫৬২ দা পোং লৈবাক লোই চনখিবমই। অবাশিংনা মণিপুববু লৌশিন্নবা হোৎনবমই, অদুবু মাই পাকখিদে। খাগেম্বা মতমদা খাগীশিং মণিপুবদা লান্দাবা (খুন্তানবা) অদু পোং লৈবাক ফাওবগা লাকপা ওইরমগনি। খাগেম্বনা কবো তম্পাক্তা লৈবা শান লৈবাকশিং হাযবদি ক্যাং, অমস্থং শমজোক অমুক হন্না লান্দাহুনা লৌশিনলমই। খাগেম্বনা কবো অমস্থং অবাশিংবু মণিপুবগী লান্মীশিংগী মবক্তা নোংমৈ কাপ্পা লান্মী ওইনা শিজিন্নখি। অদুবু ১৭ -স্থং ১৮ শুবা শতাব্দীদা পোংগী তোডানবা নিং-খা তম্বা লৈবাক ওইবসি ঙমক্তবে। অবাশিংগী মথাদা লৈবা হৌবক্লে। মণিপুবনা অবাবু হন্না হন্না লান্দাহুনা মাংহথিবা পিখি। অদুবু খৃঃ ১৭৫২ দা পোং লৈবাক্কী কোন্নুং মেগো অবাশনা লান্দাহুনা লৌশিনখিরমই।

অরোইবদা, মহাক্কী খাবোল অসিদা যাম্না কুপ্পা নৈনবগী খুংদাংচাবা ফদ্রে। অদুবু শ্রীখেলচন্দ্র সিংহনা পিবিবা থোসিস হাযবদি পোংশিংগী অহাম্বা নিংথৌ খুমলাই হায়বাস পাথংবগী মচানি হায়বসি কুপ্পা থিজিনবা দরকার ওই। পোং লোনগা মৈতৈ লোনগা মান্নবা, সংস্কৃতি অমস্থ সমাজিক্কী মবিদা অমুক হেন্না থিজিনবা দরকাব ওই হায়না খল্লি।

মতমগী খোঙথাং

তান্নথিবা লাইরিকশিং :—

১। চৈথাবোল কুম্বাবা, ইম্ফাল, ১৯৬৭, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ।

২। ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ, নি থৌরোল লম্বুবা, ইম্ফাল, ১৯৬০।

৩। খেলচন্দ্র সিংহ, অরিবা মণিপুরী সাহিত্য ইতিহাস ইম্ফাল, ১৯৬৯।

৪। সার ইড্‌ৱার্ড গ্যাট, এ হিস্তরী ওফ অসাম, ১৯৬৩, কলিকতা।

৫। জি, সি, বারুরা, অহোম বুবনজী, কালিকতা, ১৯৩০।

৬। রাজকুমার ঝলঝিৎ সিংহ, এ সোর্ট হিস্তরী ওফ মণিপুর, ইম্ফাল, ১৯৬৫।

৭। আর, সি, মাজুমদার, হিন্দু কোলোনিজ ইন ফার ইষ্ট কালিকতা ১৯৫৫।

৮। দি, জি, ই, হোল, বরমা, লণ্ডন, ১৯৫০।

৯। „ „ সাউথ ইষ্ট এসিয়া, ১৯৬০, লণ্ডন।

১০। জি, ই, হারভে, হিস্তরী ওফ বরমা, লণ্ডন, ১৯২৫।

১১। আর বি, পেম্বরটন, রিপোর্ট ওন ইষ্টর্ন ফ্রোন-টিয়ার ওফ বৃটিশ ইন্দিয়া, কলিকতা ১৮৩৫।

এখোয়গী ইতিহাসতা হিংবসি

—ও, বীরেন—



হিংবগী ইতিহাসতা
লহারোল কবিশিংনা পুন্সিবু
করোংচাক য়ুংনা নৈনৈ
থিয়েটরদা
কবিতাদা
উপন্যাসতা
রাগী মচাদ
চেফোংগী লামাই অমদা
অদুবু,
হিংলিবা অমত্তনা
চনিং ঙাদা স্বর হোনবা ওমত্রি
চাক্লিবা মশিং হেনগৎলক্লি
ফুরা-দল'গ হেনগৎলক্লি
সোরোক অসুম অসুম পাকথোক্লক্লি
অদুবু,
কদোমদা পুথৌবি পুন্সি
কদাইদা থুংলুগনি পুন্সি
অচম্বা প্রজা মীয়ামগী
ফল অমত্তসু পুথোকপিরমদে
ফল অমত্তসু পুথোকপিরমদে।

ওম্বুড্সমন,

মণিপুরদা লোক আয়ুক্তগী দরকার

শোঙা থুমজা কবপসন, চাবা নোংশম্নিবা খোংলবশিংদগী শুমহুনা টিনবা খাজনা—মহৃদগী কোথোকতুনা লম্বাইগী শেনফু মপক পলহনবা, শক্তি মীথুং লানথোদনবগীদমক ফম্মাংবাশিং অমদি লেকমনিগী মপুশিংগা থুংশন্নবা চেংবা কাবরার, পুক-চেল শেংবশিবু শুদংপীবা-লৈপাকশিংগী ইকায়খুম্ন-খ্রবা ৎপ্রলোবশিংগী মদমনি—মাবোলানিদদি মুশংদি লা বহুনা মতু ন শম্না কেননা পাক ডাব্রবোইদোবা। পশিবু পুথংপগী মতমদ হৌজিক ওইহাংগন্নু, ভাসগী লৈববা সোসিয়েল অমদি পোলিটিকেল সিষ্টেমশিংদস্থু সরকারগী হেল্প তৌবা, মোনা ওৎনৈবদগী নাগরিক-শিবু মতেঙ পাংননা আইন্না খোঙথা শিল্লবই। রাজ্যশিংদা লৈরবা 'ভিজিলেন্স কমিশন' খিবিক, 'সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কমিশন'না প্রজাগী মনায (পাব্লিক সর্ভেণ্ট) শিংনা কম্মপসন তৌবা যৈথং॥ অদুবু মখোয অসি আইন পাস তৌহুনা শেমথোবদি নত্তে। নাগরিকশিংনা সরকারগী হেন-জনবা মরমচাদবা থবক্তগী ফংলবপা খুদোংচাদব-শিংহ খবদং কোক্রবগীদমক, মীৎলম নাবম উবা আইন শেম্বশিংনা ওমবুড্সমন কৌবা ইনষ্টিট্যুসন অমা থম্নবা আইন শেম্মখ্রে।

স্বিডেন্দা শোক ১৮০৯ দগী হৌবহুনা ফিনলণ্ড (১৯১৯), ডেনমার্ক (১৯৫৪), নোরবে (১৯৬২), নোংচুপ জর্মনী (মিলিটরী ওমবুড্সমন ১৯৬৭), নিউ-জিলণ্ড (১৯৬১), বনদা (১৯৬৭) তা আইন শেমহুনা ওমবুড্সমন থমখ্রে। অষ্ট্রেলিয়া, আইরলণ্ড, স্বিজরলণ্ড অমদি অষ্ট্রেলিয়াদস্থু থুমাং চাওশন্না থম্নবা হৌখ্রে। ইংলণ্ডদা, সরকারনা প্রজাদগী শম লৈবদা হাবী জাবী তৌবদগী, ট্রাইবুনেলস এণ্ড ইনক্বাইরিজ এক্ট ১৯৫৮" পাস তৌখ্রে। অাইন অসিনা মথোং হুক্তবা লৈঙাক (মাল এদমিনিষ্ট্রেসন) পুদি শোক্তবদগী, ওমবুড্সমন থম্নবাদমক্তা ইংলণ্ডদা "পার্লায়ামেণ্টারি কমিশনার এক্ট, ১৯৬৭" পাস তৌখ্রে। ভারতস্তু এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস কমিশন্না ১৯৬৬ তা থাগৎ-লকপদগী, লোক সভানা অগষ্ট ২০, ১৯৬৯ দা "লোকপাল এণ্ড লোক আয়ুক্ত বিল, ১৯৬৮" পাস তৌখ্রে, অদুবু রাজ্য সভাদা পন্দুনা লৈব। বিল অসিগী মতুংইন্না লোকপাল অমদি লোক আয়ুক্তগী শক্তি, মথৌ, থৌওং নৈনবদা কান্নগনি। রাজ্যগী থাক্তা, মহারাষ্ট্র, রাজস্থান, কর্নাটকী এসেম্ব্লীদা আইন পাস তৌহুনা 'লোকআয়ুক্ত' থম্মখ্রে। অন্ধ্র-প্রদেশস্থু রাজ্য অসিংগী থুহু ইল্লকলি।

লোকপাল (কেন্দ্রগী ওমবুডসমন), লোকআয়ুক্ত (লোকপালসু তেংবাংবা নত্রগা রাজ্যগী ওম্বুডসমন) গী খোয়দোকপদি—অহানবদা, মহাক লেজিসলেচরগী মনিংতম্বা, মিচং চংদব সরকারগী লৈঙাক য়েংশনবা অফিসরগী; অনিশুবদা, মহাকনা প্রজাগী রাকৎ ফংলবদা, ফত্রেগনা মশানা হৌহনা সরকারগী লৈঙাকমা তৌরকপা চুমদবশিং অমদি মথোংহৎক্তবা লৈঙাকপু যেংশিন্নি; অহুমশুবদা, মহাক্না থিজনবা, অশোয়বা পুথোকপা অহুগা লেজিসলেচরদা ঐ পাও থাগৎপা ওমই।

ভারতকী লোকপালদি প্রেসিডেন্টনা চিফ জষ্টীস অমদি পার্লীয়ামেন্তকী অপোজিসন লুচিংবগা তান্নমনা হাপ্পা তাই। মহাক পার্লিয়ামেন্তকী নত্রগা, রাজ্যগী লেজিসলেচবগী মেম্বর ওইবা তাই। মহাকপু চুনদবা লীচৎ (মিসবিহেব্যর) নত্রগা, থবক ওমদবা (ইনকেপাসিটি) গী মরমদমক, সুপ্রীম কোর্টকী জজ্জ অমমা ইনকাইরী তৌহনা পার্লিযামেন্টকী হাউস খুদিংমা এড্রেস পীরবদা, খোয়দোকপা মেজো-রিটিনা য়ায়বদা প্রেসিডেন্টনা লৌথোকপা ওমই। লোকপালগী তলব সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস অমদি জজ্জশিংগীগা মান্নগনি। রাজ্যগী লোকআয়ুক্তগী মতাংংসু মসিগী নোমুনাদা লাকদবনী।

লোকপালগী মথৌদি মিনীষ্টর, সেক্রেটরী নত্রগা প্রজাগী মনায অমনা পায়খৎপা নত্রগা য়াহনা পায়খৎপা থবক অমগী মায়োক্তা কমাগুম্বা প্রজা মীওই অমমা 'গ্রিভান্স' নত্রগা, অ্যালিগেষন' গী রাকৎ পীরবদা থিজনবা অসিনী। 'হকচনবা অরাবা' (গ্রিভান্স) সরকারগী মথোংহৎক্তবা লৈঙাকতগী ফংলকপা অন্যায় নত্রগা মরমচাদবা অরাবগী মায়োক্তা লাকপা রাকংপুনি। মথোংহৎক্তবা লৈঙাক হায়রগা অহানবদা, মরমচাদবা, চুমদবা, ওৎনৈবা, মরমচাদনা মীশক থাযবা, লৈঙাককী থবক নত্রগা চংথরক্রবা থৌওং; অনিশুবদা, সরকারগী থবক পায়খৎপদা থৌশাদবা, মরমচাদনা তপ্পা নত্রগা, থৌওং অহুমক্তদা মরমচাদনা তপ্পা লৈহনববু খওনৈ। 'মরালশিংবা' (অলিগেষন, হায়রগা কনাগুম্বা প্রজাগী মনায (পব্লিক সর্ভেন্ত) অমনা (১) মীগী থৌজাল ফংনবা নত্রগা, মী অমদা মরমচাদনা অরাবা পীনবা মাগী ক্ষম অহু লান্না শিজিন্নবা (২) মবান্নাংগী ফনবা নত্রগা, অমোৎপা রাথলনা লমজাংবা, (৩) করপসন নত্রগা, মশা খুত্থম চন্দ্রবগী মবাল লৈরে হায়রবা রাকৎ অহুবু তাকই। করপসন হায়বসিদা রাজনীতিগী করপসনসু চল্লি।

লোকপালনা থিজিনবদগী কোল্লবা 'হকচনবা অরাবা' খরদি মীরৈবাক্কী সরকারগী মরী লৈনবা থবক, রাজ্য ওাকশেনবগী থবক, বিচার লোয়শঙদা চংকদরা লেপ্পা থবক অসি পনবা য়াই। মহাক্না বিচার লোয়শঙ নত্রগা ত্রাইবুনেল অমদগী উপায় ফংবা য়ারবা রাকৎপুদি থিজনদে। অহুগা 'পব্লিক সর্ভেন্টস ইনকাইরী এক্ট ১৮৫০' নত্রগা 'কমিসন অফ ইনকাইরী এক্ট, ১৯৫২' গী মথাদা পব্লীক ইনকাইরী অমা তৌনবা য়াথং থাগ্রবা থবকতসু থিজন্দে। লোকপালনা মাগী রাথলদা, কাম্নড্রে, নত্রগা মতিঙ্কচাবা মরম লৈড্রে নত্রগা রাকৎলিবা মীহুদা অতোপ্পা উপায় অমা লৈ খল্লবদি রাকৎ অমবু থিজন্দবা নত্রগা থিজনবা হৌরক্লবদগী লেপ্পসু ওমই।

লোকপালনা শুপ্নদগী লৈঙাকী থবকতমক থিজনবা ওন্মী, সরকারগী 'জুডিসিয়েল এক্সন' নত্রগা পোলিশিগা মরীলৈনবা রাকমবুদি থিগৎপা ওমদে। মহাক্না লৈবাক্কী ওাকশেনবা নত্রগা ডিফেন্সকা নত্তনা

অন্তর্জাতিক থৌরম মরী নত্রগা, ক্রাইম কাবা অমসুং কেবিনেটকী থৌরমকপা রায়েপশিং নত্রব ঈ পাও পুন্নমক লোয়না খোমগৎপা ওমই।

মহাক্কী থিজ্জনবগী থৌওংদি মপান থোক্কে, হোংদোক হোংজিন য়াই, মী পোং তাহল্দে। অরাবা তারবা মী, মহাক্কী আইনগী মীচৎ নত্রগা মহুৎশিনবা অমনা 'গ্রিভান্স' কী বাকৎ পীবা য়াই। প্রজাগী মনায় (পব্লিক সরভন্ট) ওইদবা মীওই অমনা 'অলিগেসন' গী বাকৎ অমা থাবা যাই। জেল মন্নুংদগী নত্রগা চংজকম অমদগী পীবকপা চিঠি অমা লোকপালদা হাংদোকতনা, থীন্দনা য়েংহল্লী। শাক্তি কৌথৎপদা অমদি দলিল পুথোকহনবদা, মঙোন্দা সিভিল কোর্ট অমগী শক্তি পী। মহাক্না থিজ্জনবা মতমদা চানবা, খুদোংচাবা প্রোসিড্যুর অমা ইনবা যাই।

থবক পায়থৎপগী শক্তিগী, মরীদা লোকপাল নত্রগা, লোকআয়ুক্তনা মরী লৈনবা অথোরিটিদা অককবা মতমগী মন্নুংদা প্রজা মীওইশিংগী অরাবশিং কোক্নবা উপায় তাকই। ককথীবা মতমদগী থা ১ গী মন্নুংদা, সরকারগী অথোরিটিশিংনা মহাক্না লৌথৎপা থবক অশিং লোকপালদা থশিনহনবা তাই। লোকপালনা, অথোরিটিশিংগী থবক অশিংদা পেনজবদি, প্রেসিডেন্টদা থোয়দাকপা রিপোর্ট অমা থাগৎপা ওমই। প্রেসিডেন্টনা অদুমক মেমোরেন্দম অমগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী টেবলদা পুথোকপা তাই।

বিল অসিনা অহানবদা, লৈঙাক্কী করপসন হনহনগনি, অনিশুবদা, অরাবা অনা য়েংশিনবগী খুদোংচাবা থৌওং অমা থোকহনগনি, অহুমশুবদা, লৈঙাক্কী করপসন শকথংবদা অফবা মেকানিজম অমা পীগনি।

লোকপাল অমদি লোকআয়ুক্ত থৌরমদা আইনশেম্বশিংনা চিংনবা বাখম থব লৈ। অহানবদা, ভারত-কুম্বা মীশিং যাম্বা লৈবাক্তা লোকপাল অমত্তনা প্রজাশিংগী মশা যামথ্রবা বাকং তাবা ওমলোয়। অদুবু, মীশিং য়ামলিবগী মতিক লোকআয়ুক্ত কয়ানকম হাপকদোব নীনা, মীয়ামগী বাকং লৌবদা অরাবা থোকলোয।

অনিশুবদ, ওমবুদসমন হাপ্রবদি সরকারগী অমোৎপা মথাম হোগায়রকতুনা সরকারগী মশক থিহনগত্রা হায়না সরকার পায়রিব কানুনা মরমচাদনা পাথৎলি। অদুবু, ইংলন্ডগী চাংয়েংদদি ১৯৬৭ তা প্রজাশিংগী বাকৎ ১০৮৯ গী মন্নুংদা ৮৮৯ দমক পার্লিয়ামেন্টরী কমিসনরবনা থিগৎলমই। মদুগী মন্নুংদা বাকং ১৯দমক (১০%) মথোং চক্তবা লৈঙাক্কী থুদম ংংহনা সরকারগী অমোৎপা মখি অমা শেমগুবগী মতৌতা, প্রজাশিংনা চিংনবত্ত অযাম্বনা চুমদবনী উৎতুনা সরকারদা মীয়ামগী থাজবা অকক্ক ই। ওমবুদসমনগী ইনষ্টীট্যুসন অসিনা লৈঙাক্কী থৌ বু ফগৎহল্লি। ইংলন্ডদি, প্রজানা হকথেংনা পীথৎপগী মতৌতা প্রজাদগী বাকৎ এম:পীশিংনা লৌথৎতুনা পার্লীয়ামেন্টরী কমিসনারদা পীথৎলি। ১৯৬৭ তা পার্লিয়ামেন্টনা সেলেক্ত কমিটি অমা হাপতুনা কমিসনারগী রিপোর্টশিংদু অদুক লৈনৈ। কমিটি অসি লৈবদগী কমিসনারগী থৌওংদু অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা ওমই



ভারতকী রাজ্য খরদা লোক আয়ুক্তগী বিল পাস তৌহনা মথোংহক্তবা লৈঙাক্না ওৎপীরবা মীওইশিংগী বাকৎ তানবগী খুদোংচাবা পীথ্রে বাজ্যসভাদা লৈরিবা বিল অসিনা এক্ত ওইহনা ভারতকী লোকপাল হাপ্পা শুপ্পগী মতম ডায়বতনি। রাজ্য ওইবা মণিপুরদসু, লোকআয়ুক্ত হাপতুনা মথোং চক্তবা লৈঙাক অমদি কম্যুনিটিশিংগী অমোৎপদগী অরাবা ফংলবা মীওইশিংগী বাকৎ তাবা মতম চারে।

ঈ-পাও চেৎনবগীদমক

ইডিটরিয়েল বোর্ডকী অফিস— লমলোং বাজার, পি,ও, ইম্ফাল, মণিপুর। বিজিনেস অফিস— কো-ওপারেটিভ প্রেস, পাওনা বাজার ইম্ফাল, মণিপুর।

● ইডিটরদা থারকপা চিঠি

চেফোংশিগী আর্টিকলগী মরমদা নত্রগা অতোপ্পা তগৎ তগৎ তেক্লিবা রাকম অমদা পাবীরিবশিংনা ইবীরকপা চিঠি মথংগী চেফোংদা হাপচগনি। ইথোকপদা কীবিগনু, রাইহে ৪০ দগীনু হেনবীগনু।

● থাকম — ইডিটরগী অফিস

লমায় ১৯ গীদা হিপক্লেটিকী, তীর্থ থা ৭, পেটরসার্গগী, ফিওকান হায়বদু হিপনোটিকী, তীর্থ যাত্রা, পেটরবার্গগী, ফিওফান। লমায় ২০ গীদা রাশিয়াগী, লৌমীগী শাতৌ, নিংকোলাসনা, ভুমা, কোন-সেভিক, হৌনা; বীদোবা হায়বদু রাশিয়াগী, লৌমীগী লালহৌ, নিকো-লাসনা, ডুমা, বোলশেভিক, হৌদুনা বীদোব হায়না পাবীয়ু—

প্রুফ রীডর

ইডিটর সানাজাওবা নাওরিয়া এল, এল, এম না মনিপুর কো-ওপরেটিভ পারসিং সোসাইটি লিমিটেডতা ছাপা নমহুনা ফোঙবা।

ফেব্রুয়ারী, ১৫ গী মেকোংগা পথৌরবা থাঙ্গিক

★ মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিট্যুষন, ১৯৪৭

● ডাঃ এন, ইবোবীনা

মণিপুরনা ভারতা শিক্লিটৈদা নৈরবা ডেমোক্রেটিক কনষ্টিট্যুষন অমবু মৈনবা,

• •

★ মেকমোহোন লাইন

● প্রো: গাংমুমৈবা

ভারত অমসুং চুমলোয়বা চাইবাগী চরোংনরিবা চুমৈথগী মরমদা মীচং মীবায় নাক্তবা মৈনবা

• •

✖ মহাকী যাত্রা কোরবীগু— মেচার লিজা অহানবা

—"ছিন্নিবাব"—

● লোকজোন কন্দ্র

—মণীপদি—